# লৌশিংগী পাম্বৈ

## লৈবাক্কী খন-নৈনবা মীফম 2008-2010 অমদা য়ুম্ফম ওইবা



# ঐখোয়সু স্কুল করম্বা য়াবনী



ইশাগী লোলদা তাজবা
খঙজবা হায়জবা য়ারমগনী
অশাগী অনৌবা ময়োল
চোংলমগদবনী

# লৌশিংগী পান্বৈ

## লৈবাক্কী থন-নৈনবা মীফম 2008-2010 অমদা য়ুম্ফম ওইবা


विद्यया ऽ मृतमश्नुते

एन सी ई आर टी
NCERT

राष्ट्रीय शैक्षिक अनुसंधान और प्रशिक्षण परिषद्
NATIONAL COUNCIL OF EDUCATIONAL RESEARCH AND TRAINING

**32151 — Samajh ka Madhyam**
**Rashytriya Parisamvad 2008–2010 per Aadharit (Manipuri Language)**

**ISBN 978-93-5292-925-2**

**First Edition**

*August 2024 Shravana 1946*

**PD 1T BS**

© ***National Council of Educational Research and Training, 2024***

**ALL RIGHTS RESERVED**

- No part of this publication may be reproduced, stored in a retrieval system or transmitted, in any form or by any means, electronic, mechanical, photocopying, recording or otherwise without the prior permission of the publisher.
- This book is sold subject to the condition that it shall not, by way of trade, be lent, re-sold, hired out or otherwise disposed of without the publisher's consent, in any form of binding or cover other than that in which it is published.
- The correct price of this publication is the price printed on this page, Any revised price indicated by a rubber stamp or by a sticker or by any other means is incorrect and should be unacceptable.

**OFFICES OF THE PUBLICATION DIVISION, NCERT**

NCERT Campus
Sri Aurobindo Marg
**New Delhi 110 016** **Phone : 011-26562708**

108, 100 Feet Road
Hosdakere Halli Extension
Banashankari III Stage
**Bengaluru 560 085** **Phone : 080-26725740**

Navjivan Trust Building
P.O.Navjivan
**Ahmedabad 380 014** **Phone : 079-27541446**

CWC Campus
Opp. Dhankal Bus Stop
Panihati
**Kolkata 700 114** **Phone : 033-25530454**

CWC Complex
Maligaon
**Guwahati 781 021** **Phone : 0361-2674869**

**₹ 65.00**

*Printed on 80 GSM paper with NCERT watermark*

Published at the Publication Division by the Secretary, National Council of Educational Research and Training, Sri Aurobindo Marg, New Delhi 110 016 and printed at Taj Printers, 69/6A, Najafgarh Road Industrial Area, Near Kirti Nagar Metro Station, New Delhi 110 015

**Publication Team**

| | |
|---|---|
| Head, Publication Division | : *Anup Kumar Rajput* |
| Chief Production Officer | : *Arun Chitkara* |
| Chief Editor | : *Bijnan Sutar* |
| Chief Business Manager | : *Amitabh Kumar* |
| Assistant Production Officer | : *Deepak Kumar* |

শেম্দোক্লবা খুৎনম
2024

# ৱাহৌদোক

অঙাংশিংগী অহানবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বা হায়বসি মপুং ওইনা লোল তম্বনী। মরম অসিনা লৈবাক্কী মহৈগী থৌশিল 2020 না অমুক্কা হন্না ইমালোন্দা মহৈ-মশিং তম্বদা হায়বসিদা হেন্না কনশীন্বা ৱাফয ফোংদোক্লি। মমাংগী মহৈ-মশিংগা মরী লৈনবা পাউতাকশিংদশু ইমারোলদা মহৈ তম্বা হায়বা ৱাফমশিং থমদুনা লাকলী। ভারত লৈবাক অসি লোনয়াম শিজিন্নবা লম অমনি। মরম অসিনা অঙাং পুম্নমক্কী মহৈ-মশিং অসি অরাইবা মওংদা, অপনবা অমত্তা য়াউদনা তম্নবগীদমক ইশাগী লোলদা মহৈ তম্বিবা হায়বসি তঙাইফদে। ইমলোন্দা মহৈ তম্বা হায়বসিনা হীরম খুদিংমক্কী অচেৎপা য়ুম্ফম অমা শেম্বদা মতেং পাংগনি। লৈবাক্কী মহৈ-মশিংগী থৌশিল 2020 না ময়েক শেংনা পল্লী মদুদি ৫ শুবা থাক ফাওবাদি অঙাংশিংবু মমালোলদা তাকপী-তম্বীগদবনী। মথা তানা হোৎনবা য়ারিবদি, হায়রিবা ৱাফম অসি ৮ শুবা থাক অমদি মথা তানা অৱাংবা থাক্তশু অশুমনা চৎথনবা হোৎনবা অসিনী। লোনয়াম শিজিন্নবা হায়বা ৱাফমসিবু শৌগৎনবগীদমক চুমলৌ (সাইন্স) অমদি অতৈ নৈনচল (সন্নেক) শিংদসু অফবা মখলগী তম্ন-লাইরিক ফংহনবা তঙাইফদে। মসিনা মরম ওইদুনা অঙাংশিংনা য়ুমদা শিজিন্নবা লোল অমদি মহৈলোয়শঙশিংদা শিজিন্নবা লোল অনিগী মরক্তা লৈরিবা খেৎনবা অসি হন্থহনবা ঙমগনি অমদি লোলশিংগী মরক্তা অফবা মরী অমা শেমগৎপা ঙমগনি।

মসিগী মরুওইবা য়ুম্ফমনা ইমালোন্না ওইগনি। য়রিবা পান্দম অসিবু মপুং ফাহন্নবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা এডুকেশন দিপার্তমেন্টগী থৌদাং য়াম্না মরু ওই। মসিগীদমক দিপার্তমেন্ট অসিবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। লাইরিক অসিনা অঙাংশিংগী মহৈ-মশিংগী লমদা থবক কয়া পাংথোক্লিবা তোঙান-তোঙানবা রাজ্য শিংগী থৌশিল্লোইশিংগীদমক য়ুম্ফম ওইবা মরু ওইবা লাইরিক অমা ওইগনি হায়না থাজে।

দিনেশ প্রশাদ সক্লানী
দিরেক্টর
নেস্নল কাউন্সিল ওফ ইডুকেস্নেল্ রেসর্চ ইন্ড ট্রেনিং

নঈ দিল্লী
মার্চ 2023

অহানবা খুৎনম

2010

# ৱাহৌদোক

অঙাংশিংগী পুন্সিদা মহৈ-মশিংদা লোনগী থৌদাঙ, লৈরিবা খুন্নাই অসি মখল কয়াগী খেৎনবা কয়ানা কোইশিল্লী। হায়রিবা খেৎনবা কয়া অসিগী মতাংদা খনবা হয়বসিসু অয়াম্বনা খুনাইগী থাজন্নবী অমসুং লৈঙাকলোনগী চয়েৎনবা কয়া অমনা কোয়শিল্লি। মহৈ-মশিংগী মরী লৈনবা লোলগী নিতি-নিয়ম অসি মতম কয়াদগী খনবা অমদি নৈনবা অসিগী ৱাংমদা থমদুনা লাক্লী হায়বা ৱাফম অসিদা অঙকপা করিসু লৈরোই। হায়রিবা ফিভম অসিসু অহোংবা অমা পুরকনবগী পান্দমদা নেশ্নেল কাওন্সিলনা ' লৌশিংগী পাম্বে' হায়বা ৱাফম অসিগা মরী লৈননা সেমিনার পরীং কয়া অমা পাংথোকখী। উদয়পুর, পটনা, বারানসি অমসুং দিল্লীদা পাংথোকখিবা সেমিনরশিং অসিগী মরু ওইবা ৱাফমদি অঙাংশিংগী নুংতিজারগী মহৈলোইশঙশিংদা থেংনরিবা অমদি ফাওরিবা লোলগা মরী লৈনবা ৱাফম অদু নৈনবনি। মসিগী পান্দমদি মতম কয়াদগী মহৈ-মশিংগী থৌশিলগী মতাংদা লোল শিজিন্নবগী পন্দুনা লৈরক্লিবা ৱাফম অসি অমুক হন্না খন্ন-নৈনবা অসিনি।

লাইরিক অসি হায়রিবা থবকশিং অসি মখা তানা পাংথোক্লবগী ৱাখল্লোনগী মখাদা নমজরিবনী। লাইরিক অসিগী মপুং ওইবা মচাক অসি সেমিনর মরীদা খন্ন-নৈনখিবা, হঙলকখিবা ৱাহং অমদি মদুগী পাউখুম পুথোকনবা হোৎনখিবা তর্কশিং অদুদগী শেমগৎলকপনি। ঐখোয়না থাজবা থল্লী মদুদি হায়রিবা লাইরিক অসিগী মতাংদা অঙাংশিংগী মহৈ-মশিংগীদমক খঞ্জরিবা মীওইশিং হায়বদি ওজাশিং, মখোয়বু তাকপী তম্বীরকপশিং, ওফিসরশিং, মীয়ামগী মিহুৎশিং, খুনাইগী থবক-থৌরম পুরিবা থৌবুরোইশিং অমদি মমা-মপা ওইবশিং, মহৈ-মশিং তম্বা অসিদা লোলগা মরী লৈননা খন্বা অমদি খণ্ন-নৈনবা হায়বা ৱাফম অসিগী মতাংদা থৱাই য়াউগনী। হায়রিবা খন্ন-নৈনবা অসিগী হৌজিক্কী মতমগী তঙাইফদবা ৱাফম অমনি। মহৈ-মশিং তম্বগী হক পীবা হাইরিবা আইন অসিনা অঙাংশিংনা মমালোলদা মহৈ-মশিং তম্বা হায়বা ৱাফম অসি নৌহৌননা পুথোক্লবা হোৎনরী। হায়রীবা খোঙথাং অসিনা মহৈ-মশিংবু কোলোননাইজেশনদগী পোকলকপা ৱাখললোল অমদি খুন্নাইগী অফা-অপুন অসি কোকহনবগী মঙম লৈ। খঙনরবা ৱাফমনী মদুদি আইন অমদা য়াউরিবা মঙম অসি মপাঙ্গল হেনগৎহনবদা খুনাই অমদি

লুপকী ওইবা মতেং তঙাই ফদে। ইংরাজীনা মরকখন (মেদিয়ম) ওইবা মহৈলোইশঙশিংগী চৎনরিবশিং অসি খুনাইগী থাঙৈশেংবা মশক ওইবতা নত্তনা মসি চরক-চহিংনবা চৎনবী অমগী মওং-মতৌ ওইরী। হায়রিবা অসি থন্ন-নৈনবগী ৱাফম অমা ওইনা পুথোক্তুনা অহোংবা অমা পুরকপা ঙমগনী হাইনা থাজবা থম্বা য়ারী।

লৈবাক্কী তম্নহীরম 2005 গী মওং-মতৌদা অহোংবা পুরক্লবগী চপ চাবা মায়গৈ অমদি মওং মতৌগী খুদম নীংথিনা তাক্লি । হায়রি খুদমশিং অসিনা খঙহল্লী মদুদি ভারতকী লোলশিং অমদি ইংরাজী তম্বা অসিগা মরী লৈননা নেস্নেল ফোকস গ্রুপ কী রেপোর্টতা মরীক চুম্না তাক্লী। হায়রিবা ৱারোল চে অনি অসিদা ক্লাসতা মহৈ-মশিংগী মরকখন (মেদিয়ম) অসি অঙাংশিংগী মহৌশাগী পীথোকচরক্লবা খঙ-হৈবগী মঙম শেমগৎলকপা পুক্লিংলোলগা মরী লৈননা য়েংলী।

মসিগী মতাঙদা য়েংবা য়াবা মিৎয়েং অমনা ভারতকী লোলয়াম শিজিন্নরিবা ফিভম অসিনি। ঐখোয়গী অঙাংশিং অসি পোকপদগী অকোইবদা লোল কয়া শিজিন্নবা তাইবং অমদা হিংঙই অমসুং হায়রিবা তাইবং অসিদা য়াউজরিবা মীওইবগী মরোমদোম শেমগৎ-শাগৎপগী ওইবা ৱাখল-লৌশিং অসি লৌশিনজৈ। তঙায় ফদ্রিবদি ঐখোইনা মহৈ-মশিংগী মওং-মতৌ অসিদা লোল তম্বা অমদি মহৈ-মশিংগী মরকখন (মেদিয়ম) গা মরী লৈনবা ৱাফম অসিদা য়াওরিবা অখুবা মীৎয়েং অসি পাক চাউবা মীৎয়েং মখাদা থন্নবা তঙাই ফদে।

ঐহাক্না থাজৈ মদুদি লাইরিক অসিনা লোলগা মরী লৈনবা থৌশিলশিং অমদি থবক-থৌরমশিং অমুক নৌহৌননা য়েংশিন্নবগীদমক য়ুম্ফম ওইবা ৱরোল চে অমা ওইবগী মথৌ পাঙথোক্কনী। কাউন্সিলগী মাগৈদগী ঐহাক্না 'লৌশিংগী পাম্বৈ' গী সেমিনার পরীংশিংদা শরুক য়ারিবা পুন্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোকচরী। সেমিনারশিং অসিদা থন্ন-নৈনখিবশিং অসিবু নিংহন্নবা লৈতনা কন্না হোৎনদুনা খোমজিল্লবা মতুংদা হাইরিবা লাইরিক অসিগী মশক-মওং অশুম্না ওইহল্লকপগীদমক লোলগী বিভাগ কী দা.সন্ধ্যা সিংহ অমদি দা.কির্তি কপুর বু থাগৎপা ফোংদোকচরী। ঐহাক্না লোলগী বিভাগ কী অধ্যক্ষ প্রোফেসর রামজন্ম শর্মাবু থৱায় হকচাং য়াউনা শিল লাংবিবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকচরী । ঐহাক্না থাজবা থল্লী মদুদি লাইরিক অসিবু পাক চাউনা শন্দোকপগী মতেংনা রজ্যাগী থাক্তা লৈবা লুপশিংগী লোলগা মরী লৈনাবা ৱাহংশিংগী মতাংদা হেন্না কনশীন্বা থগ্ন-নৈনবগী লিক্লম অমা শোইদনা পিগনী।

কৃষ্ণ কুমার
দিরিক্টর
নেশ্নল কাওন্সিল ওফ এডুকেশনল রিসর্চ এন্ড ট্রেনিং

নঈ দিল্লী
4 মার্চ 2010

# ৱাহৌদোক

লোল হায়বসি ঐখোয়গী পুন্সি অমদি চৎনবী,সংস্কৃতিদা তঙাইফদ্রবা মফম অমা কল্লী। অসিদা নত্তনা লোল খক্তনা চৎনবী অমদি সংস্কৃতিকী মশক মওং লেপ্পা ঙমই । লোল হায়বসি ঐখোয় ইশাগী মশক তাকচনবা পাম্বৈনী অমদি ইমারোলদা মহৈ-মশিং তম্বনা অঙাংশিংগী সমাজগী ওইবা চাউখৎপদা হেন্না খুমাঙ চাউশিলহল্লী ।

'লৌশিংগী পাম্বৈ' হায়রিবা লাইরিক অসি ইংশক 2008-2010 ফাউবা লৈবাক পুম্বদা পাংথোকখিবা খন-নৈনবদা থোকলখিবা ৱাফম কয়াদা য়ুম্ফম ওইবা, মরু ওইনা হিন্দী লোনদা শেমগৎখিবা লাইরিক অমনী । হৌজিক লৈবাক্কী মহৈ-মশিংগী থৌশিল 2020 গী পাউতাক্কী মতুং ইন্বা ৱারোল কয়া অমা হাপচিন্দুনা হৌজিক্কী মতাং-মতম অসিগা চুনবা মওংদা মহৈ লোয়শঙশিং খুদিঙমক্তা লমদম অদুগী লোন্দা য়ৌহনবা হায়বসি তঙাইফদে। মরম অসিনা হিন্দীদা শেমগৎখিবা লাইরিক অসিবু ইংরাজী য়াওনা পুন্না লোল 23দা আর্থ হন্দোক্তুনা, মফম পুন্নমক্তা য়ৌহন্নবা হোৎনরি। লাইরিক অসিগী মপুং ওইবা মচাকশিং অসি সেমিনর মরীদা খন্ন-নৈনখিবা, হঙলকখিবা ৱাহং অমদি ৱাহংদুগী পাউখুম পুথোকনবা হোৎনবদা তৌরখিবা তর্কশিং অদুদগী শেমগৎলকপনি।

ঐহাক্না থাজে মদুদি লাইরিক অসিনা লোলগা মরী লৈনবা থৌশিলশিং অমদি থবক-থৌরমশিং অমুক নৌহৌননা য়েংশিন্নবগীদমক য়ুম্ফম ওইবা ৱারোল চে অমা ওইবগী মথৌ পাঙথোক্কনী। কাউন্সিলগী মাইগৈদগী ঐহাক্না 'লৌশিংগী পাম্বৈ' গী সেমিনার পরীংশিংদা শরুক য়ারিবা পুন্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোকচরী । ঐহাক্না মসিসু থাজবা থল্লী মদুদি লাইরিক অসি পাক-চাউনা শন্দোক্তুনা রজ্যাগী থাক্তা লৈবা লুপশিংনা লোলগা মরী লৈনবা ৱাফমশিংগী মতাংদা হেন্না হকচীন্না খণ্ন-নৈনবগী লম্বী অমা শোইয়দনা পিগনী ।


**সন্ধ্যা সিংহ**
প্রোফেসর অমদি হেড
দিপার্টমেন্ট ওফ লেঙ্গৱেজ এডুকেশন
নেশ্নল কাওন্সিল ওফ এডুকেশনল রিসর্চ এন্ড ট্রেনিং

# লাইরিক শেমগৎ-শাগৎপা সমিতি

**অইবী অমদি খোমজিল্লিবী**

সন্ধ্যা সিংহ

**তেংবাঙলীবী**

কির্তি কপুর

**মণিপুরী লোলদা আর্থ হন্দোক্লীবী**

চকপ্রম বিনোদিনী দেবী

- মহৈ-মশিংগী মরকখন (Medium) অসি ইমালোল ওইবা তারবদি লোল অমদি চৎনবীগী মরক্তা লৈরিবা খেৎনবা অসি থর মথৈদি হন্থহনবা ঙমগনি। অঙাংশিংগী য়ুমগী লোল অমদি স্কুলগী লোল অনি অসি শমজিনবা হাইবা অসি স্কুলগী অহানবা মথৌনি।
- অহানবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বা হয়বসি অমরোমদা লোন তম্বনি। চৈশিংলোল (math) , ইনভারনমেন্তল সাইন্স অমসুং খুনাইগী মরমদা অহানবা লৌশিং অসি ইমলোলগী মতেংনা মপুং ফানা ফংবা ঙম্মী।
- ইমালোল/ লমদমদুদগী লোলদা মহৈ-মশিং তম্বা হায়বসী থাক খুদিংমক্তা চৎথবা ফগনি মরমদি হায়রিবা লোলশিং অসিদা তৌবা ঙম্বগী মঙমনা অঙাংশিংনা ৱাখল-লৌশিং চাওখৎপা অমদি ৱাখল-লৌশিং ফোংদোক্লবগী লম্বী পুন্নমক হাংহনবা ঙম্মী, মরম অসিনা অমগা-অমগা গী মরক্তা মরী ফজনা থম্বা ঙম্বতা নত্তনা য়ুম্ফম ওইবা ৱখলোম মরীক চুমবা খঙহনবা ঙম্মী।
- অহানবা হৌরকপা মহৈ-মশিং গী মরকখন (medium) অসি মমালোলদা ওইবা তারবদি অঙাংগী হান্না খঙজ -হৈজবা, মহাক্কী লোলগী মঙম অমদি ৱাখল লৌশিং গী চাওখৎপা অদু নীংথিনা শিজিন্নবা য়াগনি।
- য়ারিবমথৈ অঙাংগী য়ুমগী লোল, অকোয়বদা শিজিন্নরিবা লোল অমদি স্কুলগী লোলগী মরক্তা মরি লৈনবা অমদি অমগা অমগা মরী লৈননবগী থোং অমা লৈনবা হোৎনগনি। ইংরাজীনা মরকখন ওইবা স্কুলসিং অদুসু মঙাইরে, অঙাংশিংবু মখোয়গী মমালোলনা মরকখল ওইহনবা হায়বসিসু থৌগৎপিগদবনি মসিনা স্কুল হোংদোক হোংজিন তৌবা মতমদাসু খুদোঙ চাবা অমা ওইগনি।
- য়ারিবমথৈ স্কুলদা মহৈ-মশিং তল্লিঙৈ মতমদা লোলয়াম তম্বা হাইবসিসু থৌগৎপিনবা হোৎনগনি।

*— ভারৎকী লোলশিংদা মহৈ-মশিং তম্বা (য়ুম্ফম চ) এন.সী.ঈ.আর.টী*

অহানবা খুৎনম

# থাগৎচবা

নেস্নল কাউন্সিল ওফ ইডুকেস্নেল্ রিসর্চ ইন্ড ট্রেনিং, লেঙ্গৱেজ ডিপার্তমেন্ট এন.সী.ই.আর.টী,নঙ্গ দিল্লী, য়ুনিসেফ, পটনা; আর আই ঈ, ভুবনেস্বৱর; আর আই ঈ, মৈসুর, আর আই ঈ, অজমের, ইস. সী. ঈ. আর. টী. পটনা, বিদ্যা ভৱন সোসাইটী, উদৈপুর, কাশী হিন্দী বিশ্ববিদ্যালয়, ৱারানাসিনচিংবশিং মাগী-মাগী লমদা খঙ-হৈরবশিংবু থাগৎপা ফোংদোকচরী।

অনিতা রামপাল, প্রোফেসর, এডুকেশন ডিপার্তমেন্ট (সী.আই.ই), দিল্লী বিশ্ববিদ্যালয়, দিল্লী; অরুণ কমল, প্রোফেসর, পটনা বিশ্ববিদ্যালয়, পটনা; রমাকান্ত অগ্নিহোত্রী, প্রোফেসর, ভাষাবিজ্ঞান ডিপার্তমেন্ট, দিল্লী বিশ্ববিদ্যালয়, দিল্লী; রোহিত ধনকর, দাইরেক্টর, দিগন্তর, জয়পুর; এ.ইচ.কে. দিৱান, প্রোগ্রাম দাইরেক্টর, বিদ্যা ভৱন সোসাইটি, রাজস্থান; রাজেশ সচদেৱী, প্রোফেসর, C.I.I.L, মৈশূর; হসন ৱারিস, এক্স দাইরেক্টর, S.C.E.R.T., পটনা; প্রিয়দর্শন, নিউজ এডিটর, এন.ডি. টি.ভি. ইন্দিয়া নঙ্গ দিল্লী; অবধেশ প্রধান, প্রোফেসর, হিন্দি ডিপার্তমেন্ট, কাশী হিন্দু বিশ্ববিদ্যালয়, বারাণসী; অহমদ সজ্জাদ, ফোর্মর প্রোফেসর, রাঁচি বিশ্ববিদ্যালয়, রাঁচি; শুভা রাও, কোর্দিনেটর, সেন্টর ফোর ৱিমেন স্টডিজ এন্ড ডেভলপমেন্ট, কাশী হিন্দু বিশ্ববিদ্যালয়, বারাণসী; রিয়াজ অহমদ, ভাইস-চান্সেলর, বিদ্যা ভৱন সোসাইটী, রাজস্থান; প্রেমপাল শর্মা, জোইন্ট সেক্রেটরী, রেল ভৱন, রেল মন্ত্রালয়, নঙ্গ দিল্লী; সদানন্দ শাহী, প্রোফেসর, হিন্দি ডিপার্তমেন্ট, কাশী হিন্দু বিশ্ববিদ্যালয়, বারাণসী; জ্ঞানদেব মণি ত্রিপাঠি, অধ্যক্ষ, তপেন্দু ইনস্টিটিউট ওফ হায়র স্টডিজ; এস.এস. রঘুনাথন, ফোর্মর শিক্ষা সচিব, দিল্লী সরকার; অপূর্বানন্দ, প্রোফেসর, হিন্দি ডিপার্তমেন্ট, দিল্লী বিশ্ববিদ্যালয়; রাজেশ ভূষণ, ইনফোর্মেশন এন্ড ব্রোডকাস্টিং মন্ত্রালয়, পটনা; শারদা কুমারী, সিনিয়র স্পোক পর্শন; সী.ঈ.আর.টী., নঙ্গ দিল্লী; উষা শর্মা, পাঠক, আর.আই.ই, অজমের, নূতন ঝা, শিক্ষক, মিরাম্বিকা বিদ্যালয়, নঙ্গ দিল্লী; মণীন্দ্র নাথ ঠাকুর, এসোসিএট প্রোফেসর, জে.এন.য়ু; প্রোফেসর ড. কৃষ্ণ কুমার, দাইরেক্টর, এন.সী.ই.আর.টী নঙ্গ দিল্লী; রামজন্ম শর্মা, প্রোফেসর এন্ড চেয়রমেন, লেঙ্গৱেজ ডিপার্তমেন্ট, এন.সী.ই.আর.টী, নঙ্গ দিল্লী; ক. WHO. মিশ্র, প্রোফেসর, N.E.R.I.E., শিলোং; প্রো.কীর্তি কপুর, সিনিয়র মুখপাত্র, লেঙ্গৱেজ ডিপার্তমেন্ট, এন.সী.ঈ.আর.টী., নঙ্গ দিল্লী দা থাগৎপা ফোংদোকচরী।

উত্তর প্রদেশ, বিহার, ঝাড়খণ্ড, উত্তরাখণ্ড, গুজরাট, মধ্যপ্রদেশ, ছত্তিশগড়, হরিয়ানা, মহারাষ্ট্র, কর্ণাটক, রাজস্থান অমদি দিল্লীগী ওজা অমদি, ওজাগী শিক্ষক-প্রশিক্ষক অমশুং শিক্ষক, রুচি সৈনি অমশুং নরেন্দ্র ৱর্মা, ডি.টি.পি. ওপারেটর; রাধা, কোপি সম্পাদক অমদি ধনঞ্জয় সিংহ অমদি উপেন্দ্র সিংহ সত্যার্থী, বু প্রজেক্ট অসিবু শেমগৎ শাগৎপদা তেংবাংবগীদমক থাগৎপা ফোংদোকচরী। অনৌবা খুৎনম অসি পুথোকপদা প্রোফেসর দা. সন্ধ্যা সিংহ, এন.সী.ই.আর.টী নঈ দিল্লী, শ্রীমতী চক্প্রম বিনোদিনী দেবী, এসিস্তেন্ট দাইরেক্তর, সী.এস.টী.টী. নঈ দিল্লী (আর্থ হন্দোক্লীবী), দা. অথৌবা মৈতৈ, রেসিদেন্ট ইদিতর হুই-য়েন লানপাউ, ইম্ফাল, জিতিন কুমার, (জুনিয়র প্রজেক্ট অ্যাসিস্ট্যান্ট) গী মতেং য়াম্না চাওনা ফংলি।

*অনৌবা খুৎনম*

কোরদিনেশমগীদনক দা. সন্ধ্যা সিং, অধ্যাপক ও প্রধান, ভাষা শিক্ষা বিভাগ, NCERT, শমীক্ষাগীদমক, শ্রী মদন কশ্যপ, কবি অমদি অইবা অমশুং দা রচনা সিং, প্রফেসর হিন্দু কলেজ, দিল্লী বিশ্ববিদ্যালয়ের। জিতিন কুমার, (জেপিএফ জুনিয়র প্রজেক্ট অ্যাসিস্ট্যান্ট)কী মতেং ফঙলী।

# য়াওফম তাকপা


**ৱাহৌদোক** (শেম্দোক্লবা খুৎনম) iii
(অহানবা খুৎনম) v

ৱাহৌদোক vii

**1. মহৈ-মশিংগা মরী লৈনবা চে-চাংশিংদা লোল** **1–10**
- ➤ মহৈ-মশিং য়েংশিল্লূপ রিপোর্ট -1964-66
- ➤ লৈঙাক্কী মহৈ-মশিং থৌশিল-1986
- ➤ থবক ওইনা পাংথোকপা থৌওং 1995
- ➤ পাংথোক্লবগী পরীং পথাপ-1992
- ➤ লৈবাক্কী তম্ন হীরমগী থৌরাং -1988,2000.
- ➤ লৈবাক্কী তম্ন হীরমগী থৌরাং -2005
- ➤ লৈঙাক্কী মহৈ-মশিং থৌশিল-2020

**2. লোল অমদি লৌশিং** **11–18**
- ➤ অঙাংশিংগী ৱাখল (লৌশিং )অমদি লোল
- ➤ লৌশিংগী য়ুম্ফম ওইরিবা লোল
- ➤ লোল অমদি সমাজবু মান্ননা য়েংবা
- ➤ অঙাশিংগী মশাগী মশক তাকপগী ৱাফম
- ➤ ৱাহন্থোক লৈবা মহৈ মশিনগিদমক হোৎনবা

**3. লোলয়াম** **19–28**
- ➤ লোলয়ামগী পান্দম
- ➤ অঙাংশিংগী লোলগী মঙম তৌবা ঙম্বশিং
- ➤ মালেমগী ৱাখলোল
- ➤ লোলয়াম অমশুং অপীকপা কাঙলুপ অমদি য়েলহৌমীগী লোলশিং
- ➤ লোল ময়াম অমদি থা ভারতকী লোলশিং
- ➤ লোলয়াম অমদি ইংরাজী ক্লাস
- ➤ লোলয়ামগী ক্লাস
- ➤ লোলয়ামগী শীজিন্নবশিং।

**4. হীরমশিংগী মপুংয়াইদা লোল** **29–43**

- পুৰারীগী মীৎয়েংদা
- হীরম খুদিংমক্কী ওজা খুদিংমক লোলগী ওজা ঙাক্তনী
- ৱাখল খনবগী নীঙ তম্বা অমদি থাংগৈ শেংবা ৱাহং
- লোল অমদি হীরম
- অখন্নবা ৱাহৈ অমদি অঙাংশিংগী খঙ হৈবা
- অৱাংবা থাক্কী মহৈ অমদি অতোপ্পা হীরম

**5. লোল মশেল পাউ ফাওনবা** **44–50**

(য়ুম্ফম: ইংরাজী অমশুং হিন্দী)

- ইংরাজী অমশুং হিন্দীগী মরী
- খৃ:1967 গী মতুং
- খৃ:1987 গী মতম
- অহোংবা লাকপগী অনৌবা মতম
- ইংরাজগী চাউখৎলকপগী পুৰারী
- অনৌবা ৱাহৈ শেম্বগী তঙাইফদবা

**6. খন্নগদবা ৱাফম অমদি শীঙনবশিং** **51–59**

- ওজাগী শেমশাবা
- খুনাইগী শেমশাবা
- লৈঙাক্কী শেমশাবা

**হাপচীনবা–1** **60–61**

**য়ুম্ফম**

1

# মহৈ-মশিংগা মরী লৈনবা চে-চাংশিংদা লোল



- **মহৈ-মশিং য়েংশিল্লুপ রিপোর্ট -1964-66**
- **লৈঙাক্কী মহৈ-মশিং থৌশিল-1968**
- **লৈঙাক্কী মহৈ-মশিং থৌশিল-1986**
- **পাংথোক্লবগী পরীং পথাপ-1992**
- **লৈবাক্কী তম্নব হীরমগী থৌরাং -1988,2000.**
- **লৈবাক্কী তম্নব হীরমগী থৌরাং -2005**
- **লৈঙাক্কী মহৈ-মশিং থৌশিল-2020**

ঐখোয়গী চীন অনী পাল্লী। অনী অসী পুল্লী। অদুগা লৈগা পুল্লগা তান অমগা লোয়ননা পূনবা মতমদা লোল শেম্মি। অমনা লেঙলগা অমনা লেঙদ্রবদী ৱা ঙাংবা ঙমলোই/পাউ ফাওনবা ঙমলোই। (কবি অমগী ৱাখল্লোন) ইং শোক ১৯৭১ গী মতুং ইন্না ঐখোয়গী লৈবাক্তা চাওরাক্না পুন্না লোল ১৬৫২ লৈ মসিগী মনুঙদা শুপ্পগী লোল 47 থক মহৈ লোইশঙ শিংদা মহৈরোইশিংগী মহৈ তম্নবগী পাম্বৈ ওইবা ঙমলী। (হৌরকফম... ভারত কী লোলশিং তম্বা-2005) লেমহৌরিবা অতৈ অতোপ্পা শিংদী হৌজিকশু অদুমক লেঙদনা লৈরী।

ওইবা য়াবদি, হায়রিবা লোলশিং অসিদগী অয়াম্বা অমদি মুৎথিবা য়াওরমলগনী। অসুন্না তুমিন্না লৈখিবা অসি লোল খরা অমাদি লৌশিং পাম্বৈ ওইবা ঙমদবগি খুদমরা? নত্রগা মসি সমাজ কয়া অমা, চৎনবি সংস্কৃতি, লোল ময়াম অমা অমশুং অঙাং কোটি কয়া অমা মতম চুপগী ওইনা তুমিন্না লৈখিবগী খুদমরা? খনবা তাই।

ঐখোয়না খঙবা তাই মদুদি লোল অমা হায়বসি লোল অদুগা লোয়নবা লোল অমগা পুন্না চাওখৎমিনৈ। হৌজিক্কী ওইনা করিগুম্বা হিন্দী লোল হায়রুরবদি ঐখোয়না মসি খঙগদবনি মদুদি হিন্দী অসি লম-লমগী লোল ময়াম অমা পুল্লগা শেমলকপনী। লোয়নবা লোল কয়া-কয়াগা পুন্দুনা চাউখৎলকলিবা লোলগা তোৎনা তিননা লৈরকলবা অঙাংশিংবু মখোয়গী মশাগী ওইবা মরোলদা তাবিবা দরকার ওই। ঐখোয়গী লোল

কয়া অমা হৌজিকশু নৌহৌননা ইহৌ অমা হৌরক্কুনা (অঙাংশিংগী মহৈগী তম্বগী পাম্বৈ অমা ওইরকপা) মীয়ামগী য়াইফ থৌরাঙ ওইনা লোল অমাগুমনা মীয়ামগী মরক্তা ফীভম অমা ফঙবা ঙমলকপা ঙাইরী।

নীঙতম মতুংদগীদি মামাংগী মহৈ-মশিংগা মরী লৈনবা চে-চাং খুদিংমক ইমারোলবু মহৈ-মশিং তাকপীবগী পাম্বৈ অমা ওইনা (মরু ওইনা প্রায়মারী থাক্কী) শিজিন্নবা হৌনবগী ৱাফম ফাওবা য়াওরী অমশুং অঙাংশিংগী লৌশিং লৌতাককী তেংবাঙলিবা মশাগী লোল অসিনা, নীঙ তমনা মশাগী অনীংবা অপাম্বা ফোংদোকপগী মরু ওইবদু তাকলী । মখাদা মখল কয়া অমাগী চে-চাংশিংদা লোলগা মরী লৈনবা পাউতাক কয়া অমা পীরী ।

## মহৈ-মশিং য়েংশিল্লুপ রিপোর্ট -1964-66

ঙসি ঐখোয়না প্রাইমারী এজুকেশনগা য়ুম্ফম ওইবা ৱাহং ফল পুথোকপনী মদুদি- ইমারোল ফজনা তাকপী-তম্বীবা অমদি লাইরিক হৈতবা অমত্তা লৈহন্দবা, কল কারখানাশিং গী মিংয়েঙদা চাওখৎলবা লৈবাকশিংদসু , অহানবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্ন-হীরম (Curriculum) পুন্নমক শুপনগী লোল অমখক তম্বদা য়ুম্ফম ওইরক্মী । মহৈ-মশিংগী লমদা চাওখৎলকপা অমদি শেল-থুম মরাং কাইরকপগীদি মথোইনা মহৈ- তম্বদা অনিশুবা লোল তম্বা হৌরখি।

***

ঐখোয়না থাজে মদুদি ইংরাজীগুম্বা মীরৈবাক্কী লোল তমদ্রিঙৈগী মমাংদা ইমারোল ফজনা মমুৎ তানা খঙবা হৈবা দরকার ওই । মসিদা নত্তনা মহৈরোই লাখ কয়া মিং চন্নরিবা অহানবা থাক্কী মহৈ মশিনগী থাক্তা ইংরাজী কী মতীং লৈবা মতাক্কীদমক খঙ হৈবা ওজা ময়াম অমা অদুক্কী মতীক দরকার লৈগনী, অদুবু মদু ফঙবা ৱাগনী । করিগুম্বা ফঙবা থোক্লবসু মসিগী থৌশিল থবক অসিনা মহৈ-মশিংগীদমক লেপথোকপা চাদিং শেলদা অশুক্কী মতীক চৈথেং পীগনী । ঐনা খনবদা মসি য়াম্না চাওবা থবকনী অমসুং কান্নদবা মসিদা মাই ওনশিল্লবদা মহৈগী ফীভম /থাক ফগৎলকপগী মহুৎতা হেন্না হন্থরক্কনী । মরম অসিনা ঐখোয়না রিকমেন্ট তৌজনিংবদি মীরমগী লোল ইংরাজী ওইনা স্কুল অমা অনী খরদা চাংয়েঙ ওইনা তম্বগী মহুৎতা, ক্লাস ৫ ফাওবদি তমদবা ফৈ।

মহৈ-মশিং য়েংশিল্লুপ (কম্মীশন) রিপোর্ট 1964-44, লমাই-218-219

## লৈঙাক্কী মহৈ-মশিং থৌশিল-1968

ভারতকী লোল কয়া অমদি সাহিত্য পুন্না মতিক চানা চাওখৎপা অমদি

মহৈ-মশিং অমদি চৎনবী চাউখৎপা হায়বসি অমনা অমগী মখা য়াম্না পোল্লী। মসি য়াওদবা মীওইবগী হৈশিংবগী মতীঙ মপুং ফানা চাউখৎপা ঙমলোই,মহৈ-মশিংগী থাক ৱাংখৎহনবা ঙমলোই অমদি লাইরিক হৈবগা হৈতবগা অনীগী মরক্তা থোং মান্নদবা অসি লৈরগনী।লোল কয়া অমগী মহৈ-মশিংগী অহানবা থাক অমদি ময়াই ওইবা থাক্কী মহৈ তম্বদশু মসি চৎনহনবা দরকার লৈ।

**হিন্দী**:হিন্দীবু চাউখৎহনবগীদমক তৌবা য়াবা হোৎনবা য়াবা খুদিংমক হোৎনগদবনী। আর্টিকল 351 তা ৱাখল্লোন মখাদা পাউ ফাওনলোন অমদি ভারতকী সংস্কৃতী সমাজগী ৱাখল্লোন ফোঙদোকপা লোল অমা ওইনা চাউখৎহনবা দরকার ওই। হিন্দী ঙাংন শকনদবা লমশিংদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বদা হিন্দীবু পাম্বে ওইনা শিজিন্নরিবা মফমশিংদা হেন্না শাফু পীদুনা থৌগৎপীগদবনী। নোট- মসি ভারতকী লোল খুদিংমক্কীদমকতা ওইবা য়াই।

**ইন্টরনেসনল লোলশিং:** ইংলিশ অমদি অতোপ্পা ইন্টরনেসনল লোলশিং তম্বদা মরুওইবা মিৎয়েঙ চঙবা দরকার ওই। মরু ওইনা বিজ্ঞান অমশুং টেকনোলোজীগী লমদা মালেমগী লৌশিং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্কনী।হায়রিবা চাউখৎলকপশিদা অসিগা লোইন -লোয়ননা চৎমিন্নবদা নৎনা চাউখৎলকলিবা অসিদা মরু ওইবা থৌদাং য়াবা দরকার ওই।মসিগী পান্দম অসিগীদমক ইংরাজীকী জ্ঞান হেন্ননা চেৎশিনহনবা মথৌ তাই।

লৈঙাককী মহৈ-মশিংগী থৌশিল 1968 লমাই 3-4.

লোল অহুমগী অরীবগী ৱাফমশু 1968 কী থৌশিলদা য়াম্না কন্না ফোংদোকলী। হায়রিবা ৱাফম লৈবাক্কী তঙ্গ-পরীঙগী কয়াৎ 2005 দা অশুম্না থল্লী।

**লোল অহুম ফোর্মুলা**

- মহৈ লাইশঙশিংদা, অহানবা লোল তম্বীবা অসি ইমারোল নত্রগা লমদমদুগী লোল ওইহনবা.

- ## অনিশুবা লোল
  - হিন্দী ঙাঙবা মফমদা অনীশুবা লোল অতোপ্পা মোর্দন লোল অমা হেক্তা ওইহনবা
  - অদুগা হিন্দী ঙাংদবা রাজ্যদনা অনিশুবা লোল অসি হিন্দী নত্রগা ইংলিশ ওইহনবা।

## অহুম শুবা লোল–

- হিন্দী ঙাঙবা রাজ্যশিংদা ইংরাজীনা অহুমশুবা লোল নত্রগা অনিশুবা লোল ওইনা লৌদবা অতোপ্পা মোরদন লোল অমা।
- হিন্দী ঙাঙনদবা রাজ্যশিংদনা ইংরাজীনা অহুমশুবা লোল ওইহনবা নত্রগা ভারতকী অনিশুবা লোল ওইনা লৌদবা অনৌবা লোল অমা হেক্তা

ভারতকী লোলশিং নৈনবা– য়ুমফম ওইবা চে –লমাই 13

## লৈঙাক্কী মহৈ–মশিং থৌশিল–1986

1986 কী লৈঙাক্কী মহৈ–মশিংগী থৌশিননা 1968 কী মহৈ–মশিং থৌশিলগী য়ুম্ফম ওইবা ৰাফমদা লোল তম্বা হায়বা ৰাফমশিংগী মরমদা পল্লী। মসিগী থৌশিল অসিনা অৰাংবা থাক্কী মহৈ–মশিং তম্বদশু লম–লমগী ওইবা লোলবু শিজিন্নবা হায়বা অসিদা কন্না ইনোৎ পী।লোল অহুম তম্বা অসিবু য়াম্না কন্না চৎনহনবা মহৈ–মশিংগী থাক খুদিংমক্তা মহৈরোইশিংগী লোল চাউখৎহনবা অসিদা মাই ওনশিনবা ।ইংরাজী অমদি অতোপ্পা মীরমগী লোল তমননবগী খুদোংচাবা পীবা সংবিদানগী ঘারা 351 গী মতুং ইন্না পাউ ফাওনা লোল ওইনা হিন্দীবু চাউখৎহনবা লোল অমদগী লোল অমদা ৰাহন্থোক হনবা অমদি লোল অনি অমশুং লোনয়ামগী লোনগৈ শেমগৎ–শাগৎপদা হেন্না মাই ওনশিন্নবা দরকার ওই।

থবক ওইনা পাংথোকপা থৌওং 1992 লমাই –94

1986 কী মহৈ–মশিংগী থৌরমদা ভারতকী লোলশিং চাউখৎহন্নবা অসিগা মরী লৈননা মরু ওইবা পাউতাক কয়া পীরি।

1. ভারতকী অনৌবা লোলশিংদা তম্নবা লাইরিক/লাইরিকশিং শেমগৎ–শাগৎতুনা ফোঙবা।
2. বিশ্ববিদ্যালয়গী ওজাশিংবু ওরিয়েনটেশন পীবা .
3. তম্ন–লাইরিক অমদি মরী লৈনবা লাইরিকশিং ইংরাজীতগী ভারতকী লোলশিংদা ৰাহন্থোক হন্দোকপা। পাংথোকলিবা থবক থৌরমশিং চাং নাইনা য়েংশিনবা।

লৌশিংগী পাম্বৈগী মিৎয়েংগী মতুং ইন্না পাউতাকশিং অসিদশু মিৎয়েং তাবা য়াবা য়াওরী।

## পটনায়ক-1986(অ)

- স্কুলগী মহৈ-মশিং তম্বগী ময়াই ওইবা অমদি অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী পাম্বৈ,তপ্লা-তপ্লা লমদম অদুগী লোল নত্রগা রাজ্যগী থাক্কী লোল নত্রগা হিন্দী নত্রগা ইংরাজী ওইবা য়াগনি।
- ঐহাক্কী মতুং ইন্নদী অহানবা থাক্কী মহৈ-মশিং অসিদি লোল তম্বনী, মরম অদুনা ইমারোল নত্রগা লমদম অদুগী লোল তমদবা য়াদ্রবা হীরম অমা ওইনা তম্বীগদবনী।
- মীওইবনা ঙমখৈ লৈতনা লোল তম্বা ঙম্মী,মরু ওইনা চহী নৌরিবা অঙাংশিং। ইংরাজীশু অহানবা থাক্তা তম্বীবা য়াই তৌবদবু মদুগী খুদোংচাবা মতীক চানা লৈগদবনী। শুপ্নগী চহী থরা তল্লগা ইংরাজী তমলগা অপাম্বা ফল পুরকপা ঙমলোই। ময়ামনা থনবগা ওন্ন তৈনবদা, লোল অসি অমনা অমগা পুলগা চাউখৎমিনৈ।
- খঙনরবা ৱাফমনি মদুদি লোল অহুমগী ফোর্মুলা অসি য়ামদ্রবদা লোল অহুম ওইগনী।হায়রিবা ফোর্মুলা অসিগী খ্বাইদগী য়াল্লবা ঙমখৈ নত্তে। সংস্কৃতপু ভারতকী অনৌবা লোল অমা ওইনা তাকপীগদবনী মদুদা মওং মতৌ অদু ক্লাসিকেল সংস্কৃতগী তোঙানবা ওইহনগদবনী।
- ক্লাসিকেল অমদি মীরমগী লোল অসি মাগী-মাগী মওং-মতৌ মতুং ইন্না তমগদবনী। মসিনা ৱাহৌরোলগী অরুবগী মওং-মতৌদু থঙবা ঙম্বদা নত্তনা লাম্বা ফঙদ্রবা চৎনবী পারী-পুরীগী হৌন-লোনচৎ অমশুং মীওইশিংগা মরী নকশিন্নহনবদা মতেং পাঙই।

ভারতকী লোলশিং তম্বা য়ুম্ফম চে,লমাই-16

## পাংথোক্কবগী পরীং-পথাপ-1992

## ওইথোকপা য়াবা লোল অহুমগী ফোর্মুলাগী য়ুম্ফম

ওইথোকপা য়াবা লোল অহুমগী ফোর্মুলা শেমগৎনবগী মখাদা পীরীবা লমতাক ওইবা পরীং পথাপশিং অসিদগী মতেং ওইগনী।

1. বিশ্ববিদালয়গী থাক্তা মহৈ-মশিং তম্বগী পাম্বৈ মপুংয়াই ওইনা ইংগ্রাজী শিজিন্নবা অদুগা রাজ্যশিংদা লৈঙাকপগী লোল ওইদুনা লৈবা তারবদি অৱাংবা থাক অদুম ফংদুনা লৈগনী। বিশ্ৱবিদালয়শিংদা লমদমদুগী লোলনা মহৈ তম্বগী পাম্বৈ ওইরবা কান্দশু মহৈরোই খুদিংমক্কীদমক ইংগ্রাজী চৎনবা য়াবা লোলগী জ্ঞান অদুক্কী মতীক কান্নগনী অদুগা বিশ্ৱবিদালয়দা মীং চনবা ফংলবশিংগীশু মদুগী জ্ঞান অয়াম্বা লৈবশু দরকার ওইগনী।
2. স্কুলদা লোল অমা তম্বা মতমদা কয়াম থঙবা ঙমগনী হায়বসি

চহী কয়া লোল অদু তম্মী হায়বসিদা মথা পোন্দে। মহৈরোই অদুবু করম্না পুক্লিং থৌগৎনী হায়বসিদা মথা পোল্লী। লোল অদু করম্বা মওংদা তমলী,লোয়ননা লৈরিবা পান্দম কমদৌই হায়বসিদা মথা পোল্লী।মতীক চাবা পান্বে/খুদোংচাবা লৈতবদগী মতম শাংনা লোল তম্বা অসিনশু অপাম্বা ফল ফঙদে,অদুগা মতীক চাবা ফীভমদা মতম ইচঙ চঙদনা অফবা ফল ফঙবশু য়াই। অদুমকশু চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা অতোপ্পা লোল তম্বীবা হায়বা ৱাফম অসিদা মরম পীদুনা শৌগৎপশু য়াই, অদুবু ঐহাক্কী মততদি অহানবা থাক্কী স্কুলশিংদা মহৈরোই লাখ কয়া অমবু লোল তাকপী-তম্বীবনবগীদমক মতীক চাবা ওজা থমনবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না লুগনী।

3. হিন্দী নত্রগা ইংগ্রাজীবু অনিশুবা লোল অমগী ওইনা তঙাইফদনা তাবীবা অসি করমবা কান্দগী হৌবা য়াই অদুগা কয়াম কুইনা তম্বীগনী। হায়রিবা অসি মফম অদুগীনা কয়াম শৌগৎপীবা অমদি দরকার ওইবা অসিগী মথা পোল্লী। অদুগা মসি রাজ্য খুদিংমক্কী অপাম-পামদবা থাদোকপনা ফগনী।

4. করিগুম্বা ফীভম অমতদা তঙাইফদনা লোল মরী নত্রগা অদুদগী হেন্না তমনীংবা তারবদী মদগী খুদোং চাবা লৈগদবনী।

য়ুম্ফম, পাংথোক্লবগী পরীং-পথাপ-1992

## লৈবাক্কী তম্ন-হীরমগী থৌরাং -1988,2000.

1988 অমশুং 2000 গী লৈবাক্কী তম্ন-হীরমগী থৌরাংশিংদা অশুম্না পাউতাক পী মদুদি স্কুলশিংগী মহৈ-মশিং তম্বদা থাক খুদিংমকতা নত্রগা য়ামদ্রবদা অহানবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বদা মহৈ তম্বীবগী পান্বে অসি ইমারোল নত্রগা লম-লমগী লোল ওইহনগদবনী( এন,সি.এফ.এচ.ই.2000) অদুবু মসিদা ইমারোল নত্রগা লম-লমগী লোলগী মরক্তা লৈরিবা মরুওইবা ৱারু অসিবু নাথৈখী। হায়রিবা থৌরাং অসিদা অশুম্না হায়রী মদুদি করিগুম্বা লমদম অদুগা লোল অদু মহৈরোই অদুগী মমারোল নত্রবদি মহাক্কী অহানবা চহী অনী ফাওবদি মমারোলগী মতেংনা তম্বীবা য়াই। অহুমশুবা থাক অমশুং মদুগী মতুংদগীদি লমদমদুগী লোল অদু পান্বে ওইনা শীজিন্নবা য়াই( এন,সি.এফ.এচ.ই.2000)।

ভারতকী লোলশিং তম্বা –য়ুমফম চে,লমাই-15-16.

## লৈবাক্কী তম্ন-হীরমগী থৌরাং-2005

ঐখোয় মসি খঙই মদুদি লোল অনি নত্রগা লোলয়ামনা শোয়দনা ৱাখল মীৎ-না শিংবা হেনগৎহনগনি।( বুদ্ধী লৌশিং হেনগৎহনবদা

কান্নগনী)।লোল অহুমগী ফোর্মুলা অসিনা ভারতকী লোল ফীভমবু অচৌবা শীংনবা অদুগা খুদোংচাবা কয়া থেংননবা হোৎনবা অমনী। হায়রিবা অসি লোল ময়াম অমা তম্নবগী মাইকৈদা লম্বী লমতাকপা পোরম অমা ওইহনগদবনী।হায়রিবা অসি থবক অমা ওইনা অমদি পুক্লিং হকচাং অনীমক্না থৱাই য়াওনা লৌশিনবা দরকার ওই। মসিগী অহানবা পান্দমদি ভারত্তা লোলয়ামগী ৱাখল্লোন শৌগৎপা অদুগা লৈবাক্কী অমতা ওইবা ৱাখল্লোন শন্দোকপা অসিনী। মথাদা পীরিবা লমজীং-লমতাকশিং অসিনা হায়রিবা পান্দমশিং অসি ফংবদা মতেং ওইগনী—

- লোল তম্বা অসি লোলয়াম তম্বা ওইহনগনী। শুপ্নতংগী লোল ময়াম তম্বা হায়বনশিং নত্তবিদা লোলয়াম শিজিন্নবা ক্লাসিশংদগী মচাক ময়াম /কান্নবা কয়া ফংনবা অমদি শিজিন্নবা য়ানবা হায়বা পোরম অসিগীদমক।
- অঙাংশিংগী ময়ুমগী লোল(শিং)3.1 দা পন্থিৱবা অদুগুমনা, স্কুলদা মহৈ তম্নবগী পাম্বৈ ওইহনগনী।
- স্কুলশিংদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং অসি অঙাংগী য়ুমগী লোল(শিং) গী পাম্বৈনা তম্বীবদা খুদোং চাদ্রবদি অহানবা থাক্কী মহৈ-মশিং, অসিদী অঙাংগী য়ুমগী লোল(শিং) গী পাম্বৈনা তম্বীগনী । অঙাংগী য়ুমগী লোল(শিং)বুশু ইকাই খুম্নবা তঙাইফদে। ঐখোয়গী লৈঙাক পরীংগী আর্টিকল 350 গী মতুঙ ইন্না রাজ্য খুদিংমক অমদি রাজ্যগী মনুংদা লৈকাই খুদিংমকনা অপিকপা কাঙলুপ শিংগী অঙাংশিংবু অহানবা থাক্তা মমারোলদা মহৈ তম্বীনবগী খুদোংচাবা মরাঙ কায়না ফংহন্নবা হোৎনগনী।

— লৈবাক্কী তম্ন-হীরমগী থৌরাং-2005 লমাই-42.

মরম অসিনা লৈবাক্কী তম্নহীরমগী থৌরাং 2005 কী দমক শেম্বা ফোকস কাঙলুপনা ভারতকী লোলশিং তম্বা হায়বসিদা পাউতাক পীরী-স্কুলগী থাক্তা মরু ওইনা অহানবা থাক্কী মহৈ তম্বদা য়াথং/পাউতাকশিংগী লোল অসি মমারোল ওইহনগদবনী। 1986 তা এন. সী. আর. টী. না লোলগীদমক শেম্বা কমিতিনা পাউতাক অশুমনা পী মদুদি, অহানবা হৌরকপা মহৈ-মশিং তাকপীবগী পাম্বৈ অমা ওইনা মমারোল /ইমারোল অনি শিজিন্নগদবনী। ভারতকী ওইনা য়েংলবদা মসি য়াম্না দরকার ওই মরমদি–

- মসিনা লৈবাকশু নৌহৌননা শেমগৎ-শাগৎপদা থৌদাং য়াবা ঙম্বা অমা ওইহল্লী।
- শুপ্নগী থাক ৱাংবা কাঙবু থকতংগী ওইবা জ্ঞান অসি থাদোকহল্লী।

- মসিনা পুন্না তেংবাঙমিন্নবা অমদি অমনা অমগী মখা পোন্না সমাজ শেম্বদা মতেং ওইগনী।
- মসিনা মীওইবা অয়াম্বা কয়া অমা মশাগী মত ফোঙদোকনবগী তান্জা পী অদুনা মরম অসিনা গণতন্ত্রবু হেন্না চেকশিন্নবা য়ুমফম পীবদা মাই পাকপা অমা ওইগনী।
- মফম অমা থক্তদা ফবগী মহুৎতা ফম কয়াদগী ফঙবা য়াবগী লম্বী পাবা অদুগা লাকশিনহনা থম্বা মীডিয়াগী মহুৎতা নীংতম্বা মীডিয়া অমা চাউখৎহনবদা মরু ওইবা থৌদাং য়াগনী। লোইন-লোইননা মীওই য়াম্মীবা মখৈ মহৈ-মশিং তমনবগী তান্জা পীবা অমদি মশাগী ফীরেপ তানবা ঙম্বগী তান্জা পীবা ঙমগনী।

ভারতকী লোলশিং তম্বা –য়ুম্ফম চেলমাই –14–15)

## লৈঙাক্কী মহৈ-মশিং থৌশিল-2020

- নৌরিবা অঙাংশিংনা ইচম চমদবা নুংলোনশিং (কন্সেপ্টশিং) বু মখোয়গী য়ুমগী লোলদা/মমালোনদা হেন্না থুনা তম্মী অমসুং থঙবা ঙম্মী হায়বসি নীংখিনা থঙনরবা ৱানি। য়ুমগী লোল হায়বসি অনম্বনা, মমালোনগা অমত্তনি নত্রগা মফমদুগী মীয়াম কোল্লুপশিং অদুনা ঙাঙনবদুনি। অদুম ওইনমক, করিগুম্বদা লোল ময়াম ঙাঙনবা ঈমুংশিংদদি মমালোল নত্রগা মফমদুগী লোনদুগা মান্নদা ঈমুংদুগী অতোপ্পা মীশিংনা ঙাঙনবা লোনদুনা য়ুমগী লোল ওইবা য়াই। হেক য়াবা মফমদা, য়ামদ্রবদা থাক /গ্রেড 5 ফাওবদি, অদুবু হেন্না ফবদি থাক/গ্রেড ৪ ফাওবদি অমসুং মদুগী মথক ফাওবা তম্বীবগী মরকখন (মেডিয়ম ওফ ইন্সট্রক্সন) অদু য়ুমগী (লাল/মমালোন/ অদুৱাইগী (লোল/মফমদুগী(লাননা ওইগনি। অদুগী মতুংদদি, হেক য়াবা মফমদা, য়ুমগী লোল/অদুৱাইগী লোন দু লোল অমা ওইনা তম্বীবদু চত্থগনি। হায়রিবসি লৈবাকী অমসুং লন্নাইগী ওইবা স্কুল শিংনা ইনগনি।
- অঙাংশিংনা চহী 2 অমসুং ৪ গী মনুংদা লোলশিং য়াম্না থুনা লৌশিনবা ঙম্মী অমসুং লোল য়াম্না শীজিন্নবনা নৌরিবা মহৈরোয় শিংদা থঙবা ঙম্বগী চাউনা কান্নবা পী হায়বসি থিজিনবদগী ফংবনা শেংনা উৎপনা, অঙাংশিংদু য়াম্না নৌরিঙৈদা হৌগৎলকপা থাক (ফাউণ্ডেশনেল স্টেজ) তগী হৌরগা তোঙান –তোঙানবা লোলশিংগী মরক্তা (অদুবু মমালোনদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা) পুথোকপী। লোল পুন্নমকপু নুংঙাইনা অমসুং রারী-ৱাতায় কয়া শানদুনা পাউ

ফাওদোক্লবা য়াবগী মওংদা তন্বীগনি, অমসুং মসি য়াম্না নৌরিঙৈদনা পাদুনা অমসুং মথা তারকপগী নৌরিঙৈ চহীদদি মমালোনদা ইদুনা, অমসুং থাক/গ্রেড 3 অমসুং মথক্কীদি অতোপ্পা লোলশিংদা পাবা অমসুং ইবগী হৈশিংবদু শীজিন্নরগা তাক্কুনা তন্বীগনি।

- মহৈরোয়শিংবু নৈনচল(সবজেক্ট) অনীদা য়ুমগী লোনদা/মমালোনদা অমসুং ইংরাজীদা থনবা অমসুং ঙাঙবা ঙমহন্নবা, অৱাংবা তীঙগী লোল অনীগী তম্ন-লাইরিক শিং (টক্স বুক্স) অমসুং চুমলৌশিং (সাইন্স) অমসুং অঙ্ক তাকপা তন্বগী মচাক শিং(শম-শানবা হোৎনবা পূন্নমক পায়থৎকনি।
- ভারতকী লোল শিংবু তন্বীবা অমসুং হৈহনবা হায়বসিগা স্কুল অমসুং অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগা থাক খুদিংমক্তা পূনশিনগদবনি। লোল অমবু ঙাঙনদুনা অমসুং হিংহন্দুনা লৈহন্নবগীদমক লোলশিং অদুদা তম্ন-লাইরিক (টেক্স বুক) শিং, ৱর্কবুকশিং, ভিডিও শিং, লীলা-ড্রামাশিং, শৈরেংশিং, ৱারী-লীশাংশি (নোভেলশিং), চেফোঙ শিং (মেগাজিন) শিং অসিনচিংবগী অফবা মগুন লৈবা তম্নবা অমসুং নমথোক্লবা পোৎ শিংগী লেঙদনা (চহুরিবা ঈচেল অমা লৈগদবনি। খ্বাইদগী নৌবা ৱাথোক অয়াম্বা অমসুং নুংলোন (কন্সেপ্ট) শিং) অদু লোলশিং অদুদা মায়-পাক্না থন্ন-নৈন বা ঙম্নবা (লালশিং অদু মথেয়গী ৱাহৈ-পূকৈ (ভোকেব্যুলরি) অমসুং লোনগৈ (ডিক্সনরি) দা লেপ্পনা লোয়শঙগী (ওফিশিয়েল ) ওইবা মওংদা মতম-মতমগী ওইনা অনৌবা ৱাহৈ হাপচিনবা অমসুং পাক-শন্না খঙহনবা মথৌ তাই। অসিগুম্বা তম্ন-মচাকশিং, নমথোক্লবা মচাকশিং থম্বা ঙম্বা অমসুং মালেমগী লোল অতৈদগী মরু ওইবা মচাকশিংবু ৱাহন পীবা অমসুং ৱাহৈ-পূকৈদা লেপ্পনা অনৌ-অ নৌবা হাপচিনবা হায়বশিং অসি ইংরাজী, ফ্রেঞ্চ, জর্মন, হিব্রু, কোরিয়ন অমসুং জপানিজ গুম্বা মালে মগী লোল কয়ানা তৌরী । অদুম ওইনমক, ভারত্তি (লোলশিং অসিনু থম্মোয় (শংনা হিংহন্দুনা অমসুং ঙাঙহন্দুনা থম্বদা মতেং পাংনবগীদমক অসিগুম্বা তগ্নবা অমসুং নম্থোক্লবা মচাকশিং অমসুং (লোলগৈ (ডিক্সনরি) শিং অসি পুথোকপদা থোঙজেল য়াম্না তপথরি।
- ভারতকী লোল শিংবু য়োকথৎপা হায়বসি করিগুম্বদা মথোয়বু চাং নাইনা শীজিন্নরবদি অমসুং মথোয়বু তাকপী-তম্বীবগী অমসুং তম্বগী মথক্তা শীজিন্নরবদি ওইথোক্কনি। ভারতকী লোল খুদিংমক্তা মতীং পানবা, মশা থীংবা শৈরেংশিং, ৱারী-লীশাংশিং (নোভেলশিং) ৱাখলনা শাগৎলগা ইবা নওবা লাইরিকশিং (নন-ফিক্সন বুকশিং) তম্ন-লাইরিকশিং (টক্সবুকশিং), ঈ-পাওগী থবক (জর্নেলিজম)

অমসুং অতৈ থবক কয়া লৈহন্নবগীদমক পূক্কিং থৌগৎ-মনাশিং( ইন্সেন্টিভস), খুদম ওইনা, তোঙান-তোঙানবা মখলশিংদা ভারতকী লোলশিংদা ইবা থোইদোক্লা ফজরবা শৈরেং অমসুং ৱারেংশিংনা মনা পীবা, পীগনি। ভারতকী লোলশিং শীজিন্নবদা হৈশিংবা হায়বসি থবক ফংনবগী খুদোংচাবশিংগীদমক লৈরিবা মহৈগী থাক্কী (লেপ্পচলশিংগী (পরামিটরশিংগী)শরুক অমা ওইনা য়াওহল্লগনি।

লৈবাক্কী মহৈ-মশিংগী থৌশিল 2020, মহৈ-মশিংগী পোংবশঙ, ভারত লৈঙাক

চে-চাং ময়াম অসিগা অমদি থীজিন হুমজিনবাদা থোকলকপা পাউতাক ময়ামশিং অসি ওইদুনশু চাউরাক্লা চহী 75 মতুং ফাওবদা হায়রিবা অশুমনা ওইহনবা ঙমদ্রি।এন সী.আর.টী.না লোলগা মরী লৈননবা থীজিন হুমজিনবা ৱাফম অনি( লমাই 51-54 য়েংবিয়ু)দসু রাজ্য-রাজ্যগী লোল ময়াম অমা পাম্বে ওইনা শিজিন্নরী।অইবা ওইনা ইমারোলগা মরী লৈননা মপান-মথৈঅমদি অফবা কান্নবা কয়া অমা চে-চাং কয়া অমগী মরমদা থন্ন-নৈনজরবশু হৌজিকশু য়ুমদা ঙাংজবা ইমারোল অমদি মহৈ তম্বদা শিজিন্নবা লোল অমদি মহৈ তম্ফমদা শিজীন্নবা লোল অনিগী মরক্তা খেৎনবা শুম-শুম হেনগৎলক্লী। ৱাখল ফুংবঙনবগী অদুক্কী মতীক হেন্নগৎলে মদুদা অঙাংশিংগী ৱাখল লৌশিং অমদি মশানা মশাবু ফোঙদোকচবা অশুম-অশুম নমশীনথ্রে। মরম অসিনা লৈবাক্কী তম্ন-হিরমগী মপান মথৈ 2005 দা অঙাংশিংবু মথোয়গী মমারোলদা তাকপী-তম্বীবগী পাম্বে ওইনবা, মরমদি অঙাংশিংনা শুপনতংগী চীনফা ফাবদ নতনা মমুৎ তানা খঙবদা মতেং পাঙগনী হায়বা ৱাফমসি কন্না পল্লী। মহৈ তম্বা হায়বা অসি অঙাংশিংদা পোৎলুম অমা ওইহনদবিদা নুংঙাইনা পামনা তম্বা অমা ওইহনবা। অদুমকপু হায়রিবা পুন্নমক অসি চয়েৎনবা অমদি চরাঙনবা ময়াম অমা লৈরি।

হায়রিবা ৱাফমশিং অসি য়েংলগা এন.সী.আর.টী.গী লেংগোইজ দিপার্টমেন্তনা লৈবাক পুম্বগী খঙ-হৈরবা ওজা-গুরু ময়াম অমা পুন্না থন্ন-নৈনবা অমা হৌদোকই। হায়রিবা থন্ন-নৈনবা অসি পটনা,ৱারনসী,উদয়পুর অমশুং দিল্লীদা থন্ন-নৈনবা পরেং অদুদা অঙাংশিংগী মশাগী মরোলদা মহৈ তম্বীবগী পাম্বে ওইনবা অসিদা পুন্না য়ামিন্নখী। অদুবু খ্বাইদগী খুদোংচাদবা ৱারুদি থবক ওইনা পাংথোকপা অসিনী।থন্ন-নৈনবা অসিদা মরু ওইনা ঐথোয়না পাক-চাউনা শেম-শাবা অমা দরকার লৈগনী। লাইরিক লাইশুদা নত্তনা সমাজগী ওইবা অমদি লৈঙাক সাশনগী মীৎয়েংদা চেকশীন্না শেম-শাবা দরকার ওই। অমদি মহৈ তম্নবগী পাম্বে হেনগৎহন্নবগীদমক পাঙথোকপা য়াবা খোঙথাং লৌখৎপা মথৌ তাই।

2

# লোল অমদি লৌশিং

- **অঙাংশিংগী ৱাখল (লৌশিং ) অমদি লোল**
- **লৌশংগী য়ুম্ফম ওইরিবা লোল**
- **লোল অমদি সমাজবু মান্নবা য়েংবা**
- **অঙাংশিংগী মশাগী মশক তাকপগী ৱাফম**
- **ৱাহন্থোক লৈবা মহৈ মশিনগিদমক হোৎনবা**



লোল অমদি লৌশিং অনিসি য়াম্না নকনবা মরী লৈনৈ, অদুবু মহৈ-মশিংদা মসিগী তঙাইফদবসি অদুমক নাথৈরী। হৌথিবা চহীশিংদা মহৈ-মশিলগা মরী লৈননা শেমথিবা কাঙলোনশিংদা অহানবা ওইনা খঙবা হায়বা অসিদা অকনবা মীৎয়েং চঙলকপগী ৱাফম থমলী। মসিগী মমাঙদা, লৌশিং হায়বসি করিনো? হায়বসিগী ৱাফম ফাওবা শাগৎপা ঙমখিদে।

লৌশিং পীবা অমদি লৌশিনবা অসি চৎনদুনা লৈরম্মী। হৌজিকশু কয়া অমা চৎনরী। ইহান হানবদা অঙাংশিংগী লোল করিনো? মিসিগী ৱাফম অসি ঐখোয় চেকশিন্না খঙবা তঙাইফদবা লৈ।

## অঙাংশিংগী লৌশিং অমদি লোল

- স্কুল কাবা হৌদ্রিঙৈদা অঙাংশিংনা লোলগী মতেংনা তাইবং-মালংগী মরমদা খঙলম্মী।
- অঙাংশিংনা লোল থওইনা তমলমদে, হায়বদি মখোয়গী মকোক্তা লৈরম্মী।
- অঙাংশিং খঙননবগী পাঙ্গল লৈজে অমদি মশা মথন্তা খঙজনবা শেমজে।
- মখোয়গী অকোয়বদা লোল কয়া অমা লৈবা হায়বসি অৱাবা নত্তে, অফবা অমনি। লোল ময়াম অমনা মহৈ-মশিংদা মান্নবা পুরকপদা অচৌবা মতেং পাঙই।
- তম্ন-হীরম ( পাঠ্যচর্য়া ) অমসুং লোল অনিমক ঐখোয়গী পুন্সিগা নক্নবা ওইরগদি হীরম অদু হেন্না পাক চাওই।

- চহী তরুক শুরবা নুপীমচা অমগী লোলশু য়াম্না লুবা য়াই। অঙাং অদুগী মশাগী ওইবা লোলগী ৱাহৌলোল( ব্যাকরণ লৈ মদুগী মতেংনা মহাক্কী অনিংবা অপাম্বা পুন্নমক ফোঙদোকপা ঙম্মী। করিগুম্বা মহাকপু নমদুনা অনিশুবা লোলগী মতেংনা খঙহন্ননবা হোৎনবা তারবদি মহাক্কী লৌশিং অদু মপুং ফারোই।

চোম্সকী( 1959 )গী "রিভ্যু ওফ স্কিনর্স ৱর্বল বিহেব্যর" দা প্রেগমেটিজমগী য়ুমফম পুন্নক থুগাইথী।চোম্সকীনা মরম পিবগা লোয়ননা হায় মদুদি ঙাংবা হায়বসিগী মঙমসি পোকপদা য়াওরকপনী, হায়বদি লোল ঙাংবা শকপা হায়বসি তম্বা ওইথোকলোই। অদুবু পিয়াজে( 1962-1983 অতোপ্পা কয়াদগী )ইনহেল্ডর অমশুং পিয়াজে( 1958 )অমদি ৱেয়াত্‌সকী ( 1978,1986 )কুম্বা ৱাঙুলোনদা খঙ হৈরবা মীওইশিংনা হায়রিবা হোন্‌জিন্না খনবা মীৎয়েং অনিমক অসিদগী ময়াই ওইবা লম্বী অমা শৌগৎলী। নাকল অমরোমদনা বিহেব্য়রিস্টশিংগীদমক মীওইবগী কোক অসি অহাংবা সিলেপ অমনি অদুগা নাকল অমরোমদনা তমলগা নৈনরগা খনবা মীৎয়েং থম্বা মীওইশিং (চোম্সকীনচিংবা)গী মতুং ইন্না লোল অসি মীওইবগী পুন্নমক্কা য়ানরবা ৱাহৌলোন ওইনা কোক্তা হান্নদগী য়াওজরগা লৈবা অমনি।পিয়াজোগী মতুংইন্না লোল হায়বসি তমলগা নৈনরগা খনবা মওংদৌনা অকোয়বদা লৈরিবশিংগা ইন্ন-কাউনরগা শেমগৎ শাগৎলকই।

ভারতকী লোলশিং তম্বা-য়ুম্ফম চে, লমাই-৮

## লৌশিংগী পাম্বে অমা ওইনা লোল

লোল অমশুং খঙবা হায়বা অনি অসি নুংশিৎকা ইথক্কা লৈনরিবা মরী অদুনী। ঐখোয় ইশাগী লোলদা খঙবা য়াম্না হেল্লী। লোল য়াওদনা খঙবা ঙম্বা হায়বসি ওইথোক্তবনী। অদুবু মহে লোইশঙ শিংদা লোল অসিবু খুৎলাই (টূল্স)অমা ওইনা শিজিন্নরী।ঐখোয়না মসিগী লমদা থোইদোক হেন্দোক্না মাই ওনশিন্বা তঙাইফদে অমশুং মীওইবগী খঙ-হৈবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বেসি লোল অসিনী হায়বসি খঙহন্বা অসিসু তঙাইফদে। ঐখোয় হৌজিক-হৌজিক করী তৌরী? মসিগী মরমদশু লোল অসিনা চেকশিলহল্লী। মসিনা হৌথিবা,হৌজিক-হৌজিক অমদি তুংদা হায়রিবশিং অসিগী মরক্তা অমত্তা ঙাইরবা লংলা লংজিল ওইবগী পাম্বে অমা ওইরী। মমাংদা করী ওইখ্রে? মসিগী মতুংইন্না ঐখোয় তুংদা করী তৌবা য়াই? হায়বদু ৱাখলনা শাগৎপা ঙম্মী। ঐ ইশাগী ওইনা জ্ঞান তানা ৱারেপ লৌবগী থবক লোল অসিনা তৌই। ঐখোয় মীওইবগী ফীরেপ ফীভম পুন্নমক লৈরিবা অকোয়বা অসিদা লোয়না লেপ্পী। হায়রিবশিং অসি লৌশিং হায়বা অসিগী পাম্বেনা ওইথোকহল্লী। মীওইবগী অসিগুম্বা

ৱাখল-লৌশিং অসি লোলগী মতেংনা ওইথোকহল্লী। লোলগী মতেংনা ৱাহন্থোক থোকপা ৱাখল্লোন শাগৎহল্লী, মরী কয়া অমা শেমগৎলী, ঐখোয়না খঙলকপা উরকপা পুম্নমক মগুন লৈহল্লী, ইশাগী পান্দম উবা ফঙই অমদি অতোপ্পগী পান্দম খঙবা ঙমহল্লী। মরম অসিনা মীওইবা অমবু শেম্বা হায়বা অসিদা চঙদ্রবা য়াদবা অমা ওইনা লোলগী মতেংনা অসিনা অদুম ওই।

অঙাংশিংগী মশাগী মরোলগী মওং মতৌ মখোয়গী ৱাখলদা হান্নদগী লৈজে।ৱাখল্লোনশিংগী মওং-মতৌ হায়রিবা লোল অসিদগী ওইরকই। করিগুম্বা অনৌবা পোৎ অমা উবা মতমদা পোৎ অদু মহাক্কা হান্নদগী খঙলকপা উরকপা অদুগা মরী লৈননা য়েঙই অমদি অতোপ্পা থোইদোক হেন্দোকপদু নৈনদুনা পোৎ অদুগী মরমদা ৱাখল অমা লেপ্পী। মীওইবনা মশানা মপান থোক্তুনা য়েংবা ঙম্মী অমদি মীৎমাঙদা লৈতবা অদুগী মরমদশু ৱারী শাবা ঙম্মী। হায়রিবশিং অসি লোলগী মতেংনা ঙমহল্লী। অদুনা অঙাংগী পুক্নিংদা হান্নদগী লৈবা অদুগা অনৌবা ৱাখল্লোলশিংবু তোঙান-তোঙানবা ফীভমদা শিজিন্নবগী তান্জা পীবা তাই।

নুপী মচা অমনা অপাইবা ৱাহোং অমা উবা মতমদা 'ক্বাক' নী অদুগা মখাদা চৎপা ৱাহোং অমবুনা 'ভৌ-ভৌ' হায়না হায়রকই। মতাং অসিদা চহী অমা মখাইদা ঙাইরিবী নুপী মচা অদুগী ৱাখল্লোল শেমগৎ শাগৎলকলী মদুদি মহাক্কীদমক অপাইবা জীবশিংনা উচেকনী অদুগা মখাদা চৎপা জিবনা শাগী শীংদা চল্লী।থা তরুক্কী মতুংদা ফকলাংদা চৎলীবা চূম অদুবু পল্লী হায়না কৌই অদুবু মমানা চুম অদুবু ক্বাক হায়না হায়রকপা মতমদা মহাক পুঙক ঙকখী।হৌজিক খেৎনবা অদু ময়েক শেংলে। মসি মহাক্কী তম্বগী খঙবগী শেম্বগী মওংনী। করিগুম্বা অমা উবা মতমদা অঙাংশিংনা মশি করিনো হাইদনা হংই ।মখোয়না শিদা হঙলিবসি ৱাহৈদু নত্তে ৱাখল্লোলশিং অদুবুনী ।অঙাংশিংনা ঙাংবা হৌরকপা লোল অদুদগী মখোয়না খঙবা হৌরকই । ৱাহন্থোক পুথোকই । মদুগী ৱাহন্থোক অদু কয়া মতিক মরু ওই হায়বদুনী ঐখোয়না খঙগদবসী।

–শরুক য়ারিবা অমা

## লোল অমদি মান্নবা সমাজ

খুন্নাইগী পুন্সি, লোল অমশুং মীওইবা অসিগী মরক্তা অমগা-অমগা অচেৎপা মরী লৈনৈ অমদি শেমগৎ-শাগৎপদা মসিগী য়াম্না চাউরবা থৌদাং লৈ। অঙাংশিংনা মানা-মানা খঙজবা হৈজবশিং অদু লোলগী মতেংনা পুনশিল্লগা মদুগী ৱাহন্থোক অমা পী। হায়রিবা থৌওং অসি

লোল অমগী মতেংনা তৌই অদুগা হায়রিবা লোল অসি অঙাং অদুগী য়ুমদা ঙাংনবা লোল/মমালোল অদুম ওইগনী। হায়বদি অহানবা ওইনা হোৎনবা ইমারোলদগী হৌই। মরমদি থমোইগী অমদি নুংগী ৱাখল্লোন অসি ইমারোলদা থক্তমক থনবা ঙম্মী ।

অঙাংশিংনা অহানবা স্কুল কারকপা মতমদা মখোয়বু মশাগী লোলদা ঙাংলোইদবনী অমদি ওজানা লেপ্পা লোল অদুখক্তদা ঙাংগদবনী হায়না তাকপী। লোল অদু মখোয়না ঙাংদবা খঙদ্রিবা লোল অমনি। মসিগী ফল য়াম্না শাথিবা অমা ওইগনী। ঐখোয়না খঙগদবদি অঙাংশিংনা মখোয়গী মমালোলদা থক্তমক ৱাখল শাগৎলী অমদি মখোয়না খঙ হৈবদু লোল অদুগী মতেংনা ফোংদোকই। মসিবু ঐখোয়না মহৈ-মশিং তম্বদা নাথৈবা তারবদি ঐখোয়না নাথৈরিবসি অঙাংদু থক্তা নত্তনা মান্নবা সমাজ, সমাজগী ৱায়েল, অমশুং নীং তম্ববু নাথৈবনী। হায়রিবা মওংসি চৎনলোনচৎ তুম্মিনা লৈথিবগী মওংগা লোয়না-লোয়ননা তমথিবা সমাজ অমা ওইরক্কনী। মরমদি ৱাহৈ লৈরকত্রবদি খুৎলাই পাইরক্কনী । তমথিদবা সমাজ অমা ওইরকনবা অঙাংশিংবু মশাগী মমালোরদা ৱাখল থনবা, বিচার তৌবা অমদি লাইরিক লাইশু তম্বগী খুদোংচাবা পীবা তাই । খঙজিনবা য়াই মদুদি গান্ধিজী না চহী 100 রোমগী মমাং (ইংশক 1909 দা) ‘হিন্দ স্বরাজ’ ইংরাজী ইদনা মশাগী মমালোল গুজরাতী লোলদা ইখী।

ঐখোয়গী মহৈ-মশিংগী কাঙলোন অসি কনাগুম্বা খরগী লোলবুনা চৎনহল্লগা কনাগুম্বা খরাগী লোলবুনা নাথৈদুনা থম্মী। হায়রিবা নাথৈরিবা অসি মহৈ তম্বগী অমদি জ্ঞান তানবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈবু নাথৈবনী। ঐখোয়না খঙ্গদবদি মাইয়োক্তা অনৌবা মেচীন পুথোকপা, অনৌবা থিজিন হুমজিনবা, ঐখোয়গী সমাজগী মরমদা অনৌবা মীৎয়ং অমগা লোয়ননা থনবা হায়বসি ঐখোয় ইশাগী লোল থক্তদা থল্লবা কান্দা ওইগনী। অদুনা হায়রিবা অসি ওইবা য়াবসি স্কুলশিংদা অপাম্বা লোল শিজিন্নরবা কান্দদা ওইগনী।

## অঙাংশিংগী মশাগী মশক তাকপগী ৱাফম

মাগী-মাগী লোলগী থৌশিল-থৌরাং লৈজবা স্কুল অনীগী মরমদা কল্পনা তৌদুনা য়েংশি:স্কুল অমদা অঙাং অমা য়েলহৌমীগী লোল ঙাঙবা ওইরো নত্রগা মাগী ময়ূমদা ঙাঙজবা লোল ওইরো- মহাকপু হরাউ তরামনা ওকপিবা। মহাক্না মহাক্কী মশাগী লোলদা ঙাঙনীংবা মওংদা ঙাংজবা, মহাকপু লাল্লে হায়বিদবা অদুগা লৱাই মচানীশু হাইবিদবা। মশাগী লোলদা মপা-মপূশিং, মথক থোংবা শিংদা নঙ-মা হায়দুনা কৌবা,

অদুদি লায়রদনা ওজাদা ফাওবা নঙ-মা হায়দুনা কৌর ফাওবদা মহাকপু ইকাইবা পিবিদবা, মহাকপু লৱায় মাচানী হায়দুনা তাথী তাওইনা তৌবিদবা। অঙাং অদুবু তপ্না-তপ্না পাক চাউবা সমাজগী মাইকৈরোমদা ৱাখল লৌশিংগী লমদা লামদমদুগী লোল তপ্না-তপ্না তম্বিবা, হায়রিবা থবক অসি অঙাং অদুগী মশাগী ইকাই খুম্নবা অমদি মশানা মশাদা থাজজবগী ৱাখলোল অদুবু শোকহন্দনা তপ্না-তপ্না পাংথোকই । হায়রিবা স্কুল অসিদা অঙাংশিংনা মখোয়গী হান্ননা খঙজবা হৈজবা অদুবু ইকাই খুমনবী।

মফম অসিদা অঙাংশিংনা মশাগী মামারোলদগী লমদম অদুগী লোল রোমদা ইরাই লাইনা চীঙশিল্লকই। অতোপ্পা স্কুল অদুদনা অঙাং অদুনা স্কুল হেক চঙবগা মহাক্কী মহৈ-মশিং অদু মশাগী লোল নত্তবা অতোপ্পা লোলদা হৌবা অদুগুম্বা স্কুল অমনী। মফম অদুদা মশাগী লোল হেক ঙাঙবগা লৱাই মচানী হায়দুনা হায়বী। হায়রিবা স্কুল অদুনা অঙাং অদুগী মরোল অদুবু ইকাই খুমনবিদে। স্কুল অনিসি পুন্না নৈনদুনা য়েঙবা মতমদা অহানবা স্কুলদগী থোরকপা অঙাংশিং অদুনা অদুমক মশানা মশাবু মশাগী হৌরকফমগা লোয়নদুনা লাকপা অঙাংশিংগী থমোইদা লোলবু লাপথোকহন্নীংবদা নত্তনা হন্দনা খনবা ৱাখল লৈতে। অঙাং অসি লমদম অদুগী লোল অমদি ইংরাজী মতীক চানা খঙ-হৈগনী। অদুগা অতোপ্পা স্কুলদগী থোক্লকপা অঙাংশিংনা মখোয়গী লোলশিং অদু থওইবিদবদগী মখোয়-মখোয়গী মশানা মশাবু থাজবা ৱাংপা, অতোপ্পা লোলগী থল্লিঙৈদা মতীক চানা ফোংদোকপা হায়বসিদগী নাথৈদুনা খোন্থোক অমদি ৱাহৌলোলদা (grammar) পুক্নিং চঙগনী। মতুং তারকপদা মহাক্না ৱাখলোলদা পুক্নিং চঙবগী মহৎতা লোল চুন্না ঙাংনবা হোৎনবদা পুক্নিং চঙলী।

> দুমকা হায়রিবা মফম অদুদা ইবা পাবা হৈহন্নবা থোংজঙগী মরী লৈননা তম্নবা লাইরিকশিং (অহলশিংগীদমক) শেম শারম্মী। লাইরিকশিং অদুবুদি য়াম্না ফৈ অদুবু মদুদগী করিগুম্বা অমত্ত ভাপ তাবা ঙমদে। অদুদগী লৈকাইগী মীওইশিংগী মতেঙনা অনৌবা তম্নবা মচাকশিং শেমগৎথী অমদি মদু অদুক্কী মতীক য়াম্না পান্নবা অমা ওইথী। হায়রিবা লাইরিকশিং অসি সন্থালী লোনদা ইখিবনী। মীওই খরনদি হায় মদুদি, হৌরকপগীদী মসি ফগনী অদুবু মতুং তাবদা থবক ইংখাঙগী লোলশু য়াওহনবা দরকার ওইগনী।
>
> অশুম্না থেঙনরকপা ৱাফম অসিদগী মহৈকোলশিংদা মহৈ-মশিংগী মতাংদশু শীজিন্নবা ফৈ হায়বদি খঙ-হৈনবা মশাগী লোনদা অদুগা তপ্না-তপ্না হেন্না চঙবা লোল নত্রগা পাউ ফাউননবা লোল শীজিন্নবা
>
> শরুক য়ারিবা অমা

অঙাংশিংনা মখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা অমদি তাইবঙপান পুম্নমক খঙই অদুগা মহৈকোলদা মশাগী মপুঙ ফাবা শক্তম পুদুনা লাকই।করিগুম্বা স্কুলদা মহাক্কী য়ুমগী লোল অদু নাথৈবিবা তারবদি অঙাং অদুনা ঙসি ফাওবদা শেমজরক্লিবা মশাগী শক্তম অদুবুশু নাথৈবিবগুম্বনী।অঙাং অমনা করিগুম্বা লোল অমগী মতেংনা মশাগী শক্তম অমা শাগৎচবা মদুগী মতেংনা তইবংপান অসিগী মরমদা খঙজরিবা হৈজরিবা অদুবু নাথৈবিবা হায়বসি মহাক্কী মমারোল অদুবু নাথৈবত্তা নত্তনা মহাক্কী লৌশিংগী পান্থে অমা ওইরিবা য়ুম্ফম অদুবু নাথৈবিবগুম্বনী ।মরম অসিনা ঐখোয়না অঙাংশিংগী লোলশিং অসি শীজিন্নহনবা য়াহন্বা তঙাই ফদে। মহাক্কী লোল অদুগী ঙমখৈসু লৈরমগনী অদুবু মদু পুম্নমক্কা লোয়ননা অয়াবা পীবা তঙাই ফদে। হৌরকপদা মখোয়বু মশাগী লোলদা লাইরিক তম্বগী(লৌশিং) তান্নজা পীবিগদবনী। তপ্প-তপ্প মহাক্লা রাজ্যগী অদুগা পাক চাউবা লৌশিংগী লোলগা লোয়না শমনহনগনী। হায়রিবা অসুম্না হোৎনরিবা অসিদা লমদম অদুগী লোলশিংদা মহাক্কী মশাগী লোলগী ইথিল পীবগী অয়াবা পীবিগদবনী। অসুম্না হোৎনরিবা অসি অনৌবা পোৎ কয়া অমা ৱাহন্থোক লৈনা খঙনবা হোৎনবদা মতেং পাঙগনী অদুগা ইবা-পাবা তম্বা মথন্তা মরোমদোম লেপচবা অদুগা মশানা মশাদা থাজবা পুরক্কনী। অঙাংনা ঙাংবা হৌরকপা লোলদা ভাপ তাবা ঙম্মী অদুগা মদুদগী মখোয়না ৱাহন্থোক কয়াসু লৌশিল্লী। অদুগুম্বা ৱাহন্থোকশিং অদু অঙাংশিংগীদমক কদায় ফাউবা মরু ওইবগে হায়বদু ঐখোয়না খঙবা তাই। মসিগীদমক ঐখোয়না ক্লাসতা অনৌবা অমা শেম-শাবা তঙাই ফদে।

কয়াদা লাইবক থীবনো ঐখোয়না ‘স্বরাজ’ গী ৱাফম ফাওবদা মীরমগী লোলদা ফোংদোক্লী ? অংগ্রেজশিংনা থাদোক্লমলবা মহৈ-মশিংগী মওং অসিবু ঐখোয়না ফৈ হায়দুনা থমলী, মসি খঙজীনগদবা হৈবা ৱাৎপদগী অদুমক থাগোন্নদুনা থমলী মদুদা মশা-মশাগী লোল অদু চাউখৎনবা হোৎনরী। ৱেল্স ইংলেন্ডগী অপীকপা জগা অমনী, মখোয়গী লোল অসি লৈতবগুম্না অশুক্কী মতীক পীকই। অসিগুম্বা লোল অসি য়োখৎনবা হীংহন্নবা হোৎনরী। ৱেল্সকী অঙাংশিংনা ৱেল্সকী লোল শীজিন্নবা হায়বসি কন্না হোৎনরী। মসিদা ইংলেন্ডগী শেলথুম পানরীবা লোইড জোর্জ থৱাই য়াম্না য়াওই। অদুগা ঐখোয়গীনা করম তৌরী? ঐখোয় মশেল
চিঠী ইনৈ অদুদা ফাওবা অরানবা ইংরাজী শীজিন্নদুনা ই। ঐখোয়গী খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্কী ৱাখলোল ফোংদোক্লবগী পান্থে অসি ইংরাজীনা ওই.... অসি তৌদনা মতম শাঙনা লৈরবা, অদু ওইরবদি ঐনা থনবদা লাক্কদৌরিবা মীরোলশিংনা ঐখোয়বু য়ানীংলোই অমদি মদুগী শাপ ঐখোয়গী থমোইদা পানগনী....

ঐনা থনবদা ঐখোয় লোল খুদিংমকপু চাউখৎহনবা অমদি মপুং ফাহনবা হোৎনগদবনী। ঐখোয় ইশাগী লোলদা মহৈ-মশিং তমগদবনী মসিগী ৱাহন্থোক করিনো হায়বসি শন্দোক্লা তাকপা য়াবা মফম নৎতে। ইংরাজীদা ইবা কান্নবা লাইরিকশিং ঐখোয়না ইশাগী লোন্দা ৱাহন্থোক হন্দোকপা তাই।
হিন্দ শ্বরাজ তগী

- মতম,লোল অমশুং লৌশিং হোংবা নাই অদুগা অহোংবা অসিগী থৌওং অসি য়েংলে হায়রবা মক্তদদা ৱাহন্থোক পুথোক্লবগী তান্জা পীবা তাই।
- অঙাং হায়বসিদি তাইবঙপান পুম্বগী লোল তাবা ঙম্বগী মঙম মশাদা য়াওজরগা পোক্লকলবনী। মখোয়গী অসিগুম্বা মঙম অসি ক্লাসতা ইকাই খুমনবিবা তাই।
- অঙাংগী ৱাখলোন,মহাক্কী পুক্নিংগী ইথিল অমদি মদু য়েংবগী লোল অদু ক্লাসতা থম্বা য়াবগী অয়াবা পীগদবনী।
- ঐখোয়না মখোয়দা খোন্থোকশিংগা চাংয়েঙ তৌনবগী তান্জা পীবীবা তাই।
- ওজাশিংনা ৱাহন্থোক পীদনা ৱাখলোন অদু খঙবা/ফঙবা ঙম্নবগী থৌওং শেম্বা তাই।
- তম্নবা মচাক কী ঙমখৈশিং অদুবু পাকথোক চাউথোকহনবা তাই।
- ৱাহন্থোক হনবগী খুলাই অসিবু অনৌবা ৱাখল থোকপা অমা ওইহন্নবা শেম্বা তাই।
- তুং মাঙ য়েংদনা লোন তম্বীনবা হোৎনবা থাদোকপা তাই। হায়বদি ক খ গ ঘ নত্রগা a b c d অসিনা লোলনী হায়বগী অরানবা ৱাখল্লোন অসি লাপনা থম্বা দরকার ওই।
- লোল হায়বসি অঙাংগী মশাগী শক্তম,চৎনলোনচৎ অমদি চাউখৎপা হায়বা অসিগা মরী লৈনৈ।
- লোল অসিনা মহাক্কী খুমাঙ চাউশিন্নবগী পাম্বৈনী।
- অঙাংনা অনৌবা পোৎ অমা উবা মতমদা পোৎ অদুগা লোলগা পুনশিন্দুনা য়েংই।
- লোল হায়বসিনা খঙলকপা হৈরকপশিং অদু তাকনবা অমদি মশা থায়না নৈন্নবগী য়ুমফম অমনী।
- ঙাংবা শকপা ঙমদবা অঙাং অদুগীশু লোল অমা লৈজৈ।

- ওজানশু তৌগদবসি হিন্দীদা লমদম অদুগী লোল তিনশিল্লকইবা অদু অপনবা পীদনা লাকহনবা তাই। খোন্থোক ওইগেরা, ৱাহৈ পরেংগী মশক মওং ওইগেরা নত্রগা পাউরৌ ওইগেরা। মসিনা মরম ওইদুনা হিন্দী অমদি লমদম অদুগী কাঙলুপ অনীমকশু মপাঙল হেনগৎহনগনী।

## কান্নবা মহৈ-মশিংগীদমক হোৎনবা

ঐখোয়গী মহৈ-মশিংগী মওং অসিনা অঙাংশিংগী মথক্তা অতোপ্পা লোন নত্রগা লমদম অদুগী লোন তম্নবগী পোৎলুম থাঙগৎপীদুনা 'তুমিন লৈশীনবগী চৎনবী' অসি চৎনহল্লে।অঙাংশিংগী লৌশিংগী লম্বী পুন্নমক থীংন্নবা হোৎনরী। পপুআ গিনী-ইথৎ কয়া অপুনবগী অপীকপা লৈবাক অমনী ।লৈবাক অসিনা লোলগী থৌশিলগী মতেংনা খুদম পীদুনা উৎলী মদুদি অহানবা থাক্কী মহৈ অসি চাম্প্রীদগী হেনবা লোলদা তাকপী তম্বীবা য়াই। লৈবাক অসিনা লোলগী লৌশিং পুরীবা গাড়ী অমগুন্না ওইন্নবা হোৎনৈ। অঙাংশিংবু মশাগী লোল শীজিন্নদুনা ইংরাজী নত্রগা অতোপ্পা লোলগা লোয়ননা শমজিন্নবা হোৎনরী।ঐখোয়সু অসিগুম্বা মাইকৈদা হোৎনবা তাই। ঐখোয়সু অহানবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী মতাংদা, জাপান,কোরিয়া,কি্যুবা,ফিনলেন্দ অমসুং কনাদা গুম্বা লৈবাকশিংগী লোলগা মরী লৈনবা থৌসিল-থৌরাংগী মতৌ তম্বা তাই।কনাদানা কনাগুম্বা অঙাং অমতা মশাগী লোলনা মরম ওইরগা শোৎথহৌদনবা হায়দুনা অহেনবা মীৎয়েং পী।শোমদনা মহৈ-মশিংগী অধিকারগী চৎন পথাপ অসিদা ইমারোলদা মহৈ-মশিং তম্বীবা হায়বসিদা অহেনবা মীৎয়েং থমসী।অঙাংশিংগী থোইদোক হোন্দোকপা মহৈ-মশিংগীদমক দরকার মদুদি মহৈ-মশিং অদু কান্নবা অমা ওইগদবনী।ঐখোয়না মসিসু হোৎনগনী মদুদি মহা-মশিন অসিনা অঙাংশিংবু মখোয়গী তৌবা ঙম্বা মঙমদা থাজবা পোকহনগদবনী।অসিগুম্বা মহৈ-মশিং অসি অহানবা লোল থক্তদা তাকপী তম্বীবা য়াগনী। লোলগী কাংলোনলোয়শিংনা/অখঙ অহৈশিংনা হায় মদুদি অহানবা লোল অসি মরাং কায়রিবা মথৈ অতোপ্পালোল তম্বদা অদুক্কী মতীক লায়গনী।

3

# লোলয়াম

- **লোলয়ামগী পান্দম**
- **অঙাংশিংগী লোলগী মঙম**
- **মালেমগী ৱাখল্লোল**
- **লোলয়াম অমশুং অপীকপা কাঙলুপ অমদি য়েলহৌমীগী লোলশিং**
- **লোল ময়াম অমদি থা ভারতকী লোলশিং**
- **লোলয়াম অমদি ইংৱাজী ক্লাস**
- **লোলয়াম শীজিন্নবা ক্লাস**
- **লোলয়ামগী শীজিনবশিং।**



নোংমা খুঙ্গং অমদা য়াম্না চরাঙনরম্মী। অফাওবা জ্যোতিষ অমা লাকলম্মী। নুমিৎ থা-থৱানমিচাক্কী মরমদা য়াম খঙ-হৈবা মী অমা ওইরমই। নুমিৎ নীনি অথিতি সতকার ফঙদুনা নোংথক য়েঙদুনা লৈরম্মী। অহুমশুবা নুমিৎতা মহাক থীবা খঙখিদে। মীয়ামনা থীবা হৌরম্মী। কদায়দা লৈরম্মী হায়রবদা গুহা অমদা চবুঙ চবাঙ লাউনা তৌ লৈরম্মে। মীয়াম্না হায়নরক্লে, লৈবাক্তা ফজনা চৎপা ফাউবা হৈতবা মানা নোংথক্কী মরমদা করি খঙনি।

অঙাংগী মহৈ তম্বা হায়বসি ৱারী অসিগা য়াম্না মরী লৈনৈ। ঐখোয়না অঙাংশিংগী য়ুম্ফম মতীক চাহনবা তাই অদুগা হায়রিবা অসিগীদমক মহৈগী তাইবঙদা চৎনবা য়াবা অমা ওইগদবা পরীং-পথাপকী মরমদা থনবা তাই। মসিনা ময়েক শেংনা তাকলী মদুদি ঐখোয় য়ুম্ফম ওইগদবা মতীক চাবা মহৈ-মশিংগী মওং অদু থীদোকপা তাই। লোলয়াম শীজিন্নবা হায়বসি অদুগুম্বা লম্বী অমনী।

## লোলয়াম শীজিন্নবগী পান্দম

লোলয়াম শীজিন্নবা হায়বসি ঐখোয়গী পুন্সিগী মরু ওইবা শরুক অমনি। ঐখোয়গী চৎনবী হায়বসি ঐখোয়গী ইশাগী শক তাকচবা হায়বসিগা মরী লৈনৈ। ঐখোয় পুন্নমক লোল ময়াম অমা খঙই মসিনা ঐখোয় মশেল অমগা-অমগা মরী লৈনবা অমদি অমনা অমবু খঙনবা হোৎনবদা মতেং পাঙই। হৌজিক্তী লৈবাক অমদা লৈবাক অমগী মীওইশিং

চৎথোক-চৎশীন তৌনরে অদুনা মদুদগী শেল থুমগী,খুন্নাইগী পুন্সিদশু মফম অমা কল্লক্লী। মরম অসিনা হৌজিক্কী মতম অসিদা লৈবাক,লোল অমা, চৎনবী অমা হায়বসি মীনম্বত্তা নত্তনা তাইবংপান পুম্বগী গুনবু নাথৈবা হায়বসিগা চপ মান্নগনী।

মসি ঐখোয়না খঙই অমদি নাথৈবশু য়ারোই মদুদি অঙাংশিংবু মসিদগী লাপনা করিগী থমলী। অঙাংশিংবু খঙহনবা ঙমনবগীদমক,মখোয়গা মরী লৈনদুনা থম্নবগীদমক, মখোয়বু মহৈ লোইশঙশিংগা শন্নদুনা থম্নবগীদমক, মখোয়গী মশাগী মরোল অমদি স্কুলদা মহৈ তম্বীবগী পাম্বৈ ওইবা লোল অনীগী মরক্তা মরী ফবা হায়বসিদা লোলয়ামগী মরু ওইবা থৌদাং লৈ।

অঙাংশিংনা মমারোল খঙই,অকোয়বদা শীজিন্নবশু অদুম উরি। হৌজিক দরকার ওইরিবসি মখোয়গী মরোল অসিবু হেন্না মপাঙ্গল লৈহনবগা লোয়ন-লোয়ননা অতোপ্পা লোলগা মরী অমা শেমগৎ-শাগৎপা অসিনী। অশুম তৌদনা লোল অনী অহুম ফাওবা মসি য়ৌবা য়াহনবা মদুনা মরম ওইদুনা ইরাই লাইনা মহৈ তম্বা ঙমহনবা অসিনী।

ইমারোল অসিবু মরু ওইবা য়ুম্ফম অমা ওইনা শীজিন্নদুনা অদুমক লৈহনগদবনী। ইবা-পাবা হায়বসি ঐখোয় অমুক থক্তদা তম্মী।ইমারোলদা মসিগী হৈশিংব অসি হেন্না মরা চেৎহল্লবদি অতোপ্পা লোল ইবা, পাবা, তাবদা ইরাই লায়না থোক্কনী।

## অঙাংগী লোলগী মঙম

অঙাং অয়াম্বা স্কুল কারক্ত্রিঙৈদা লোল অমা থক্তা নত্না,লোল ময়াম অমা হেক হেক তমদুনা লাকই।স্কুল কারক্ত্রিঙৈদা অঙাংশিংনা ৱাহৈ লীশিং মঙা নত্রগা মঙাদগী হেন্না খঙই।অদুনা লোলয়াম খঙবা হায়বসি ঐখোয়গী শকতাকপা অমদি মশাগী শক তাকচবগী খুদমনী।সিদা নতনা অরাপ-অরাপ্পা খুঙ্গংশিংগী অমতা ঙাইরবা লোল হায়না খঙনবা অদুশু মখল কয়াগী ফোংদোক ৱাহৈগী ফীভম লাকপা মতমদশু অচুম্বা লোল শীজিন্নব ঙম্বগী মঙম লৈ।থীজিন হুমজিনবা কয়া অমদগী মসি খঙবা ঙমলে মদুদি লোলয়াম শীজিন্নবা অমদি ঙাংবা হায়বসিনা মরী লৈননা খনবা ঙম্বা ,খুন্নাইগী

অঙাং খুদিংমক চহী মরী শুরকপদা লোল কয়া অমা তম্বা ঙম্বগী শক্তি লৈ।

x x x

ভারতকী সংবিদানগী আর্টিকল 29 না হায়রী মদুদি -"ইশাগী লোল অমদি চৎনলোলচৎ কনবগী হক লৈ। আর্টিকল 30 অমদি 350 আর্টিকলশু মসিগা মরী লৈননা হায়রী হায়রদুনা ইশা-ইশাগী লোলগী ঙাকপা, য়োকখৎতুনা থম্বা অমদি নীংথিনা ফংহনবা হায়বা অসি কন্না পল্লী।

ৰাখল্লোন হরাওনা লৌশিনবা, মাইকৈ খুদিংমক্তা থন্থবা ঙম্বা অমদি মহৈ-মশিং চাউখৎপা হায়বসিগা য়াম্না ফবা মরী লৈনৈ।চুমলৌ ( science ) গী মীৎয়েঙদা ঐখোয়না খুনগী লোল ,য়েলহৌমীগী লোল নত্রগা লোলয়ানশিং অসিনচিংবশিং অসি পুন্নমক সাইন্টিফিক লোইনা ওই।লোলশিং অমগা-অমগা পুন্সিন্দুনা মপুং মরৈ ফাই,লোয়ননা মশাগী অথন্নবা শকতাকশু শেমদুনা থমই।লোলয়াম শীজিন্নবা ক্লাসতা অঙাং খুদিংমক্কী লোল পুন্নমকশু ইকাই খুন্নবা তঙাইফদে, অদুগা অঙাংশিংগী লোল খেৎনবশিংবু মহৈ তম্বীবগী মওং মতৌগী শরুক অমনী থন্দুনা লোল তম্বীগদবনী।

## মফম খুদিংমক্কী হৌরকলোল (ব্যাকরণ)গী ৰাখল্লোল

লোলগী খঙহৈরবা মীওইশিংনশু লোল তম্বগা মরী লৈননা হায়রিবা ৰাফম অসিগুম্না হায়রী।লোল খুদিংমক্কী মশাগী থোইদোক হেন্দোকপা অমম্ম লৈ অদুগা মদু অমগা-অমগা মান্নরোই। মদু মশা মথন্তা -'অনীশুদবা' অমা ওই।খুদম ওইনা হায়রবদা "ঐ ইশাগী ৰা হায়গে হায়দুনা হোৎনরী", "ট্রাই তৌরী," 'নহাক চানবা হোৎনৌ', "ট্রাই তৌদুনা য়েংউ"। মতাং অসিদা ৰাহৈ পরেং খুদিংমকতা 'ট্রাই' গী ৰাহন্থোক হোংলী। হায়রিবা খদম অসিনা ময়েক শেঙনা তাকলী মদুদি মান্নবা ৰাহৈনা মতম পুম্বদা ৰাহন্থোক অমা থক্তমক পীদে। লোল অনী নত্রগা অনীদগী হেন্না খঙলিবা মীওই অদু, মহাক্কী মফমদা লোল অমথক্কী লোন্দা-পুদাগী শরুক অনী লৈ, অদুগা তোঙান-তোঙানবা লোলগী তোঙান তোঙানবা 'মওং মতৌ' শু লৈ।"বচ্ছে নে বোটল টোড়ী" হায়রিবা ৰাহৈ পরেং অসি উর্দু,পন্জাবী,হিন্দী,করম্বা লোলগী মওং মতৌনো? অহুমশিমক্কী অইবা য়াই।"মুন্দে নাল মৈ নী জা সকতী"! ( নুপা মচাসিগা লোয়ননা ঐ চৎপা য়ারোই ) পন্জাবীদা 'মুন্দে' গা লোয়ননা 'দে' হান্নগী দরকার লৈতে।হায়রিবশিং অসি লোলগী মশাগী মওং মতৌশিংনী।অঙাংশিংনা মখোয়গী অকোয়বদা ঙানশকনরিবা লোলগী খোন্থোক, ৰাহৈ-পরেংগী মওং-মতৌ অমদি ৰাহৈশিং খঙই। লোল অনীগী মরক্তা খঙনবশু খঙই, লোলশিংগী মওংশিদা মওং মতৌশু খঙই।খুদম ওইনা মৈসুরগী মীওইনা 'কংঘী' ( শমচেৎ ) বু 'কাংষী' হায়না হায়।ঐখোয়না লোলশিং মওং মতৌবু

নাগালেন্দা লৈঙাক্কী থবক ইনথাঙগীদমক ইংরাজী লোল শীজিন্নদুনশু,দরকারগী মতুং ইন্না য়েলহৌমী কাঙলুপকী লোল 17পুশু অহানবা থাক্কী ( মহৈ ) তম্বীবগী পাম্বৈ অমা ওইনা অয়াবা পীরী।লোল অমদী এম. এ. গী থাক ফাওবা তাকপী তমবীরী।সর্ব শিকশা অভিয়ানগী মথাদা অঙাংশিংবু মশাগী লোন্দা মহৈ তম্বীবা হায়বা অসিদা কন্না হোৎনরী।

খঙদোকপা তারবদি তম্বা মতমদা খুদোংচাদবশিং অসি ইরাই লায়না খঙবা ঙমগনী।লোল অনী নএগা অনীদগী হেন্না খঙবা মীওই অদু হকচাং অমা থৱাই অনী থোকই।মসি "চাউখৎপা"গী শরুক অমনী। খঙজিনগদবা অমদি লোল অমা মুৎপা মতমদা লোয়নবা চৎনলোলচৎ অদুশু মুৎখিগনী। অফ্রিকাদা লোল মুৎখিগদবগী ফীভমদা লৈরমলে অদুবু মতম চানা চেকশীলহৌরে।

## লোলয়াম অমশুং অপীকপা কাঙলুপ অমদি য়েলহৌমী লোলশিং

য়ামদবা কাঙলুপ খরনা শীজিন্নবা লোলগী অঙাংশিং অয়াম্বনা স্কুল চৎপা ফঙদে।লোলয়াম শীজিন্নববু ইকাইখুম্নবা পীদুনা অদুগুম্বা অঙাংশিংবুশু মহৈ-মশিং তম্বগী মাইকৈদা পুশিলকপা ঙমগনী। লোলয়াম শীজিন্নবা হায়বসিদা অপীকপা কাঙলুপকী লোলগীশু হক লৈ মদুদি মখোয়বু মশাগী লোন্দা মহৈ-মশিং তমবীবা অসিনী! লোলবু ঙাকশেন্দুনা থম্নবগী এজেন্সী শেমগনী!কাঙলুপ য়ামদবা লোলগী কম্মীশন অমা শেম্মী মদুগী মতুং ইন্না হৌজিক্কী ফীভম হায়ববু কাঙলুপ য়ামদবা কাংবুগী লোলদি নতবা অদুবু মহৈ-মশিং তম্বগী পাম্বে ওইনা শীজিন্নবা হায়বা অসিগী মরক্তা য়াদনা লৈরী।

থীজিন হুমজীনবদা মসিশু তাকলী মদুদি য়েলহৌমীশিংগী অঙাংশিংবু মাঙজিলদা পুরক্লবগীদমক লোলয়াম শীজিন্নবা হায়বা ৱাফম অসিনী!য়েলহৌমীশিংগী অঙাংশিংনা মহৈলোইশয়হদা লাকপা মতমদা মখোয়না অনৌবা লোল থেংনৈ,মদু অসমিয়া ওইগেরা নএগা অতৈ অতোপ্পা লোল ওইগেরা, মখোয়শিংবু খুন্নাইদা চৎনরিবা ময়ামগী মরক্তা তোৎন-তীননবগীদমক স্কুলদা পুরকলিবনী! মখোয়গী চেন্জু লোল ওইগেরা নএগা অতোপ্পা লোল অমা হেক্তা ওইগেরা!অদুনা করি ফল পুরকই হায়বদা অঙাং অদুগী মশাগী লোলগী চৎনলোনচৎগী খঙজ-হৈজবা অদুদগী অশুম-অশুম লাপথোকরকই!

## লোলয়াম শীজিন্নবা অমদি খা ভারতকী লোলশিং

খা-ভারতা লৌশিংগীদমক মফম অদুগী মশাগী লোল, তমিল,কন্নডা,তেলুগু নএগা মলয়ালম অমদি ইংরাজী খক্তনা মপুং ফাই হায়না লৌনৈ । লোল অহুমগী ফোর্মুলাগী মতুং ইন্না হীন্দি তম্বা হায়বসি মখোয়দা অৱাবা অমা ওইরী!রাজ্য খুদিংমক্তা মশা-মশাগী লোলশিং লৈ! অদুগা অহুমশুবদা লোল ওইনা ইংরাজীশু লৈ । অদুনা হৌজিক হঙবা য়াবদি লোল অশুক য়াম্না লৈনা-লৈনা অহানবা থাক্কী মহৈ-মশিং অসি মমারোলদা করিগী তমগদৌরিবনো?

মসিগা মরী লৈননা খনগদবা ৱাফমদি, অঙাং কয়া অমা মঙা শুবা থাক্কী মতুংদা লাইরিক লাইশু তম্বা তোকথোকই । মমারোলদি মখোয় হান্নদগী খঙজে। অদুনা মঙা শুবা থাক ফাওবদা মশাগী মমারোলদা তম্বীবা তারবদি য়াম্না লায়না থোক্কনী অদু নএবদি চহী মঙা মক্তা অতোপ্পা লোল তম্নবা হোৎনরিঙৈদা মতম লোইখিনী অদুগা মহৈ চাবা ৱাহন্থোক লৈবা অমতা পাংথোকপা ঙমলোই ।লোল অহুমগী ফোর্মুলা হায়বসি লোলয়াম শীজিন্নবা হায়বা ৱাখল্লোন নত্তে, অদুগা মসি থৌশিল থক্তসু নত্তে । মসি থৌরম মওং অমনী হায়না লৌবা য়াই।মসিদা লোলশিংগী মখল–মথা খেৎনবা কয়া অসিবু অমুক হন্না–হন্না নৈনবগী দরকার ওই। হায়রিবা অসি লোলয়াম শীজিন্নবা হায়বসি থক্তনা ওইথোকহনগনী।

## লোলয়াম শীজিন্নবা অমশুং ইংরাজী গী ক্লাস

ইংরাজী তম্বা হায়বসিগী পান্দমদি লোলয়াম ঙাঙবা কয়া অমা পুথোক্তনা ঐখোয়গী লোল কয়া অমবু চাউখৎহনবা অসিনী,হায়রিবা অসি ময়াম্না য়ানরবা লৈবাক্কী মীৎয়েঙনী! মরম অদুনা ইংরাজী তম্বা হৌবা ক্লাস অমদা হেক্তা ওইরো। (1–111 নত্রগা IV নত্রগা V/V।), মরম চানা ৱাহন্থোক লৈবা মওংদা তম্বীগদবনী।অদুবু অয়াম্বনা ইংরাজীগী ক্লাসতা ইমারোল অসি তুম্মীন্না হুরান্দুনা চঙলকপা মীরোনচাগা চপ মান্ননা থোকই! পাউখুম ইহন্বা মতমদা ওজা অদুনা পরা অদুগা “লোয়ন–লোয়ননা ৱাহন্থোক হনবা অদুগা শন্দোক্লা তাকপা” হায়বা মওংশিদা অদুম চৎলী। অঙাংশিংবু ভাপ তাহন্নবা, মখোয়গী মশাগী লোল মরাং কায়না অদুমক শীজিন্নদুনা ইংরাজী লোলগা মরী লৈননা য়েঙহন্দুনা মফম চাবা মওংদা শীজিন্নবা য়াই। প্রভু (1987) না মসিগী খুদম পীরদুনা –“বেঙ্গলোর (বেঙ্গলুরু) প্রোজেক্টতা ইমারোল শীজিন্নবগী ঙমখৈ,থবক্কী তঙাইফদবশিংগী ইরাই লায়না খঙবা ঙল্লে।মফম অদুদা মচাক মথুম অদু ইংরাজীদা ওইরম্মী অদুগা পাউখুমশু ইংরাজীতা অদুমক লাকলম্মী।তঙাইফদবা ওইরকপদগী ইমারোল থক্তনা ইংরাজীপু খঙবা ঙম্বা অমা ওইহল্লী।করিগুম্বা ইংরাজীদা মখল কয়াগী মচাক লৈরবা অদুগা মদু খঙননবা থম্মোই শেংনা হোৎনবা তারবদি ইমারোলনা অপনবা পীদে অহোয়নদুম মতেং পাঙই।” ব্রম্মন (198/94) না হায় মদুদি “লোয়ন–লোয়ননা হনবা ৱাহন্থোক কয়া পাঙদে”, ক্লাসতা লোল অনী শীজিন্নবদা অহানবা লোল অদুনা য়ুম্ফম ওইরদুনা শীজিন্নদুনা পান্দম–লোলগী মচাক অদুবু খঙবা ঙমহন্নবগীদমক শীজিন্নবা অসিনী।

ইংরাজী লোল তম্নবগী মচাক মথুম শেমগৎনবা হোৎনবদা মথক্তা পনখ্রীবা ইমারোল শীজিন্নবগী ওইথোকপা য়াবা মওংশিং অসিগা মরী

লৈননা ওজাশিংগী থৌদাং লেপথোকপা তঙাই ফদে।লোল তম্বগী মতীক চাবা থাক করি ওইবা য়াই, হায়রিবা ৱাফম অসিদা ওজাশিংগী ৱাখলোল করিনো হায়বা খঙদোকপা দরকার ওই।

## ওইথোকপা য়াবা থর

- অহানবা থাক্কী স্কুলশিংদা লোলশিংগী মরক্তা অমদি 'লোলশিং' অমদি 'হীরমশিং'গী মরক্তা খেৎনরিবশিং অপনবা পীরিবশিং অসি লৈহন্দনবা হোৎনবা তাই।হেন্না নৌরিবা, অহানবা থাক্তা নত্রগা য়ামদ্রবদা ক্লাস 1 দগী 3 ফাওবদা অঙাংশিংগী অকোয়বদা লৈরিবা উরিবা থেংনরিবা কয়া অমগী মরমদা খঙহন-হৈহননবা হোৎনবদা ইংরাজীকা লোয়ন লোয়ননা মমারোলদা পীবা য়াই( দাস 2005 )।অসিগুম্বা লোলয়ামগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পঙথোকনবগীদমক মচাক-মথুম শেম্নবা অদুগা ওজাশিংগী মতেং লোইদুনা মরীক চুন্না পান্বেগী লোল অমদগী হেনবা খুদম য়াওবা লমজীং লমতাক শেম্বা দরকার ওই।মদুগা কোড হোংবগী অয়াববু য়াওবা ফগনী!
- লোল অমদগী হেনবা হীরমশিং থমব্রাংননা চৎহনবা ,হায়রিবা অসি ৱারী অমা থক্তদা ওইবা য়াই।খুদম ওইনা এন.বী.টী.না ইংরাজীতা নতনা ভারতকী লোল কয়াদশু ৱারী ফোঙলী(য়েংবা য়াবা খুদম অমতৱল্লী অমশুং রামেস্বর রাও,2001)।প্রোমিস ফাউন্দেশন্না ভারতকী লোল মরী অমশুং ইংরাজী লোলদা অচৌবা লাইরিকশিং শেমহল্লী।সী.আঈ.ঈ.এফ.এল গী মপুম ওইবা মীৎয়েংগী মতুঙ ইন্না লোল অনীদা লাইরিকশিং ফোঙলী।অসিগুম্বা মান্নবা লাইরিক অসি অমগা-অমগা চপ মান্নবা ৱাহন্থোক হনগনী হায়বা করিশু লৈতে অদুবু মখোয়শিং অদুগী ৱাহন্থোক মান্নগনী অমদি লোন্দা পুদা মান্নবা,খুদম ওইনা ৱাহৈ খোন্থোক খোন্দা অনেম অৱাঙ য়াওগনী,মরমদি অঙাংশিংনা খোন্থোক অমদি মওং মতৌগা মরী লৈননা চেকশীনগদবশিং খঙননবা।পাবা হায়বসি শুম-শুম পাকথোক চাউথোরকপা মহৈ অমনী। লোল অমদা পাবা ঙম্বগী হৈশিংবা অসিনা অতোপ্পা লোল অমদা পাবা ঙম্বগী হৈশিংবা অসিনা অতোপ্পা লোল তম্বদা মতেং পাঙই। (ৱেস্ট-1941)। হায়রিবা ৱাফম অসি ময়েক মান্নবা লোলশিং থক্তগী নতনা মান্নদবা ময়েকশিংগী লোলশিংদশু কান্নগনী। (ৱেস্টনা ইংরাজী অমশুং বেঙ্গোলীগী লমদা থবক তৌরম্মী। লোল অনীগী ময়েকশিং অমদি পাবগী পাকথোক চাউথোকপা হায়বসিগী মরমদা হৌজিক থর মখৈদী খঙবা ঙমলে)।
- মথক্তা পল্লিবা ৱাফম অসিগা পুন্না নত্রগা লোয়ন-লোয়ননা থবক তৌমিন্নরিবা লোলশিংগী মতাঙদনী, অদুগা অমরোমদনা লোল অনী তল্লিবাশিংগীদমক্তী য়ানশিনবা কোডকী লোল অনীদা মচাকশিংদশু চাংয়েংগী থবক লৈরী । (দোৱেরা ২০০৫, ফেলিক্স ১৯৯৮ য়েংবিয়ু)মখোয়গী মহৈ-মশিংগা মরী লৈনবা ওইথোকপা কয়া অমা য়েংবা য়াই।

ইংরাজী তম্বা –য়ুমফম চে,লমাই 13-14.

# লোলয়াম শীজিন্নবা ক্লাস

লোল অমবু করম্না হেক্তা পাবগে? মসিগীদমক ইবগী কাংলোল হান্না খঙবা দরকার ওই। মতাং অসিদা পুক্নিং ৱাখল অমদি খুৎ অনীগী অপুনবা চুশীন্নবা দরকার ওই। চহী 5–6 ফাওবদি হায়রিবা অসি মপুং ফানা চাউখৎপা ঙমখিরোই। মরম অসিনা ইবা মতমদা খরা ৱানা থোকই। অদুবু থীজিন হুমজীনবা অমনদি অশুমনা হায়রী মদুদি অঙাংগী পুক্নিংদা লাইরিক ময়েক্কী মওং মতৌ নত্রগা খঙহন হৈহন্নবগীদমক পাবা থক্তা নতনা ইবশু হৌহনগদবনী। হায়রিবা অসি লাইন চীংবা বোইদশু ইহনবা য়াই। মসিশু খঙজিনবা দরকার ওই মদুদি তাবা অমদি ঙাঙবা য়াম্না দরকার ওই। চৈশিংলোল তম্বগী হায়রুবদি অঙাংশিংনা হান্নদগী হৌনা খঙই। মিঠাই য়েনবা তমলুবা লৈতনা অদুম হৈ। অশুম্ তৌদুনা ঈশিংগী মশক–মওং অহুম হায়বদী অকনবগী মহী লাংবগী মওংশিং অসি ইমারোলগী মতেঙনা ইরাই লায়না তম্বী তাকপীবা য়াই–অদুবু অঙাংগী মপুক্নিংদা মদুগী ৱাখলোল মমূৎ তারবা কান্দদা তম্বীগনী। ইমারোলগী পাম্বৈনা অখন্নবা হীরমগী ৱাহৈশিংগী পুথোক পুশীন তৌবশু য়াই। অনীশুবা –অহুমশুবা লোল কয়া অমা হাপচীলকপা তারগশু ইমারোল শীজিন্নদুনা অদুমক লৈগদবনী। মখোয়না ইমারোলগী মতেংনা লোলশিং খঙবা হৌরকই। ঐখোয়না তৌগদবসি মহৈগী ইপাক্তা অরীংবা থোংখা অমা শাবা অসিনী।

> য়ুনেস্কো গী মহৈ–মশিংগী য়ুম্ফম ওইবা ৱারোল চে (2003)গী মতুঙ ইন্না অহানবা হৌরকপা মহৈ–মশিংগীদমক ইমারোল অসি অদুক্কী মতীক তঙাইফদে অমদি য়ারিবমখৈ কায়হন্দনা থম্বা য়ারগদী কায়হল্লোয়দবনী। কুপনা নৈনবা ৱারোল (খুদম ওইনা সহগল 1983)না উহলী মদুদি মমারোলদা মহৈ–মশিং তল্লিবা ৱারোল (খুদম ওইনা সহগল 1983)না উহলী মদুদি মমারোলদা মহৈ–মশিং তমলিবা অঙাংশিং অসিনা লোল অমদি খঙ হৈবগী থাক্তা ইংরাজী মেদিয়মদা তমলীবা মান্নবা থাক্কী মহৈরোইশিংগা য়েঙনবদা করিশু চাং তাদে। চহী 15–17গী মরক্তা লৈবা অঙাংশিংদা চৎথবা থীজিন হুমজীনলবা মতুংদা গ্রক্তা(1995) না অশুম্না হায়রী মদুদি হৌরকপা মতমদা চহী অনী ফাওবদা মমারোলবু পাম্বে ওইনা শীজিন্নবা অসিনা,অঙাংশিংদা মমারোল অমদি অনিশুবা লোন্দা হেন্না খঙ হৈহনবা অমা ওইহল্লী।
>
> ভারতকী লোলশিং তম্বা, লৈবাক্কী ফোকস কাংলুপকী য়ুম্ফম চে–1.3 লমাই–15

ঐখোয়না খঙজিনগদবা ৱাফম অমদি ঐখোয়না হান্না খঙদবা অদুমক তাই অমদি খঙজিল্লী।অতৈদি করিশু থোইদোক্তবা ওইনা থল্লী,অদুগা ঐখোয়না মদু থোইদোক্না থল্লুদে।তঙাইফদবদগী শীনমীশিংনা বিহারদগী অসাম, পন্জাবনচিংবা মফমশিংদা চৎলী অদুগা মফম অদুগী লোলশিংশু তম্মী।

## লোলয়াম শীজিন্নবগী শীঙনবশিং

- ইহান হানবদা লোলবু লোল অমা ওইনা তম্বা হায়বসি তোঙাল্লী, অদুগা পাম্বৈ অমা ওইনা তম্বা অসিনা অমুক তোঙাল্লী। লোল তম্বীবা হায়বসি শুপ্পতংগী লোলগী ওজাশিং থক্তগী মথৌ নত্তে। অতোপ্পা হীরম তম্বা-তম্বীবা হায়বসি লোলগী পোৎচাক য়াওদনা ওইথোকলোই। চুমলৌ( science )দশু ক্রিয়া, সঙ্গ্যা অমদি সর্ৱনাম য়াওই। হিন্দী নত্রগা অতোপ্পা লোলগী মশক মওং অমশুং চুমলৌগী ৱাখল্লোলগা লোইন-লোইননা চৎকদবনী।
- লোলয়াম শীজিন্নবদা অনিশুবা খুদোং চাদবা অমদি ময়েক্কা মরী লৈনবা অসিনী-খদুম ওইনা জেমী (অসম অমশুং নাগালেন্দদা)না রোমান ময়েক শীজিন্নৈ।মসিগী থৌওং অসিদা মখোয়না অঙাংশিংদা 'A' দগী 'Z' ফাওবদা তম্বীগনী তৌইগুমশুং জেমীদা ময়েক খুদিংমক শীজিন্নদে।
- অহুমশুবা খুদোংচাদবা অমনা স্কুলশিংদা ইবা-পাবদা অদুক্কী মতীক পুক্নিং চীংশিল্লী অদুবু তাবা অমদি ঙাংবা হায়বা অসিদি নাথৈরী।
- মহৈ-মশিং তম্বা অসিদা মচাক শীজিন্নবা অসিশু ৱারু অমনী। মদু থৱাই য়াওনিঙাই ওইদবশু নত্তে অমদি চৎনরোলগসু চুশীন্নদে।ওরিষাগী ট্রাইবলশিংগী চৎনবিদা মপোক নুমিৎতা খুদোলপোৎ পীবগী চৎনবী লৈতে অদুবু অসিগুম্বা খুদমশিং অসি অদুমক লৌশিল্লী।
- খুদোং চাদবা অমনা লোলগী ওজা হাপ্পা হায়বা অসিনী। লোলগী ওজা হাপনদে। কনাগুম্বা অমা নত্রগা হীরম অমগী ওজা অমদা হেক্তা মসিগী থবক অসি শীন্নশিল্লী। লোলখক তমগদৌবসিবু হায়বা ৱাখল্লোলসিনা ।
- কাঙলুপ অমবু করিগুম্বা থাক অমত্তদা শরুক য়াহন্নবগী থৌরাং অমত্তা পাইখৎনদে। অহানবা থাক্তা ইমারোল শীজিন্নবা মথৌ তাই অদুগা তুংদা অতোপ্পা লোল হাপচিল্লকপা য়াই। খুদোং চাদবা কয়া অমা মাইয়োক্লগনী অদুবু মদুগীদমক পাম্বৈ অমা থীবশু য়ারী।

> হৌজিক্কী মতমদা ক্লাসতা ইংরাজীতা লাইরিক তম্বা উরগা করিগুম্বা কান্দা খনবা য়াওই মদুদি মমাঙৈদদি মীনা সনা লুপা মনী-মুক্তা হুরম্মী। হৌজিক মতমদদী লোলগী পাম্বৈনা পুক্নিং অমদি ৱাখল হুনরী।
>
> শরুক য়ারিবা অমা

- ঐখোয়না ক্লাসতা তাবগী তম্বীবা মতমদা লোল অমগা লোল অমগা মরী লৈননা তাকপীবা ফৈ, লোল অমখক্তা

> শীজিন্নদুনা শুম চৎপা তারবদি ক্লাসতা পাউ ফাওনবা ফজনা ঙল্লোই । অদুবু নুংশা থীনিঙাই ওইরিবা ৱাফম অমদি লবুক-লম্হাং, চীঠীনচিংবা অশুম-অশুম মুৎশিল্লক্লিবা অসিগুন্না ৱাহৈ কয়া অমশু মুৎশিল্লক্লী। পুআল কা টাল, মেহ, গৌন, দাল, ঐনশ, উলেব, ওুজবনচিংবা ৱাহৈ কয়া শীজিন্নরক্ত্র।

অইবা কয়ানশু মসি খঙজিনবা মথৌ তাই মদুদি লোলয়াম শীজিন্নবা অসিনা ঐখোয়না অতোপ্পা কয়া অমা খঙবা ঙমহৈ। কবীর লোলয়াম খঙবা কবি সাধু অমা ওইরম্মী! মহাক্কা মীয়াম্বু খঙহন্নবগীদমক সাধুক্করী লোল শীজিন্নরম্মী। হবীব তনৱীরগী "আগ্রা বাজার" অদুগা ভিখারী ঠাকুরগী মমিং চৎপা লীলা "বিদেসিয়া" লোলয়াম শীজিন্নবগী খুদম অমনী।

ঐখোয়গী লৈবাক অসি লোলয়াম শীজিন্নবা লৈবাক অমনী। মরম অসিনা লোল কয়া অমা খঙবা হায়বসি ঐখোয় অমগা-অমগা পুনশিন্দুনা থম্বা খক্তা নত্তনা লোলশিংশু অমগা-অমগা মরী লৈনহল্লী। লোল হায়বসি ৱাখল্লোলগী চক্কানী অদুগা লোল অনী খঙবা হায়বসিনা মীওইবগী হৈনবীনী। ঐখোয় লোল কয়া অমা ইশাগী লোল ওইনা ঙাঙন-শকনবা খুন্নাই অমা শেম্বা পাম্মী অদুগা মীপুম খুদিংমক অকোনবদা মহাক মশাগীনী হায়বসি থনবা ঙম্বা অসিনী।

> লোলগী স্কুল বলিটজ... হায়না খঙনবা অসি লোল তমলীবশিংগী মচাক অমা ওইনা অফবা খুদম অমনী। হায়রীবা অসিনা ঐখোয়বু নম্ফুদা লোল অমা অদুম তমগদবনী হায়না হোৎনদে। মসিদা নতনা ঐখোয় অতোপ্পা লোল অমা তমলবদি থবক ফংগনী, ৱাত্ত পাদবা ওইগনী অদুগা তমদ্রগনা মায়থীবা ফংগনী অমদি লাইররগনী। মখোয়না শুপ্পতংগী অশুন্না হায় মদুদি ঐখোয় অতোপ্পা অমগা ঙাঙবা ঙমলবদি পুন্সিগী মহাও লৌবা ঙমগনী।
>
> মহৈগী নত্তবদা, জোন হোল্ট

জোর্জ স্টাইনরনা মহাক্কী মমাদা কৎথোক্কুনা ইখিবা লাইরিক 'দ মোর্দেন ৱর্স ইন ট্রান্সলেশন' দা পল্লী মদুদি-"টু মাই মদর হু স্পীক্স সৈৱরল লেঙ্গুৱেজ বট ইন হর ওন টঙ"(মশাগী লোল কয়াদা লোল কয়া-কয়া ঙাঙলীবী, ইমাগীদমক)

# বো লোলশু পুল্লা চৎখ্রে, মতুংতাবশু নুংশাথিনিঙাইনী




অন্দমানদা চহী ৪5 শুরবী বোৱা সীনিয়র লৈখিদবগা লোয়ন-লোয়ননা “বো” লোলবু শুথাংদা খুৎশিন্নরমগদবা লোল অসিগী খুথাং লম্বী ককখ্রে। মমিবু লোল কাংলোলগী লমদা মেনশীনবা ঙল্লরোইদবা অহাংবা-অৱাৎপা অমনি হায়না লৌনরী মরমদি খ্বাইদগী অরিবা লোলশিংগী মনুংদা লোল অমা ওইরম্মী। অন্দমানগী অরীবা লোলশিং অসি অফ্রিকাদগী হৌরকপা লোলনি হায়দুনা ময়াম্না লৌনৈ। অন্দমানগী লোল কয়া অমদি চহী লীশিং 70 ফাওবা শুরবা লোল অমনি হায়না লৌনরী। লোলগী লমদা ফাওরবী প্রোফেসর অনৱিতা অব্বীনা হায় মদুদি মশাগী মমা-মপা লৈখিদ্রবা মতুংদা হৌখিবা চহী 30-40দগী “বো” লোল শীজিন্নরিবী অরোয়বী মীওই অমা ওইরমখী। বোআ মশা মথন্তা নাইতোম তাদুনা য়াম্না নুঙাইতবা ফাওরম্মী। অতোপ্পা মীওইশিংগা ৱারী শান্ননবগীদমক মহাক অন্দমানগী হিন্দী তম্বা তাখী।

অন্দমানগী লোল অসি নুঙগী জুগতগী চৎনরল্লবা লোলগী লেমহৌবা লোল অমনী হায়না লৌনবা মরম অসিনা, অশুমনশু হায়নৈ মদুদি বোআ সীনিয়রনা লৈখিদবা অসিদগী লোলগী চমন্নবা লাংলা-লংজীন অমা মতম পুম্বগী ওইনা মাঙখ্রে। অন্দমানগী য়েলহৌমীশিং অসি মখল মরী থোক্লা থাইদোকই- গ্রেট অন্দমানী, জারৱা, ওনগী অমদি সন্টীলী। বোআ সীনিয়র গ্রেট অন্দমানগী কাঙলুপকী ওইরম্মী। হৌজিক হায়রিবা য়েলহৌমী কাঙলুপ অসিগী চাউরাক্লা মীওই 50 রোম লৈরী মদুশু অঙাংনা অয়াম্বা ঙক্তনী।

— য়ুম্ফম-বী.বী.সী.পাউ

4

# হীরমশিংগী মপুংয়াইদা লোল



- **পুৱারীগী মীৎয়েংদা**
- **হীরম খুদিংমক্কী ওজা খুদিংমক লোলগী ওজা ঙাক্তনী**
- **ৱাখল থনবগী নীঙ তম্বা অমদি থাঙেং শেংবা ৱাহং**
- **লোল অমদি হীরম**
- **অখন্নবা ৱাহৈ অমদি অঙাংশিংগী লৌশিং**
- **অৱাংবা থাক্কী মহৈ অমদি অতোপ্পা হীরম**

লোল হায়বসি খুৎলাই অমনী, মসিগী মতেংনা পুন্সিবু খঙজনবা, পুন্সিগা মরী শমন্নবা অমদি মালেম-লোনচৎ অসিবু ফোংদোক্লবগীদমক শীজিন্নে।

লোল অসি শুপ্পতংগী পাউ ফাওদোক-ফাওজিন তৌনবগী পাম্বৈথক ওইবত্তা নত্তনা মসিনা মরম ওইদুনা মখল মথা কয়াগী কান্নরবা ঈ-পাউ কয়া অমা ফংননবগী পাম্বৈ ওইরী। মসি ঐখোয়না অকোয়বদা লৈরিবা অমদি থৌদোকশিং থাঙেংশেংবা অওইবা থবক মথঙ-মনাও নাইনা চঙহল্লী। মসি মায়কৈ খুদিঙমক্তগী ঐখোয়গী শকতাকপা পাঙ্গলগা য়ামনা নকশিন্নবা মরী লৈনহল্লী। ঐখোয়না মসিসু খঙগদবনী মদুদি লোল হায়বসি অতোপ্পা মীওইগা ৱারী শান্নবা হায়বসি থক্ত নত্তনা ইশানা ইশাদা ৱারী শাজবা তমদ্রিবা মথৈ করম্না ঐখোয় ইশাগী ৱাখল্লোন ময়েক শেংহনবা ঙমগনী।

মখল মথা কয়াগী হীরম হায়বদি পুৱারীরোল (History) ওইরকলোন (Physics) অমদি চৈশিংলোন (Mathematics) শিংগা ৱারী শান্নবা নত্রগা খঙননবগীদমক্তসু ঐখোয় স্কুলশিংদা মীং চল্লী। মখোয় পুন্নমক্কী ফীভম অমত্তনী। লোলগা মান্ননা চৎপা ঙমদে অদুনা তপ্পা-তপ্পা নাথৈবরোমদা চৎখিগনী। মীং চনবগীদমক লৈবাক্কী থৌরাঙ কয়া লৈ। অদুবু মহৈ-মশিংগী মতাংদা লোলগী খেন্নবা অসিনা চনফম লৈতনা কদায় ফাওবা মাঙহনলক্কনী হায়না খনদ্রিবা করিগীনো হাইবা ঙমদে।

অঙাং অমগী মমা-মপানা মখোয়গী মচা অদু ইংরাজী মেডিয়মগী স্কুলদা মহৈ-মশিং তমহনবা পামলম্মী। অঙাং অদুগী অকোয়বদা ইংরাজী ঙাঙন-শরুবা তাইবঙ অমা ফঙলমদে। অঙাং অদু তপ্না-তপ্না শোন্থরকই। তরেৎশুবা-নিপালসুবা থাক্কী ক্লাস য়ৌরকপা মতম ফাওবদদি হীরম কয়াদা মায়থিবা হৌরকই। অদুনা মরম ওইদুনা অঙাং অদু মশানা-মশাবু ইকাইখুম্নবা ৱাৎলকপা অমদি ৱাখল থোকপা তপ্না-তপ্না মাঙথরক্কুনা শুনয় পাঙথক ওইরক্লে। ফীভম অসি উবদা অঙাং অদু হিন্দী মেডিয়মগী স্কুলদা অমুক মীং চনশীনবা তাথী। মরমদি স্কুল অদুনা মাপলশুবা অমদি তরাশুবা থাক্কী মহৈ তম্বিবা ঙম্লোই হায়দুনা হায়রক্লে।থা অহুম মরীমুক্তি অঙাং অদুনা অনৌবা ফীভম অদু খঙনবা হোৎনবদা মতম চঙখী অদুদগী অঙাং অদুনা তুং য়েংদনা খুমাঙ চাউশীনবা হৌথি। মরমদি হৌজিক মহাক হীরম খুদিংমক মশাগী লোলদা খঙবা ঙম্লে। মহাক্কী খঙজ-হৈজবা অদু অকোয়বদা লৈরিবা ফীভম-মতমগা চুশীন্ননা য়েংবা ঙম্লে।

— শরুক য়ারিবা অমা

## পুৱারীলোলগী মীৎয়েংদগী

য়েংবা য়াবদি ময়াই ওইবা জুগ অমদি মদুগী মতুংদা খুৎশা হৈবগী লম চাউখৎলে মদুশু মশা -মশাগী লোলগী মতেংনা মরম ওইদুনা চাউখৎলম্মী। খুৎহৈলোল (craft)গীদমক তোঙানবা মরু ওইবা মফম লৈরম্মী। মফম অদুদা মখোয়না মশা-মশাগী লোলদা লৌথি অমদি হেন্না হৈথোই-শিংথোইবা অদু তাকপী অদুগা শুরোল অমদগী শুরোল অমদা মথং-মথং থোইদোকপা মহৈ অদু মথাং-মথাং চৎলী. হৌজিক্তি মদুশু লোয়না লোইশিলক্লে মরমদি শেনজাউ পাইবশিংগী ললোল-ইতীক চাউখরকপদগী হায়রিবা খুৎহৈলোলশিং অদু লোয়না মুথৎলে। অদুগা লোয়ন-লোয়ননা খুৎহৈলোলগা মরী লৈনবা পাউরৌ-পাউতাকশিং অদুশু মাঙখরে। অশুম্না মহৌশাদগী লৈরক্লবা

শোক 500 গী মমাঙদা ৱারানসীদা থৌদোক অমা থোকখী। ভগবান বুধনা মহাক্কী অহানবা পাউতাক মীচমগী লোলদা পীখী অদুগা পাউতাক অদুনা লোলগী অকক্লবা ঙমখৈ ৱাংমা লানদুনা ভারত থক্তা নত্তনা ঐসিয়া পুম্বদা মঙাল অমা পীথি। ময়াই ওইবা জুগতা ৱারানসীদা কবীরনা হায়খি মদুদি সংস্কৃতনা গুহাগী ঈশিংনি অদুগা লোলনা অচেনবা ঈশিংনি মতম অদুদশু লোল ময়াম অমা লৈরম্মী। অদুবু ভারতকী লোল খুদিংমক্তা হায়রিবা পাউতাক অসি য়ৌরম্মী। ভক্তি অন্দোলননা লৈবাক পুম্বা অমত্তা ওইবা লিপুন্না পুনশিল্লী অমদি অমত্তা ওইব ৱাখল্লোলগী ইচেল অমা পুরকপা ঙমখী ।

—শরুক য়ারিবা অমা

মীওইশিংগী লোল হায়না খঙনবা মখোয়গী মনাক্তা লৈরম্বা মপান নাইদ্রবা লৌশিং ময়াম অদু মাঙ তাক্লে অমদি অদুমকশু মাঙ তাকহল্লী। হৌজিক মহৌশাদগী লৈরক্লবা মীওইশিংগী লম অদুদা মহৈ-মশিং তম্বগী পাম্বে অসি হিন্দী নত্রগা ইংরাজীনী। মরু ওইবা ইংরাজীতা খরা হেন্না লুমনা থোকই অমদি মখোয়গী মশাগী লোলদদি মহৈ তমদবগুম্বনি। মসিনা খুনুংগী খৎহৈ অমদি কলা খুৎশা হৈবগী মহৈশিং মুৎখিবগী অকিবা লৈরে। খুৎশা হৈবা, খুৎহৈলোল অমদি ইশৈনচিংবশিংবু কন্নবগীদমক অমত্তা ঙাইবা পাম্বেদি ইশাগী ইরোলদা মমুৎ তানা লৌশিং হৈবা অসিনী।.-

## হীরম খুদিংমক্কী ওজা খুদিংমক লোলগী ওজানি।

ৱাখলগা লোলগা লোয়ননা অরুবা ৱাফমগী পাম্বে করম্না থৌওং পাংথোকই অদুগা করম্না ৱাখল্লোল শাগৎপগী মায়কৈদা পুশিল্লী, হায়বসি খঙবা তারবদি খঙননবগী পাম্বে লোল লেপথোকপদা লায়না থোক্কনী।

ৱাখল্লোল চাওখৎপা হায়বসি ৱাখল্লোল পীবা খক্তনা ওইথোক্তে। সাহিত্য হায়বসি মশক নাইদবা পোৎ অমখকনি অদুবু মদুদশু ৱাখল্লোল অদুমক চাউখৎতুনা চৎলী। খুন্নাই নৈনবগী ৱাখল্লোল কয়া অমা পাফল ( map ) গী মতেংনা শেম্মী অমদি হাংদোকই। পাফল অসি অঙ্কগী ৱাখল্লোল অসি অপুনবা লেঙদবা অমনী। মরম অদুনা ময়ুং-মফেন পুন্নমক খঙবা ঙমই। অদুবু খুন্নাইগী ময়ুং-মফেন অসি হোংদুনতা লৈ অদুনা মসিনা ইশাগী ইরোল খঙবা ঙমই।

> অহানবা থাক্কী মহৈগী হীরম খুদিংমক লোলগী মীৎয়েং মতুংইন্না য়াম্না তঙাইফদে। ৱাহন্থোক লৈবা খুদম মখল-মখা কয়াগী মতেঙনা লোল অসি মমুৎ তানা তম্বা ঙমগনী, মরম অসিনা হীরম খুদিংমক তম্বা হায়বসি লোল তম্বা অদুমক্কী। হায়রিবা অকক্লবা মীৎয়েং অসি ময়াই ওইবা থাক্কী মহৈগী শাগৎপা ৱাখলশিংগী মীৎয়েংদা মপুংয়াই ওইরিবা অসি লোল হায়বসিনি। অহানবদা মরী লৈনবা ৱাহন্থোক পীবা লোল শীজিন্নবা হায়বা অসিদা শাফু পী অদুবু মতুং তাবা থাক্তদি শুপ্নতংগী লোলগী মতেংনা ৱাহন্থোক খঙবা ঙমই। লোল হায়বসি মহৈ তম্বগী মপুংয়াইনি অদুগা ওজা খুদিংমক অহানবা লোলগী ওজানী মতুংদনা হীরমগীনি।
>
> —শরুক যারিবা অমা

## ৱাখল খনবগী নীংতম্বা অমদি থাঙৈ শেংবা ৱাহং

গান্ধিজীনা নঈতালীমগী থৌশিল শেমদুনা মহাক্কী মরুপ অমগী মহৈ লোইশঙদা অঙাংশিংদা ৱাহং অমা হঙই- "মীওই অমনা শেম অমা শিক্কী ( 25 paise ) অমদা লৈ অদুগা লুপা অমদা ( Re.1 ) য়োল্লী।

অদু ওইরবদি মহাক করি ফঙগনি ?" গান্ধিজীগী ৱাখলদা অঙাং অদুনা "মহাক জেলগী চৈরাক ফঙনী" হায়বা পাউখুম অসি পীরক্তবা তারবদি তশেংনমক লোল অমদি অঙ্ক অনীমকপু মরী লৈননা থল কায়দনা য়েঙবা ঙম্বা নীংতম্বা ভারতকী অঙাং অমনী হায়বা মতীক চাদে। ঐখোয়না অঙাংশিংবু অদুগুম্বা মশাগী লোলদা ফোংদোকচবা ঙম্বগী থাক্তা মহৈ পীবা তাই। হায়রিবা অসি মশাগী লোলদা মহৈ তম্বীরবদতা ওইথোক্কনি।

চুমলৌ(science)গী মহৈরোইশিংদনা শরুক অনী থঙবা তঙাইফদে। অমনা খঙ-হৈনবা লোল অদুগা অমনা চুমলৌ(science)গী। চুমলৌ(sc।ence) হায়বসি মমী শামীবা মওংগী লোল শীজিন্নদে। মসিদি ময়েক শেঙনা হেক্তা হায়বা মথৌ তাই, অমদি তুং-মাঙ য়েংদবা ৱাঙাং শীজিন্নে। চুমলৌগী(science) মহৈরোইশিংদি নন কমফোর্মিস্ত ওইদবশু য়াদে। বুশনা হায়রম্মী মদুদি অহল-লমন্না হায় হায়দুনা ৱাফম অমবু হেক্তা লৌগদবা নত্তে, হান্না থীজিল্লু, চাংয়েং তৌ, অদুগী মতুংদতা লৌশিনগদবনি। হায়রিবা পুন্নমক অসি ইশাগী মহৈ ইশাগী লোলদা তমদ্রিবা মখৈ ওইথোক্লোই। হায়রিবা নীংতম্বা অসি ওজাশিংদা পীবা তঙাইফদে। ওজা খুদিংমক চুমলৌগী ওজা ওইরো, অঙ্কগী ওজা ওইরো, মখোয় পুন্নক লোলগী ওজা ঙাক্তনি। লোল তম্বিবা হায়বসি পুন্নমক্কী থৌদাংনি। শুপ্নতংগী লোল থক্তগী নত্তে। চৈশিংলোন (অঙ্ক), খুন্নাই-চুমলৌ অমদি শেনমিৎলোননচিংবা হীরম খুদিংমক্তা তশেংবা ৱাখলশু ইমারোলদা মহৈ তম্বীবা হায়বসিনা ওইথোকহল্লী।

## লোল অমদি অতৈ হীরম

লোল হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক্কী পুক্নিং ৱাখলোলদা লৈ । ৱাখল্লোল পুন্নমক হায়রিবা লোল অসিদা শাগৎলী। ঐখোয়না উরকপা থেংনরকপগী মতুং ইন্না ঐখোয়গী পুক্নীংদা শাগৎলকপা মমি অদু মঙফাউনহন্দুনা ৱাখল লৌশিং অসিবু খুমাঙ চাউশিহল্লী। চৈশিংলোল((Mathematics), চুমলৌ পুন্নমক্কী অসিগুম্বা ৱাখল্লোলশিং মখল-মখা কয়াগী শওং-শাদা ঐখোয়গী ইমাঙদা অশুম হায়না পুথোকই/থম্মী। খুদম ওইনা পৃথিবী অসি মতুম তাবা হায়বা অসি মশা মথন্তা অদুম উবা ফঙই। তল অনী মচীন-মনাও নুপা অহুম। ঐখোয়না তলগা মশীং অনীগা অদুগা মচীন-মনাও নুপাগা মশীং অহুমগা মরী লৈনহনদুনা খঙবা ঙম্মী। চহী মরী শুরবা নুপা মচা অমনা মসি পুন্নমক খনবা ঙমই। চৌকৃীগী ৱাহন্থোক মশা-মশাগী অমদি তোঙান-তোঙাম্বা ওইবা য়াই। মতৌ করম্না ৱাখল অমা ৱাখল্লোল কয়া অমগা মরী লৈনহল্লে, মসি অঙাংশিংনা খঙই অদুগা

স্কুলদা তাকপী-তম্বীরিবা ৱাহন্থোক পীরিবা অমদি অশুম তৌনা পী মদুদি মসিদগী চমন্নবা থোকহল্লী। অঙাংশিংগী মশাগী লোল লৈজে মদুনা মশাগী ফীরেপ অমা শেমগৎচৈ, খুন্নাইগী লোল লৈজে মদুনা,অদুদগী হীরমগী লোলশু তঙাইফদবা ওইরকই মসিগী মতেংনা কান্নমচাক লৌগদৌরিবনী। অঙাংনা খঙবা লোলদা তাকপী-তম্বীবা, করিগুম্বা অমা ৱাখল তাহনবা লায়না থোকই। হায়রিবা অসি করম্না পাঙথোক্কনী হায়বসিনী ঐখোয়না লেপথোক্কদবসি। করিগুম্বা মহৈ-মশিং তম্বীবা হৌরকপা চহী মতাং খরদা মখোয়গী ওইবা ৱাহৈ লোলদা খঙবা ঙল্লবদি য়াম্না লায়না থোকই, ৱাখল মমি শাগৎপদা লায়না থোক্কনী। স্কুলশিংদা চৈশিংলোলগী “সিলিন্দ্রিকল” গীদমক “উতোং” হায়বা ৱাহৈ তম্বী। হায়রিবা ৱাহৈ অসি অঙাংশিংগী ৱাখলদা করম্বা মমি উৎলম্মি কাঙদ্রুম, বোল, কোইরোক-কোয়বা, মতুম তাবা, অকোয়বা অসিনচিংবা ।

## অখন্নবা ৱাহৈ অমশুং অঙাংগী লৌশিং

মতাং অসিদা ঐখোয়না অঙাংশিংগী হান্নগী খঙজবা মহৈ অদুগা অনৌবা অখন্নবা ৱাহৈগা মরী শেমগৎপা পাম্মী। উতোং মওংগী মহৎতা খুজী মওং, কাঙদরুম মওং গুম্বা ৱাহৈ করিগী হায়বা য়াদবগে। য়োৎচাবীগীদমক চীংথোক-চীংশীন হায়বা ৱাহৈ শীজিন্নে । হায়রিবা ৱাহৈ অসি ইচম-চম্না শীজিন্নদে অদু ওইবা তারবদি মশক খঙদবা ৱাহৈ করিগী শীজিন্নরুগনী। মরম অসিনা অঙাংশিংগী ফীভমসিনি মদুদি শক্তি, মঙম ,মতিক, পাঙ্গল হায়রিবা পুন্নমক অসি অমত্তা ওইনা শীজিন্নে অদুমকপু অখন্ননা শীজিন্নবদা মহাক্কী ৱাহন্থোক অদু হোঙই। ঐখোয়না অঙাংশিংগী পুক্নিং ৱাখল শীজিন্নবা য়াব্রা। এন.সী. আর.টী.গী লাইরিকশিংগী খুদম খরা

## সীমাগী চামা

সীমানা বিন্দি মখল-মখলনা দিজাইন অমা শেম্মী।



- তোঙান-তোঙানবা কাঙলুপশিং অসি মুন্না য়েঙু অদুগা বিন্দি ময়ামগী অপুনবা মশীং কয়ামুক ওইবা য়াই থল্লু।
- কাঙলুপ খরা অমগা শেম্মু মরমদি বিন্দি মশীং 100 শুনবা। নহাক বিন্দি কয়া অমামুক শেম্বা তাগনী?...

–য়াউফম – চৈশিংলোল/অঙ্গী মীএং, লাইরিক-2,ক্লাস-2, এন.সী.ই.আর.টী.

কয়াম লায়না অঙাংশিংনা চৈশিংলোন তম্বী অমদি অকোয়বদা লৈরিবা তাইবংপানগা মরী লৈনহল্লী।

## উনাশিং

উনাশিংগী মশক, মশা, মচু, মপান, লোয়না মান্নব্রা? দয়ারামনা হায় – ঐদি খঙদে উনাসি মখল য়াম্না য়াম্মী । য়েংঙো, খরা অমনা কোইরোক কোই, খরা অমনা শাঙই, খরা অমনা তুমতক তৌই। অসুমনা হায়রকই- মথোয়শিং অসিগী মচুশিং অসিশু তোঙান তোঙাল্লী। খরা অমনা শঙলপ তৌই খরা অমনা য়াম্না শঙই। কনা অমনা নাপু মচু অঙাংবা, থামেন মচু

ওই। উনা অমনা শঙই অদুগা অঙৌবা মচেৎ -মচেৎ লাঙই।
শবনমনা হায়রকই- য়েঙো উনাশিংগী মপানশিং অসিশু য়াম্না তোঙান তোঙানলী। উনা খরা অমগী মপান্না চাং মান্নে অদুগা খরা অমনা চাং মান্নদে। খরা অমনা হোরাই ময়াদৌনা তৌই।ঐ হৌজিক উনাগী হেলোই ওইগনী অম্মু অমদি শবনম অনিমক পুন্না হায়রকই।
উনা মখল খরা থোমজিল্লু খুদম ওইনা – চম্প্রা, হৈনৌ, নীম, তুলসী, নুংশি হিদাক,ফদিগোম। মনাশিং অসি শুরু-শুরু নৈথাইয়ু অদুগী মথোয়গী মনমদো নম্মু। মনাশিং অদুগী মনম লোইনা মান্নব্রা ?নঙাক মনমশিং অসি থক্তগী মতেংনা মথোয়শিং অসি খঙবা ঙমগদ্রা.
য়েঙো য়াম ফজবা লাই অমা শেমলে।হোয় অকঙবা মনামশিংনা শেম্বনী। নহাকশু হৌজিক অকংবা মনাশিংনা মখল মখলগী শা ঙাগী লাই নশাগী বোইদা শেম্মু।

— হৌরকফম- অকোয়বদা ,মহৌশা খুৎশেম নৈনবা, ক্লাস-3

লৈকংলাগী মীওইশিংনা মথোয়গী ফংলকপা লৌশিংবু চৎনবা য়াবা অমা ওইহনবগীদমক চৎনলোলচৎ অমা শেম্মী।হায়রিবা চৎনলোলচৎ অসিনা খুন্নাইগীদমক ফংলিবা ঈশিংবু মখল অহুম থোক্লা খাইদোকই। অহানবা মখল-নোংয়াহী হায়বদি নোং তাবদগী ফঙবা ঈশিং । হায়রিবা অসি লৈমাইদা চেল্লী অদুগা মসি তুরেল,পুখ্রিনচিংবদা তুংশিন্দুনা থম্মী। ঈশিংগী অনীশুবা মখলদী লৈনুংগী ঈশিং হায়না খঙনৈ।গুহাদগী ফঙবা ঈশিং অদুবুনী হায়রিবা ঈশিং অসি।নোংয়াহী অদুগা লৈনুংগী ঈশিংগী মরক্কী মখল অসিনা অহুমশুবা মখল অমনী মসিবু মথোয়না ‘রেজানী’ হায়না কৌই!লৈমাইদগী মনুং চংলবশু লৈনুংদা তীনবা ঙমদবা ঈশিং হায়না কৌই! লৈমাইদগী মনুং চংলবশু লৈনুংদা তীনবা ঙমদবা ঈশিং অদু রেজানী কৌই!

হৌরকফম-ৱিতান 1শরুক ক্লাস-11-হীন্দী এন.সী.ই.আর.টী.

অনিশুবা খুদমদা নোংয়াহী, লৈনুংগী ঈশিং, রেজানী গুম্বা মীচমগী ৱাহৈবু অখন্নবা ৱাহৈগী মহুৎতা ইরায়-লায়বা মওংদা তাকলী! অঙাংশিংনা মসিগী থৌওং অসিবু ইরাই লায়না চিন্নফা ফাদনা খঙবা ঙমগনি।



ঙসি সুগন্ধা য়াম্না হরাওই। মহাক্কী স্কুলগী অঙাং লোয়নমক ওজাশিংগা ভোপাল কোয়বা চৎকনী । ওজা মীনাক্সী অমদি ওজা রাকেস অনী পুন্না বস কয়া দরকার ওইগনী হায়দুনা ৱারী শান্নরী।

ওজা মীনাক্সী – ঐখোয় বস মরী দরকার ওইগনী!

ওজা রাকেস – ঐনা খন্বদা বস মঙা দরকার ওইগনী থল্লী।

ওজা মীনাক্সী – বস খুদিংমক্তা সীট 50 য়াওই।

ওজা রাকেস – অঙাং কয়া চৎকদৌরি হান্না খঙদোকখিসী

| ক্লাস | অঙাংগী মশীং |
|---|---|
| I | 33 |
| II | 32 |
| III | 42 |
| IV | 50 |
| V | 53 |
| অপুনবা | |




- অদু ওইরবদি পুন্না অঙাং ............চৎকনী!
- করিগুম্বা মখোয় বস মরী ফঙবা তারবদি অঙাং কয়া তোংবা য়াগনী?.......
- অঙাং তোংবা ফংদনা লেহৌগদ্রা?




য়াউফম – চৈশিংলোল/অঙ্কগী মীএং, লাইরিক-2,ক্লাস-2, এন.সী.ই.আর.টী.

## থুনা-থুনা-খুদক্তা

অঙাংশিং ক্লাসতা ইকোয়-কোয়না ফম্লী।
মথোয়না মশান্না অসি শান্নরি অমদি ঈশৈ শক্লী।

করিনো অশাংবা, করিনো মতুম তাবা!
থুনা হাইয়ু, থুনা হাইয়ু ।

রীনা না হায়-




অঙাং লোয়নমক ঈশৈ শক্লী।
করিনো অশাংবা , করিনো অকোয়বা?

থুনা হাইয়ু, থুনা হাইয়ু

মোনুনা হায়রকই-




অশুম্না মাশান্না অসি মখা চৎথৈ।

- নহাকশু মশান্না অসি নহাক্কী ক্লাসতা শানৌ। মথং-মথং নাইনা অশাং অমম্ম অদুগা অকোয়বা অমম্মগী মমীং হাইয়ু। শান্নবা মতমদা পনখ্রবা মমীং অমুক হন্জিন্না পব্বা য়ারোই।

য়াউফম - চৈশিংলোল/অঙ্কগী মীএং, লাইরিক-2,ক্লাস-2, এন.সী.ই.আর.টী.

# ভীমবেটকা তম্না

বসশিংদা ডীজল হান্জিল্লবা মতুংদা খোংচৎ অদু খোংশান্বা হৌরে। অঙাংশিং অদুবু ভীমবেটকাদা হান্না থামগনী হায়দুনা থঙহল্লে।

অন্জন - ভীমবেটকা করিনো?

ওজা রৈনা- মসি মফম অমগী মমিংনি, মফম অদুদা শুরুং কয়া অমা লৈ,শু রুং অদুদা চহী লীশিং 10 হেন্না শুরবা অয়েকপা লাই কয়া অমা লৈ।

সুমোন্তো - চহী লী...শিং...তরা...! ঐদি চহী লীশিং অমা ফাওবা খনবা ঙমদে।

গৌপী - ওহ! চহী লীশিং অমা অসিফাওবসিশু য়াম য়াম্মী। ঐদি চহী 100গী মরমদা ফাওবা খনবা ঙমলোই ।

গৌরী - ঐদি চহী 100গী মরমদা খনবা ঙম্মী করিগিনো হায়বদা ঐগী ববাগী অবোক চহী 100 শুরে।

মন্জীত - অদুনা তাকপদি হায়রিবা গুরুশিংসি অবোক্কী অবোক 100 রোমগী মতমগীনী।

ময়াম লোইনমক কন্না নোকলম্মী- হা! হা! হা!

অঙাংশিংনা শুরুংদা য়েকলিবা লাইশিংদু য়েংনিঙলম্মী। চাওরাক্না পুং 11 অদুৱাইদা ভীমবেটকা য়ৌরে।




য়াউফম — চৈশিংলোল/অঙ্কগী মীএং, লাইরিক-2,ক্লাস-2, এন.সী.ই.আর.টী.

শঙ্কর – মসিগী অয়েকপা লাই অসি অচৌ অচৌবা শল–লাবা ময়াম অমা য়েকলী। এহ। ঐ ৱাখল অমা লাকঐ। সিগী অয়েকপা লাই অসিদা শল–লাবশিং মশীং থীগে নহাক্লা শজিশিং অসি থীয়ু।

বোনোমালা – ঐনা মী মশীং থীগে। কনানা য়ামগে য়েংসি–শল লাবনরা, শজিনরা নত্রগা মীনরা।




- মফম অসিদা শল লাবদগী শজিনা মশীং কয়া হেল্লী? .............
  অদুবু বোনোমালা খ্বাইদগী হৱাওরম্মী মরমদি শল লাবা অমদি শজিগী অপুনবা মশীংদগী মীগী মশিংনা হেল্লী অদুবু মহাক্কী মশীং অদুবু 200 দগীদি তাই।
- মহাক্লা মী মশীং কয়ামুক থীরমগনী?
  214, 154, 134, 177
  গাইড অদুনা হায়রকই মদুদি মফম অসিদা পুন্না শুরুং লাই 600 লৈ। হৌজিক ভীমবেটকাদগী হনবা মতম ওইরে।

য়াওফম: চৈশিংলোলগী মেজিক লাইরিক –2,
অনিশুবা থাক, এন.লী.ঈ.আর.টী.

(মথক্তা পীরিবা খুদম খুদিংমক হীরমশিংবু অচম্বা লোলগী মতেংনা তাকপা হায়বসিগী য়াম্না ফজবা মওং অমনী।)

# অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং অমদি অতোপ্পা হীৱম

অনীশুবা ৱাহং অমদি মসিনী, করিগুম্বা হৌরকপা থাক্তা মসিগী লোলশিং শীজিন্নরবা অদুগা মখোয়বু হায়বিবা লোল অসিদা অহানবা থাক্কী মহৈ-মশিং তাকপ্পী-তম্বীবা তারবদি মতুংদা করি ওইরকপা য়াই। তরাশুবা থাক ফাওবদা মহাক হায়রিবা লোল অসিদা মহৈ-মশিং তপ্লে হায়না লৌরসী অদুগা মখা তাবা মহৈ, মহাক করম্বা লোলদা তমগনী। মখোয়না তরাশুবা থাক ফাওবদা সন্থালী দা মহৈ তম্বা তারবদি, তরামাথোই শুবা থাক য়ৌবদা নত্রগা ইন্জিনীয়রিং নত্রগা মেডিসিন তম্বা চৎপা মতমদা মখোয়গী করম্বা লোন্দা মহৈ তমগনী? মখোয়না করিগুম্বা শুপ্নতংগী বী.এ, এম.এ. শু তৌবা তারবদি করম্বা লোলদা তম্বীগনী? করিগুম্বা মখোয় সন্থালী গুম্বা য়েলহৌমীগী লোলশিং থক্তদা মহৈ তম্বা তারবদি, ঐখোয়গী বিশ্ববিদ্যলয় অসি হায়রিবা লোলশিং অসিদা মহৈতম্বীবা ঙমলগদ্রা? করিগুম্বা থবক ফংলোয় হায়বা তারবদি করিগী ফংলোয়দৌরিবনো? মশাগী মরোলদা মহৈ তম্বা মীওইশিংবু থবক পীবিদবা হায়বসিবু করম্বা খুশিল-থৌরাংনো। মতাং অসিদা থবক ফংননবগীদমক ইংরাজীকী জ্ঞান লৈবা তঙাই ফদ্রে ।অদুম ওইনমক ইকুইকুইদনা মালেন পুম্বদা লেপ্তুনা হন্থরক্লিবা অমদি শেল থুমগা ফীভম শোকচিল্লকইবা ময়াম অসি য়েংলুরগা অমুক হন্না মপুম খুদিংমক্কা ইংরাজী থক্তা খঙবনা ওইবা য়াদে হায়বসি খনবা হৌরক্লি । ঐখোয়না অঙাংশিং অমদি খুন্নাই অসিবু অশুম্না থাজহনবা মখৌ তাই ।

অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংদশু হায়রিবা ৱাখল্লোল অসিগা লোয়ননা চৎপা দরকার ওই। অদুবু করিগুম্বা খরগী মরমদা খন্নবা অমা দরকার ওই।লোল খুদিংমক্তা মচাক মথুম মরাং কায়না লৈরব্রা?মালেম পুম্বদা মহৈ-মশিংগা মরী লৈনবা অসিগুম্বা নৈনৱারোলশিং অসি লোল খুদিংমক্তা ফংবা ঙমলব্রা

শরুক য়ারিবা অমা

অহানবা থাক্কী মহৈ-মশিংদগী হৌরগা লৈবাক্কী শেনমীৎলোল ফাওবা হায়রিবা থৌওং অসি পাক চাউনা কল্লী!শুপনতংগী খঙনবগী পাম্বৈগী ৱা থক্তা নৎতে, খঙননবগী পাম্বৈ ফংলবা মতুংদনা ৱাহং অসিশু হংগদবনী মদুদি হীংননবগী পাম্বৈনা করি ওইগনী, ঐখোয় করন্না হীংগনী। শেনমীৎলোল অমদি খুন্নাইগী মওং মতৌ অসিসু চানদ্রিবমখৈ খঙন্নবগী পাম্বৈ ওইনা ইমারোল অমদি লৈবাক্কী লোল-লীশিং কয়াগী তুংগী লাইবক উবা ফংলোই। মরম অসিনা খুঙ্গঙশিংদা হীন্দি ইংরাজিবু লাখ-লাখ নোকনদুনশু কাইনথংদদী উপাই লৈতদনা মমা

মপাশিংনা মখোয়গী মচাশিং অদু হীন্দি অমদি ইংরাজী তমহনবা তারম্মী। খ্বাইদগী ফবদি ইংরাজী তম্বনী। মখোয় ওইনিংবা ওইজরবশু শুংশোই শোয়দনা থবক ইনখাঙ ফাওবদি ফংলগনী হায়দুনা মথা শাদে । ঐখোয় ইশানা শেমজবা সমাজ অসিবু ঐখোয় ইশামকনা শেমদোকপা হায়বা অসিগী ৱাহং অসিনী মদুদতা ঐখোয়না ঐখোয়গী লোন্দা খঙননবগী পাম্বে ওইহনবা য়াগাদৌরিবসি।

রসিয়া অমদি প্রিথিবীগী অতোপ্পা লৈবাকশিং হায়বদি জাপান, চাইননচীংবা লৈবাকশিংনা মখোয়গী মশাগী লোন্দা হৌবদগী তাইবঙ মহৈকোল থাক ফাওবদা মহৈ তম্বী।জরমনশু মদু তৌই।চাইনশু মদু তৌরী। ইংরাজীবু কলকচদুনশু চাইনাদা অহানবা থাক্তগীনা অৱাংবা থাক ফাওবদা চাইনীজ লোন্দমক লৌশিংগী লোল ওইদুনা লৈ। অদুবু ঐখোয়গীদি হৌজিক অশুম্না ওইদে। মসিনা মরম ওইদুনা অচৌবা ফল অমা ওইরী মদুদি ঐখোয়গী লোলশিং অসি লৌশিংগী লোল অমা ওইবা ঙমদ্রি।নীং তমদ্রিঙৈগী মমাংদা লম কয়াদা হৈশিংলবা অখঙ অহৈ কয়া লৈরম্মী, মশাগী ওইবা তোপ তোপ্পা ৱখল খল্লম্মী তুংদদি অশুম হন্থরক্লে!জগদীস চন্দ্র বশ্বনা মশাগী লাইরিক কয়া বাঙলা লোন্দা ইরম্মী। তুংদা হায়রিবা ৱাখলোল তুং ইন্দুনা অফাওবা কাংলোললোই জয়ন্ট নালী করনশু মরাঠীদা ইথী অদুগা হীন্দীদশু ইথী। মেযনাথ সাহানা মহাক্কী লাইরিক বাঙলাদা ইথী।অশুম তৌদনা লৌশিংগী লমদা মীওই কয়া লাক্তুনা মশাগী লোল–মরাঠী,বাঙলা,তেলেগু,তমিল,মলয়লমনচিংবা শিংগী লৌশিং পুদুনা চৎলম্মী।তুংদদি মসি শুম শুম হন্থরকলম্মী।মসি হেনগৎফম থোকই অদুবু শুম শুম হন্থদুনা অদুমক চৎথী মরম অসিনা ঐখোয়গী পান্দম অসি শুপতাংগী  কান্নবা য়েংবতমক ওইরে।চাবা থকপা অমদি পৈশা তানবা ঙম্বা মী অদুগুম্বা কান্নবা মীওই শেমগৎপা অসিনী।লৈবাক পুম্বা অসিগুম্বা পোৎ য়োনবা ঙম্বা, পোৎ য়োল্লীবা মীওইগী সেবা তৌবা অদুগা য়োন্ননবা পোৎ মপান্দগী পোৎ চেনবা ঙম্বা মীওই পুথোকলম্মী। হায়রিবা ফীভম অসি থেঙননবগীদমক ইমাগী লোলদা মহৈ মশীং তম্বা হায়বসিনা শাফু পীবা দরকার ওই। ইশাগী লোলবু লৌশিংগী লোল ওইহনবা তঙাইফদে অদুগা মসি পুম্নমক অসিগীদমক তোঙান–তোঙানবা লৌশিং গী মরক্তা মরী খুম্নহনবা তঙাইফদে। হৌজিক্কী ওইনা লৌশিংগী লোল ওইরিবা ইংরাজী লোলগশু থাক কয়াদা মরী লৈননা য়েঙবা দরকার ওইরী।

খঙজিনবা য়াবা ৱাফম অমদি 1917 গী মতুংদা রসিয়া না লোল অপীকপদগী অপীকপা ফাওবশু মফম অমা পীবা খুন্নাই অমা শেমলকলী।দাগীল্তানদগী মহমুদ রসুল হমজাতোব গুম্বা অইবা মহাক্পা মহাক্পী ইমুংগী অহানবা লাইরিক লাইশু তম্বা মীওইনী।মহাক্পী লোল "অৱার" ওইরম্মী।"অৱার"লোল শীজিন্নবা/ঙাঙবা মীশিং অসি য়াম্লবদা 2-4 লাখ মুতনী।হৌজিক্তগী মসিদগী অমুক হন্থরকলমবশু য়াই।হায়রিবা মীওই লাখ 2-4 সিগীদমক মখোয় মশাগী লোন্দা মহৈ-মশিং তম্নবগী খুদোংচাবা লৈহন্দুনা থম্মী, মদুগী ফল ওইনমী রসুল হমজাতোব কুম্বা প্রীথিবীদা ফাওরিবা অইবা অমা থোরক্লীবসি অদুগা "ঐগী দাগিস্তান" অসি মাগী থোইদোকপা হেন্দোকপা লাইরিক অমনী।অসিগুম্বা লইরিক সিগুম্বা অতোপ্পা লোন্দা লাইরিক হৈরমলোয় হায়না থল্লী!হায়রিবা লাইরিক অসি অতোপ্পা লোল কয়া অমদা ৱাহন্থোক হন্দোকই।শুপ্নতংগী লাখ অনীরোমগী মীওইশিংগী মনুংদা গৎঅমা ওইনা লৌনরী।অমরোমদনা অফ্রিকাদদি অশুন্না তৌদে। মফম অদুগী লোলদা লৌশিং শেমগৎ-শাগৎপগী থবক তৌদে।কীনিয়াগী অইবশিংনা অঙগুগী ইংরাজী লোলদা ইদুনা অফাওবা অমমম ওইনরী অদুবু মখোয়না মশাগী লোল কিকিয়ুদা ইবা পামলম্মী অদুবু মখোয়বু নাথৈবিরম্মী অদুনা হৌজিক মখোয় নাথৈবিরবা পুন্নিল মহীং অমা হীংলী। ঐখোয়গী লৈবাক্তা অলিগুম্না অৱাবা কয়া মাইয়োকনরী। মশাগী লোন্দা ইজবা অফবা অইবা কয়া পাকন অমদা তাদুনা লৈরী। মসিগী থাক অরুবা ফীভম অসিদগী লান্থোনবগী লম্বী অমা থীবা ওইনা ঐখোয় রসিয়া,জর্মন,চাইনা,জাপান গুম্বা লৈবাকশিংদগী তমজবা ফৈ অমদি ইশাগী লোলবু লৌশিং,চুমলৌনচিংবা কয়াগা মরী লৈনহন্দুনা য়েংবা তাই।

শরুক য়ারিবা অমা

## ঐনা থেংনরকপশিং

ইমারোল অদুক্কী মতীক নংশীজদুনশু ঐহাক ঙসি ফাওবদা জিয়োমেট্রী ,অলজেব্রা নচিংবা গুজারাতীগী অখন্নবা হীরম ৱাহৈ খঙদে। হৌজিক খঙবা ঙমলে মদুদি ইংরাজী মেদিয়মগী মহুৎতা গুজারাতী লোলগী পাম্বৈনা তমলকপা তারবদি এরিথমেটিক্স, জিয়োমেট্রী, অলজেব্রা,কেমিসত্রী অমদি এস্ত্রানোমীগী মরমদা খঙনবা হোৎনবদা চহী মরী চংলীবসী চহী অমগী মনুংদা ইরাই লাইনা তম্বা ঙমলগদবনী।হায়রিবা হীরমশিং অদুগী মতাংদা ঐহাক হেন্না লায়না অমদি ময়েক শেঙনা খঙলমগনী। ঐহাক্কী গুজারাতী লোলগী পুকৈ হেন্না মপুং ফাবা অমা ওইরমগনী। হায়রিবা লৌশিং অসি ইমাগী য়ুমদা শীজিন্নরমগনী।

X X X

ঐনা পামজৈ মদুদি লোল (ইংরাজী) অদুগী ফজ-ফজবা কয়া, ইংরাজীদতা নত্তনা,পৃথিবীগী অতোপ্পা লোল কয়া-কয়াগী অফাওবা ফজ-ফজবা কয়া অমা ঐখোয় ইশাগী লোলগী মতেংনা সেম্মিনবা য়াই।রবীন্দ্রনাথকী অমত্তা ঙাইরবা সাহিত্য কয়া অমগী ফজবা কয়া অদু খঙননবগীদমক ঐহাক বাংলা লোল তম্বগী দরকার ওইদে।ঐহাক্না মদু অনুবাদকী মতেংনা ফঙবা ঙম্মী।গুজারাতী নুপী মচা – নুপামচাশিংনশু টোল্সেটায়গী ৱারী কয়াশিং অসি মহাও লৌননবগীদমক রসিয়াগী লোল তম্বা দরকার ওইদে। মখোয়না মদু অফবা মখলগী ৱাহন্থোক হন্দোকপা কয়াগী মতেংনা ফঙবা ঙমগনী।

X X X

মহৈ মশিংগী পাম্বৈ খুদক্তা অমদি তৌদ্রবা য়াদবা অমা ওইনা হোংদোকপা দরকার ওই অমদি লম-লমগী লোলশিংবু মতীক চাবা মফম ফংফম

থোকই।হরিজন-9-738 লমাই-177 মহাত্মা গান্ধিগী অখন্নবা থবক খরা পন্দুপ-5

5

# লোল মশেল পাউ ফাওনবা

## (য়ুম্ফম : ইংৰাজী অমশুং হিন্দী)

- **ইংৰাজী অমশুং হিন্দীগী মৰী**
- **খ্:1967 গী মতুং**
- **খ্:1987 গী মতম**
- **অহোংব লাকপগী অনৌবা মতম**
- **ইংৰাজগী চাউখৎলকপগী পুৰাৰী**
- **অনৌবা ৰাহৈ শেম্বগী তঙাইফদবা**



## ইংৰাজী অমশুং হিন্দীগী মৰী

নীংতম ইহৌগী মতমদা অমদি মদুগী মতুংদা লৈবাক শেম্বগী থবক থৌরমগী মতাংদা ইংৰাজী অমশুং অতোপ্পা লোলশিংগী মৰী করিগুম্বা কান্দনা খৰা ফ অদুগা করিগুম্বা কান্দনা খৰা ফতবা কয়া অমা ওইরম্মী।1947 ফাউবা অনীগী মরক্তা থোইদোক হেন্দোকপা মৰী অমা

নীংতম আন্দোলনীগী মতমদা থবক থৌরম কয়া অমা হিন্দীগীদমক অমদি নীংতম্নবগীদমক কৎথোকলম্মী।মতমদুদনা মশাগী লোলবু নংশিজবা অমদি মদুগীদমক থবকশু তৌরম্মী অদুবু ইংরাজীগীদমক য়েংথীনবদি লৈতে। নীংতম ইহৌ মতমদা ৰাফম অমদি খঙলে–মদুদি অকাওবা কাংলোনলোই ( Scientists ) জগদীশ চন্দ্র বশুনা সাহিত্যি কয়া অমা বাংলালোন্দা ইখী।লক্ষমন শাস্ত্রীনা মশাগী অমদি ইংরাজী লোন্দশু ই।অদুবু ইং 1947 গী মতুংদা ফীভম হোংলে।মদুগী মতুংদা ইংরাজী চৎপা হোরকত্র।মতমদুগী পুৰাৰী ইবশিংনশু হিন্দীগী পুৰাৰীলোনশু হিন্দীদা ইদনা ইংরাজীদা ই। পুরনচন্দ নতনা অয়াম্বনা মতমদুগী খুমাই চাউখৎ নৈনমী ইংরাজীদা ইখী। মীওই লোইনমক্লা মরু ওইনা ইংরাজী থক্তদা ইরমমী।

## ইং 1967 গী মতুংদা

ইং 1967 দগীদী অহোংবা অমা লাক্লে।মুন্না য়েংশিল্লুরবদি চহী 20গী মতম অসিদা লোলশিংগী মরক্তা খেৎনবা কয়া লাক্লে।ইং 1967 গী মতাং মতম হায়না লৌবা য়াই।কারগী নম্বর প্লেট অমদি মফম-মফম কয়াদা খেৎলীবা বোর্দ হোংদোক্লে।বিহার অমদি উওর প্রদেশতনা হায়রিবা য়ানিংদবা মওং অসি হেন্না উবা ফংই। ইংরাজীগী মাইয়োক্তা ইহৌ হৌরিবা মীওইশিংদুনা মখোয় -মখোয়গী মচা মশুশিং অদু কদায়দা অমদি করম্বা মহৈ-মশিং তম্লী হায়বা নীশিংদ্রে। মরম অসিনা মতম অদুদা ইংরাজীগী পাম্বৈনা মহৈ মশীং তম্লীবা অঙাংশিং অদুগী পুক্নিং ৱাখলোন্দা করী শফু পীরি হায়বদু খনফম থোকই।অমরোমদনা মসিশু খন্থগদবনী মদুদি ইংরাজী শুকতম তমদনা মাই পাকতুম অশুম অশুম চাউখৎখিবা মীওই খর অমশু লৈরী। মখোয়দা অফবরা নত্রগা ফতবা ওইহল্লীব্রা হায়রিবা অসিদা থীজিন হুমজিনবশু য়ারীবনী। হায়রিবা মতম অসি হৌবদি কুইরবনী, মতাং অদুদা হায়বদি নেহরুনা 'ডিসকবরী ওফ ইন্দিয়া' দা মরু ওইবা ৱা অমনী হায়দুনা পুখোরকখী -ৱাহং হংথী মদুদি "ইংলিস্তানগী মশক মওং অনী অসিদা করম্বনা ইংলিস্তান হিন্দুসতান দা লাকই? শেক্সপিয়র অমদি মিল্তনগুম্বা, চপ মান্নবা মীৎয়েং য়েংবা সাহিতিয় অমদি থৌনা ফবা থবক থৌওং তৌবা , লৈঙাক্কী ইহৌ অমদি নীংতম্বগীদমক লানথেংনবা, চুমলৌ অমদি ললোন ইতীক্কী চাউখৎপা পুরক্নবা হোৎনবা ইংলিশতান মফম অসিদা লাকখী নত্রগা নমথাক তৌবা, মরল মথুম নমদুনা মুনবা কাঙবু, তমথীবা লীচৎ চৎপা অমদি থাক নাইদুনা লৈঙাকপা অমদি খুন্নাই অনৌবা য়াওলগী য়াইরোক্ত লেপ্পা ইংলিস্তান লাকপ্রা?"(হিন্দুস্তানী ৱারী লমাই.333)- হায়রিবা ললোনবশিং অসি স্পেনগী ওইগেরা নত্রগা প্রোর্টুগলগী ওইগেরা অচৌবা ৱাহং অমদি হংবদি য়াইনা?

অশুম তৌদনা ফীভম মতমদা অশুম অশুম য়ামদবা মীওই খরা অসিগী কাংলুপ অশুম শেমদুনা চৎখী।মখোয়না মখোয়গী থবক ইনখাঙ ইংরাজীদা তৌদুনা মথা চৎখরী।মখোইশিংদা খুদোংচাবা কয়া অদুম ফংদুনা লৈরম্মী অদুগা মখোয় অশুম অশুম চাউখৎলম্মী। খল মান্নদুনা লৈবা য়ারক্র, অয়াম্বা শরুক্কী কাংবুনা অশুম অশুম শোৎথহৌরে।

স্কুলগী মহৈ-মশিংদা ইংরাজী অমদি হিন্দীগী তোঙানবা মওং-মতৌ ফীভম অমা থোরক্লে।মফম অদুদা মঙজবা থাক ফাওবদা ইংরাজী তম্বা হৌরম্মী।ওজাশিংগী ৱাহৌলোলদা (grammar) লৌশিং অমদি জ্ঞান ফজনা লৈরম্মী অদুবু ঙাংথোকপদা খরা পল্লম্মী।হায়রিবা মতম অসিনা মীশিংবু কাঙলুপ অনী থেক্লা খাইদোকহলম্মী-কাঙলুপ অমনা ইংরাজীদা থবক তৌবা অদুগা অতোপ্পা কাঙলুপ অসিগী মাইয়োক্তা থবক তৌরম্মী।

## ইং 1987 গী মতাং-মতম

হৌজিকনা ইং 1987গী মতাং মতমদা য়েংবা তারবদি ঐখোয়না উবা য়াই মদুদি ইলেক্ট্রোনিক অমদি অনৌবা মীডিয়াগী পাক চাউরবা তাইবং অমা ঐখোয় উবা ফঙলে। হায়রিবা মতম অসি পাউ ফাওদোক-ফাওজিনগী ইহৌগী মতমনী।অতোপ্পা অনৌবা তাইবঙ অমা লাকপগুম তৌরে অদুগা ইংরাজী য়াওদ্রবদি অঙাংশিং অসি শোন্থহৌরগনী হায়না খনবা হৌরক্লে। খুঙ্গংশিংদশু ইংরাজী স্কুল কয়া হাংবা হৌরক্লে।মীপুম খুদিংমক্কা খন্নবা হৌরে মদুদি ইংরাজী হৈত্রবদি মখোয় শোন্থহৌরগনী। হৌজিকশু মদুগী ৱাখলোনদু অদুমক লৈরি। লালবশু লান্না, ইংরাজী ব্রং-ব্রং ঙাংবা হায়বা অসিনা ঙাংলিবা অদুগী মগুন হেনগৎহনগনী অফবা থবকশু ফংগনী।ঙসি ঐখোয়গী মাঙদা লৈরিবা খুন্নাই অসি উৎলরিবা শেল-থুম অমদি খুন্নাইগী মওং -মতৌ অসি ইংরাজগীনী।হংবা য়াবা ৱাহঙ অমা পোকলকই মদুদি সিগী তুংদনা করি ? ঐখোয়না মসিগী মতাঙদা খনবা ঙমলিব্রা নত্রগা চেন্দুনা অদুম লৈরব্রা? অঙাংশিংগী লৌশিংগী পাম্বৈ অসি করি লোলদা ওইগদৌরি হায়বা অসিদা কনা অমতনা খঙবা নত্রগা য়েংশিনবা মতম খঙদে। হীংননবগী পাম্বৈদি অতোপ্পা লোলগী মতেংনা ফঙবা য়াই অদুবু লৌশিংগী পাম্বৈ হায়বা অসিদি ইশাগী লোন্দতা ঙমগনী। ঐখোয়না য়েঙগদবদি নীংতম মতুংদা ভারত লৈবাক্কা কাংলোনমী, শেনমীৎলোই নত্রগা খুন্নাই নৈনবা মী কয়া পুথোকখ্রে।শুঙশোয় শোয়দনা মসিগী মরমদি হৌরকপা মতমদা ইশাগী লোন্দা মহৈ-মশিং তমদবনা মরম ওইবগীনী।

## অহোংবা লাকপগী অনৌবা মতম

সোমদা লোলগী মতাংদা অমুক্কা হন্না অহোংবা অমগী মতম লাক্লে!ফ্রান্স,চাইনা, রসিয়া,জপান না লোলগী মতাংদা অনৌবা মওংদা খনবা হৌরক্লে। হৌজিক মখোয় মশাগী লোল থক্তদা ঙাংবা পাল্লে।অদুবু ভারতকী ফীভমদি তোঙাল্লী।ঐখোয় হৌজিকশু ইশানা ইশাবু তোন্থজনা খনবা ৱাখলোনদগী হৌগৎলকপা ঙমদ্রি! ইশাগী লোলগীদমক খুনাই অসিগী ৱাখল কয়া ফনা পাঙনা খন্দে।মসিগী খ্বাইদগী চাউবা খুদম হায়ববু,ইশানা ইশাবু ইকাইখুম্নজবা থাদোক্তুনা ঐখোয়না ঐখোয়গী অঙাংশিংবু ইংরাজী তমহনবা পাম্মী।

ইংরাজী অমদি হিন্দীগী মরী অসি ঐখোয় অশুম্নশু খনবা দরকার ওই মদুদি প্রীথিবীগী অচৌ-অচৌবা লৈবাক কয়ানা মখোয়গী লোল য়োখৎতুনা ইকাই খুম্ননা থমদুনা অচৌবা অতৈ লৈবাকশিংগা লাম্বা পারী অমদি চাউখৎপগী লমজেলদা আ য়ৌখ্রে। ঐখোয়না ঐখোয়গী মীশিংবু

মসি থাজহনবা দরকার লৈ মদুদি ঐখোয় ইশাগী লোলবু ইকায় খুম্নবগা লোয়ন্না অতোপ্পা লোলবুশু ইকায় খুম্নবা অদু ম য়াই।

মশাগী লোল ইকায় খুম্নবা ওইনা কীনিয়াগী অফাওবা অইবা অঙ্গুগী না ইংরাজীদা ইবা তোকথোক্লগা মশাগী লোল কীকিয়ুদা ইবা হৌরম্মী।পাব্লো নেরুদানা মশাগী লোন্দা লাইরিক লাইশু তম্নবগীদমক তাইবং-মহৈকোল (UNIVERSITY)হাংবা পামজরম্মী, অদুশু অতোপ্পা লোলবুশু চপ মান্নবা থাক্তা থম্বীবা হায়বসিগা লোয়ননা।

# ইংরাজী চাউখৎলকপগী পুৱারী

ঐখোয়না মসিশু খঙজিনবা ফে মদুদি ইংরাজী লোল অসিশু মতম কুইনা হোৎনরক্লবা তুংদা হৌজিক্কী ফীভম অসি য়ৌরক্লিবনী। হান্নদি ইংরাজী লোল অসি ইংলেন্ড অমদি অমেরিকাদা কুলীশিং,লৌমীশিং অমদি শীনমীশিং গীশু লোল ওইরম্মী অদুগা শেক্সপীয়রশু হায়রিবা লোল অসিগীনী। হায়বদি ইংরাজী অসি শুপ্নগী অৱাংবা থাক কাংবুদগী লোল থকতম্ক নত্তে।

ঐখোয়না লোল অসিগী চাউখৎলকপগী মওং অসি মুন্না য়েংশীল্লুরবদি ঐখোয়না খঙগনী মদুদি ঐখোয়গী লোল অসিনা থেংনরিবা অসি ইংরাজীশু থেংনরকখী।চহী চা 16-17 শুবা ফাওবদা ইংরাজী অসি লৌশিংগী লোল অমা ওইরমদে। মশাগী মফম অমা কন্নবগীদমক হোৎনবা তাখী।অসিদা নত্তনা মমীং লৈবা স্কুলশিং খরদদি ঙমখৈগী মনুংদা কনা অমতা ইংরাজী ঙাংবা য়ারমদে।ফ্রান্সিস বেকননা ইবশিং মরুপ নত্রগা নুংশি নংওনবগুম্বগী মরমদা ইংরাজীদা ইরম্মী অদুবু লৈঙাককী চৎন পথাপ,ৱাঙু-লোন, চৈশিংলোন গী লাইরিকশিং,লৌশিংগী মতাংদা লৈটিন লোন্দা ইরম্মী। ইংলেন্ডগী কাংলোনলোইশিংনা লৈটিন লোল থক্তদা ইরম্মী। মখোয়নশু মতম অদুদা লৈটিন থক্তা শীজিন্নরম্মী। নিউটন গী মমারোল ইংরাজী ওইদুনশু মহাক্লা মহাক্কী মরু ওইবা লাইরিকশিং লৈটিনদদা ইরমখী. মহাক্লশু মতমদুদা লৈটিন থক্তা শীজিন্নরম্মী।হন্থবা কাঙলুপতগী কাংলোনলোই কয়া লাকপদগীদি ইংরাজীদা ইবা হৌরক্লে অমদি চহী চা তরামাপল শুবা ফাওবদা ইংরাজী ঙাক্তা ঙাইরম্মী ।মহৈ-মশিংগী লমদা ইংরাজী শীজিন্নবা হেনগৎলক্লে।হৌজিক লৌশিংগী খ্বাইদগী চাউরবা লোল অসি ইংরাজীনী।

# অনৌবা ৱাহৈ শেম্বগী তঙাইফদবা

নাকল অমদনা পৃথিবীগী লোল কয়া অমা অমতা ওইরকই অদুগা অমরোমদনা লোলগী অখঙ অহৈশিংনা নুংশা থীরিবসি মখোয়গী ঙমখৈ কায়রকলিবা অসিনী।ললোন ইতিকনা মরম ওইদুনা রশিয়া,ইংরাজী,জর্মন

নচিংবা কয়া পুন্নমকপু অমতা ওইনা ওইহল্লে।থাঙৌশেংবদি লোলশিং অসি অমগা–অমগা মুক্নরবা মতুংদা শেম্মী।হিন্দীনসু ৱাহৈ কয়া ইংরাজী অমদি অতৈ লোল কয়াশিংগী চপ মান্ননা অদুম লৌশিল্লে। অদুবু লোল খুদিংমক্কী মশাগী তোপ তোপ্পা মওং অমা লৈজে। মশাগী লমচৎ–শাজৎ অমা লৈজে। লোল অমগা লোল অমগা মাইয়োক্নরবা তুংদা মশাগী মওংদা অনৌবা ৱাহৈ অমা শেম্মী।
খুদম ওইনা হিন্দীদা ‘ওফিসর’ দগী ‘ওফসর’ শেম্মী ‘রিপোর্ট’তগী ‘রপট’ ‘সীমেন্ট’ দগী ‘সিলমিট’ শেম্মী অদুবু হৌজিক্তী হিন্দীগা ইংরাজীগা মুক্নদুনা অনৌবা ৱাহৈ শেম্ব ঙম্বগী শক্তি/মঙম লেপতনা হন্থরক্লী। ইংরাজীগী ৱাহৈ শেম্ব ঙম্বগী শক্তি/মঙম লেপতনা হন্থরক্লী ।ইংরাজীগী ৱাহৈ অয়াম্বা চপ মান্ননা মশক মওং অমা লাক্লে।খুদম ওইনা হিন্দীদা ‘কেনেডা’ বু ‘কনাডা’ হায়বা, ‘ওলিম্পিক্স’ পু ‘ওলম্পিক’ হায়বা ‘চাইনা’ বুনা ‘চীন’ ‘রশিয়া’ বুনা ‘রুস’ ইবগী চৎনবী তপ্পা –তপ্পা হন্থরক্লে।ঐখোয় অদুগুম্বা ৱাহৈশিং অদুগী থাঙ্গৈ শেঙনা খোন্থোক অদু কাইহন্দনা থম্বগী হৈনবী লাক্লে। হায়রিবা মওং অসি চহী খরসিদা হিন্দী অসি মশানা মশাবু হন্থনা য়েংবা হৌরকপগী খুদম অমনি। মসিনা তাক্লিবা অসি খুনাইগী শাফু অমদি মঙল্লা লোলগী মঙমদগী হায়বদুনী।
দা. রাম মনোহার লোহিয়ানা লোলগীদমক থবক কয়া তৌখী। মহাক্না হায় মদুদি ৱাহৈ হাবসি তক্নবা কন্দদা লাক্কদবনী। ৱাহৈবু তকখায়দুনা /তকথোক্তনা অনৌবা ৱাহৈ শেম্বা হৈবগী মহৈ হিন্দী নত্রগা অতোপ্পা লোলদা লৈরম্বা অদু হৌজিক কাল তপ্পা–তপ্পা ইংরাজীগী পানবদা মাইথীদুনা তোক্লে।মসি য়াম্না চাউবা অকীবা অমনী।
ইংরাজীনসু হিন্দিগী ৱাহৈ কয়া লৌশিল্লগা মশাগী ওইবা মওংদা শেমদোক্লবা হোৎনৈ,
হায়বদি হিন্দী অমদি ইংরাজী অনিগী মরক্তা লৌথোক– লৌশিন হেনগৎলক্লী।
হিন্দী নত্রগা অতোপ্পা লোল অমদা হেক্তা ওইরবসু লোল

লোল হায়বসি ৱাহৈ অমশুং ৱাহন্থোক অনীসিদনা শেম্বা নত্তে। ৱাহৈগী মমীশিংদগীশু শেম্মী। খুদম ওইনা ঐখোয়না থম্বাল হায়বা ৱাহৈ অসি হায়বা মতমদা ঐখোয়গী ৱাখলদা থম্বাল হায়বা ৱাহৈ ময়েক অসিগা মান্নদবা অমগী মম্মী তাই। ঐখোয়গী দমক্তী মদু থম্বালনী। খুদম ওইনা “বালকোনীদা লেপ্লীবা নুপী মচা অসি নুঙাইতনা উই”।হায়না হায়বা মতমদা ঐখোয় লোয়নমক্না বালকোনী অমগী ৱাখল থল্লী। হৌজিক্কী চরাংনবা মতম অসিদা হায়রিবা ৱাহন্থোকগী মমীশিংগীদমক মতম লৈনরকত্রে।
শরুক য়ারিবা অমা

খুদিংমক্কী ৰাহৈশিংবু অশেংবা নুংশিংকুম্না অথীংবা লৈতনা চংহল্লকদবনী ।অদুবু ঐখেয়না পুক্নিং চঙনা মশিসু থন্নবা ফৈ মদুদি হিন্দী লেপ্তনা মহাক্কী চংফম থোঙ অদু থীংজিনবা হোৎনৈ।
মসিগী চৎনারোলগী নত্রগা পুৰরিলোলগী মরম অমা লৈরম্বসু য়াই। অদুবু ঐখোয়না খঙজীনগদবদী থোঙ লাউনা হাঙদোক্তনা থম্বা ললোলশিং মশা-মরেং ফেন্দোক্তনা চাওখৎলক্কী।খোন্হোক /খোঞ্জেল, ৰাখল ,ৰাহৈ অমসুং ৰাহৈ-পরেংগী মওং-মতৌগী থাক্তা

লোলশিং লেপ্তনা অমনা-অমবু থেংনদুনতা লৈ। লোল হায়বসি ঐখয়োগী অমগা অমগগী মরীদগী থন্নবগী শেম্বনী। লমদম কয়া অমাদা মফম অমা হেক্তদা ওইরো মীওই কয়া শিবা নাবা য়াওনরি। করিগুম্বা ঐখোয়গা মরী লৈনদ্রগদী ঐখোয়গী ফোঙদোক ৰাহৈ অসি মীগী অৰাবা খঙদবা মওং অমা ওইনা থোক্কনী।

লোলগী ৰাফম অসি খুনা গী অচৌবা লান্থেংনগদবা ৰাফম অমনী। হায়রিবা লান্থেংনবা অশিগী লোল হায়বসিনা খুৎলাইনী।

### ৰারী শাবিনবা হোৎনবা

লদ্দাখী লোল 'সেকমোল' বু ময়াম্না য়ানরবা মশক-মওং অমা ওইহনবা হোৎনরী। মশিগীদমক মখোইনা লদ্দাখী ময়েক্কী পাউ চে অমা রেৱাই ওজর( Rewari odzer) অমদি মেলোং (Melong) কৌবা চেফোং অমা নমদুনা পুথোকহল্লী। লোয়ননা মসিনা অঙাংশিংগী ৰারিনচিংবা কেয়া ইংরাজী অমদি লদ্দাখী লোল অনিমক্তা পুথোক্তুনা মরু ওইবা থবক অমা তৌরি।
মসিদা নত্তনা মসিনা অহানবা থাক্কী ই.ভি. ইস EVS তম্নলাইরিক অমদি লোল চাউখৎপা হাইবা অসিগা মরি লৈনৈ। অদুমকপু হায়রিবা লাইরিকশিং অসি হিংরাজী মরকখন (শ্াগহস) দনী অদুবু লদ্দাখী লোল মচেৎ-মচেৎ য়াওরি। মসিনা ওজাশিংগীদমক হায়রিবশিং অসিবু লদ্দাখী খুৎনমশু পুথোকনবগী থৌরীংসু তৌরি। অসুম তৌনা তপ্পা-তপ্পা মতম অদুগী লদ্দাখী লোলদা মচাক কয়া নম্মগা পুথোরক্লগনি, মতম অদুদা লদ্দাখী লোলদা তম্বা লাইরিক পুথোকপগী ওইবা য়াবা লৈরক্কনি।

ভারতকী লোলশিং তম্বা, লৈবাক্কী ফোকস কাংলুপকী য়ুম্ফম চে-1.3 লমাই-60

অদুম ওইনমক ঐখোয়গী হেন্না চাউবা লান্থেংনবা সিদা লোলগী ওইবা অশেংবা মশক খঙদোক্তনা ইংরাজীগী মরি লৈননা অনৌবা ৰাহৈ শেম্নবা হোৎনবা তাই। ইংরাজীগী অইবাশিংনা হয়ইরিবা অসিমক তৌই।

ওইবা য়াবা অমদি মীচমগী লোলশিংগী ৰাহৈশিংগী মতেংনা ওইবা য়াই। হিন্দীনা মীচমগী লোলশিংদগী লাপথোক্লিবা মখৈ অদুক্কী মতীক

নাইতোম অসুম অসুম তরক্কনী। হায়রিবসী মচুগী, মহাওগী, মরীগী লৌউ শীংঙু অমদি ললোল ইতিক্কী ৱাহৈশিং অদুক্কী মতীক মীচমগী খঙ-হৈবগী চাং অদুগা সহরদা লৈবা মীশিংগী মান্নরোই। ‘দুখাতা’, ‘বথতা’,’পীডাতা’, ‘টভকতা’,‘কসকতা’,‘টসকতা’ অসিনচিংবা ৱাহৈশিং অসিগী তোঙানবা-তোঙানবা আর্থ অমদি শিজন্নফম তোঙাল্লী। লোলগী চৎন-লোনচৎ অমা ওইনা ঐখোয় হিন্দী ব শেমগৎকদবনী। ৱাহৈশিং মশেন য়েৎনদুনা মহাক্কী মঙম অমুক হন্জিহনগদবনী। মরম অসিনা ইংরাজী ৱাহৈশিংগী মহুত্তা অনৌবা ৱাহৈ থিনবগী অফবা পাম্বৈ খনবা তাই। অসুম তৌনা লোলশিংগী মরক্তা ৱাহৈ কয়াগী লৌথোক-লৌশীন অমদি পুথোক-পুশীনগী লম্বী হাংবা তাই।

6

# থন্নগদবা ৱাফম অমদি শীঙনবশিং



- ওজাগী শেমশাবা
- খুনাইগী শেমশাবা
- লৈঙাক্কী শেমশাবা

লৌশিংগী পাম্বে অসিবু থবক ওইনা পাঙথোক্নবগী দমক অশাংবা লম্বী অমা য়াৎথোক্কদবনী। নীঙ তম্লবা মতুং চহী 60গী মতুং ফাওবদা ঐখোয় মসি পাঙথোক্পা লেপথোকপা ঙমদ্রি। হায়রিবা থবক অসি শম্নতংগী ওজাথক, মহৈ-মশিংগা মরী লৈনবা লৈঙাক নত্রগা মহৈ-মশিংগী অখঙ অহৈশিং মথন্তনা পাঙথোক্পা ঙমলোই। ঐখোয়গী মাঙদা অসিগুম্বা ৱাফম কয়া অমদি শীঙনবা কয়া অমা মদুদা মীওই কাঙলুপ, ওজা অমশুং লৈঙাক্কী থৌদাং মরু ওইগনী। মসি খঙবা অদুককী মতীক দরকার ওই।

## ওজাগী শেম-শাবা

মতম অমগী মতুংদা ইশাগী লোলগী মাইকৈ তম্না হল্লকপা হৌরবনী মসিদা খ্বাইদগী অহানবদা মমা-মপাগী মতুংদা অঙাংশিংগা মতম খ্বাইদগী য়াম্না লৈমিন্নরিবা ওজাশিংগী থৌদাং মরু ওই,।পিল্লীবা অঙাংশিংবু স্কুলগা, মহৈ-মশিংগা মরী লৈনহনবা হায়বসিগী থৌদোং অসি ওজাশিং থক্তগীনী।য়ুমদা ঙাঙনবা লোল অমদি স্কুলদা শীজিন্নবা লোল অনীগী মরক্তা শম্নহনবগী থবকশু ওজাশিংনা তৌই।হায়রিবা অনী অসিগী খেৎনবা লৈরিবসী কোকহনগে হায়রবদি অঙাংশিংবু মখোয়গী লোলদা মহৈ তম্বীবা তাবা।মসিগীদমক ওজাশিংবু তম্বীবা অদুক্কী মতীক তঙাই ফদে।লৈবাক্কী তম্নহীরম গী মওং মতৌ-2005 না হায়রী মদুদি য়েলহৌমী কাঙলুপশিংগী মফমদা তাবা ওজাশিংবু মফম অদুগী লোল তম্বীগদবনী। ওজাশিংবু মফম অদুগী লোলদা মহৈ তম্বীনবগীদমক ওজা অদুবু মহাক্কী তম্বীনিংবা মওংদা তৌবা য়াবগী অয়াবা পীবিগদবনী। ক্লাসতা লোনয়াম ঙাঙবা অঙাং য়াওরবদি মখোয়বু পাম্বে অমা ওইনা থীজিন্নবা/মতেং লৌবা য়াবগী নীংতম্বা হায়বসি য়াওরি।

- ঐখোয়গী লৈবাক্তা লোল কয়া অমা অমদি অক্কনবা মফমগী লোল কয়া কয়াশিং লৈ।অঙাংশিংগী লোলদা ঐখোয়গী লাইরিকশিং হৌজিকশু ফংদ্রী।সংৱিধানগী মনুং চন্না লোল 22লৈ। লূরীবদি হায়রিবা লোলশিং অসিদা ঐখোয়গী লাইরিকশিং ফংদ্রি।মসিগী দাইত্ব ওজাশিং অমদি লৈঙাক অনীমক্কীনী। করিগুম্বা লৈঙাক্লা মহাক্কী মথৌদাং পাংথোকপা ঙমদ্রবদি অঙাংবু মখোয়গী লোলদা মহৈ তম্বীবা হায়বা অসি ওজাশিংগী মথৌদাংনী। এন.সী.এফ-2005 না মসিগী ৱাফম হায়বদি ওজাশিংগী অসিগুম্বা মশা মথন্তা থৌদোক লৌজবা হায়বা ৱাফম অসিবু শৌগৎলী।
- ওজাশিংনা ক্লাসতা অঙাংশিংবু তাকপীবা মতমদা থেংনবা কয়াশিং অদুদগী য়ুমফম ওইরে হায়রগা তম্নবা মচাক শেম্নবা হৌবা দরকার ওই।অঙাংশিংগী ক্লাসতা দরকার ওইবসিগী মতুং ইন্না শেম্বা অমা ওইবনা মরম ওইদুনা মচাক অসি য়াম্না মতীক চাবা তম্নহীরম ওইবা য়াই।
- তম্বা হায়বা অসি মহৈরোই অমদি ওজা অদুগী খুনাইগী ফীভম/ মরী লৈনবশিং অদুগী মথা য়াম্না পোল্লী।স্কুল অমদি ক্লাসগী ফীভম তম্বগী মওং মতৌ,অদুদগী মহৈ তম্বগী মওং মতৌ, লোয়নমক্তা শাফু পী।ৱাফম অসি য়েংদুনা মহৈরোইশিংগী পুক্লিংলোনগী ওইবা থোইদোক হেন্দোকপা গী মহুৎতা মহাক্কী খুনাইগী, চৎনলোনগী, শেল থুমগী ফীভম অমদি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা রোমদা হেন্না শাফু পীবা তঙাই ফদে। মতাং অসিদা লৌশিংগী পাম্বে ওইবা লোলগী থৌদাংগী মশক খঙদোকপা দরকার ওই।
- ওজাশিংনা লোল মপুং ফানা খঙবা দরকার ওই।
- হৌরকপা থাক্তা অঙাংশিংগী লোল অদুবু শেমদোকপা তৌদনা লৈজরিবা মওং-মতৌ অদুবু লৌশিনবীগদবনী। 4শুবা থাক্কী মতুংদগী মরাং কায়বা অমদি নুংঙাইবা অপাম্বা পোকহনবা তান্জা পীবীবা তারবদি,অঙাংশিংনা মশা মথন্তা অচুম্বা মশক অদুবু লৌশিনবা ঙম্মী,অদুবু হায়রিবা থৌওং অসিগী লোয়ননা অঙাং অদুগী য়ুম্দা ঙাঙনবা লোল অদুবুশু ইকাই খুম্নবগী ৱাখলোন কায়হল্লোয়দবনী।শোয়বা হায়বসি তম্বা হায়বসিগী শরুক অমানী হায়বা খনগদবনী অমশুং অঙাংশিং অদুনা মপুং ফনা হৈরবা মতমদা মশা মথন্তা শেমদোকচরকই।অশোয়বা অমশুং অৱাৎপা কয়াদা পুক্লিং চঙবগী মহুৎতা অঙাংশিংবু মপুং ফাবা অপাম্বা পোকহনবা অমদি শীঙনবা কয়া পীগদবনী।
- করম্বা মওংদা তমগনী, হায়বসি অঙাংশিংদা খঙহন-হৈহনবা তাই

মদুনা চুশিন্নবা মওং মতৌ শেমগৎননবা।

- শোৎথহৌরবা অঙাংশিং অমদি লৈতবা–ঙমজদবা অঙাং কয়াগী তঙাইফদবশিং য়াওনা অঙাং পুম্নমক্কী তঙাইফদবশিং অদুবু খঙদোকপা।
- অতোপ্পা লোন তম্বগী মওংগী মাইকৈদসু ওজাশিংনা অখন্নবা মীৎয়েঙ পীগদবনী।
- তাকপী তম্বীনবগীদমক শীজিন্নবা য়াবা অমদি পরীং পথাপ/চৎনবা য়াবা অকনবা থৌরাং তৌগদবনী।
- লোনয়াম শীজিন্নবা হায়বা অসিদগী করম্না মতেং লৌদুনা শীজিন্নগনী হায়বসীগা তাকপী তম্বীগদবনী।
- লোয়ননা লোনয়াম শীজিন্নবা হায়বা অসিগী ঙমখৈ কদাই ফাওবা ওইগনী হায়না তকপীগনী.
- ওজাশিংনা লেপতনা অঙাংশিংগী মমা–মপা শিংগা পাউ ফাউনগনী।

> ইমারোলদা মহৈ তম্বীবনা ক্লাসতা লাইরিক তম্বা হায়বা অসি পাকথোক চাউথোকহনবদা মতেং পাঙগনী,মহারোইশিংনা হেন্না থৱাই য়াওনা শরুক য়াগনী অদুনা অফবা ফল অমা পুরক্কনী।মসিগীদমক খুদোংচাবা কয়া মরাং কাইনা ফংহনগদবনী।থঙবদা ৱাদবা ইমারোলবু মহৈ–মশিং তম্বগী পাম্বৈ অমা ওইহনবা হায়বা অসিদা থাজবা মীৎয়েঙ থমদুনা মহৈরোইশিংবু পাম্বৈ অদু লৌশিনবদা হংগোইবা পোকহনদবা।
>
> ভারতকী লোলশিং তম্বা, লৈবাক্কী ফোকস কাংলুপকী য়ুম্ফম চে–1.3লমাই–15

- থবক চঙদ্রিঙৈগী মমাঙ অমদি মতুংগী তাকপী তম্বীবগী থৌরম কয়াদা অসিগুম্বা হীরমশিং (লৌশিংগী লোল,লোনয়াম শীজিন্নবা,লোল মশেল পাউ ফাওনবা অমদি লোনগী ফীভম )য়াওহনবা য়াই।
- মহৈ লোইশঙশিংদা অঙাংশিংবু ঙাঙবা–তাবা হায়বসিদা হেন্নবা মহৈ ওনশিনবা শুপ্নতংগী ইবা মক্তদা মহৈ ওনশিন্দবা।

## খুনাইগী শেম –শাগদবা

- ঙসি কাঙলুপ খুদিংমক্কী মীওইশিংনা মখোয়গী অঙাংশিংবু ইংরাজী পাম্বৈনা মহৈ তমহনবা পাম্মী। মখোয়বু জ্ঞান তাহনবা ফৈ মদুদি ইংরাজী পাম্বৈনা মহৈ তম্বা মখোয়গী অঙাংশিংনা মমারোলদা মহৈ তম্বা অঙাংশিংগা য়েঙনবদা ৱাখল থোকপগী চাং হন্তগনী।অঙাং অদু স্কুলদা তম্বা মহৈ অদু মশাগী পুন্সিগা মরী লৈননা অমদি খুনাইগী থাংঙৈশেঙনা কয়া অমগা মরী মখোং শম্নহনবা ঙমলোই।ইংরাজী পাম্বৈগী মহৈ–

মশিং মওং-মতৌ অসি মখোয়গীদমক চিনফা ফাবা মহৈ অমা ওইদুনা লৈহৌরগনী। মসি খুনাইগী মীহুৎ কাঙবুগী থৌদাং (খুদম ওইনা খুংগঙগী পন্চায়ৎ নত্রগা লুপ) ওইহনগদবনী। মখোয়না মসি খঙবা দরকার ওই মদুদি অঙাংশিংবু মমারোলদা মহৈ তম্বীবা তারবদি ৱাখল থোকপগা লোয়ন-লোয়ননা মশানা মশাবু থাজজবা অমদি তৌবা ঙম্বা অমা ওই। ঙসি ঐখোয়না খেংনরীবা অরুবা ৱাফমদি খুনাই (মমা-মপা ওইবশিং) বু করম্না মসিগী ৱাফম অসি করম্বা মওংদা ভাপ তাহনগনী হায়বা অসিনী।

ইশাগী লোন্দা তমদুনা ......
রাজস্থান রাজ্য সর্ভিসেস পরীক্ষা দা হিন্দী মরকথন (মীদিয়ম) দা অহানবা থাবদা মকোক থঙবা থাক্তা মনুং চল্লকলবা (2007 অহুমশুবা মফম) অৱাংবা থাক্তা মাই পাক্লুনা জিতেন্দ্র কুমার সোনীনা চাউখোকচনীঙাই ওইরবা মাই পাকপা মীওই অমা ওইবা ঙল্লে। "ৱাহং – নহাক্কী মতুং ইন্না হায়রিবা পরীক্ষা অসিদা হিন্দী মরকথন (মীদিয়ম) লৌদুনা শেম-শাবা অমদি মাই পাকপগী মতাঙদা করি হায়নিঙাই?
সোনী-ঐগী মীয়েংদা মরকথন (মেদিয়ম) গী খেৎনবা করিশু লৈতে! ঐখোয়না ইশাগী থমোইদগী থোরকপা ৱাখলোন অমদি খঙজ হৈজবা কয়া অদু মরীক চুমনা ফোংদোকপা ঙম্বা পাম্বে লোল অদুগা ঐখোয়গী খ্বাইদগী কান্নবা অমদি মতীক চাবা ওইগনী। হন্দক্কী ফল অসিনা হিন্দীগীদমক খল্লম্বা অরানবা কয়া অদু থুগাইবা অমা ওইনা থোকলী।"
প্রতিয়োগিতা দর্পন/জনৱরী/2010
লমাই 46-48

- খুনাইগী মাঙদা তম্নবগী পাম্বে লেলগী মতাংদা মরু ওইনা অরুবা অনীনী-অমনা হীংননবগী লম্বীগী ৱাফম অদুগা অতোপ্পা অমনা খুনাইগী মমাঙদা মীংচৎ নত্রগা ইকাই খুম্নবা অসিগা মরী লৈনবা ৱাফমনী। হায়রিবা অরুবা ৱাফম অসি মাইয়োক্লনবগীদমক খুনাইগী ওইবা অচৌবা থৌরাং অমা দরকার লৈ হায়না খন্নরী, মদুদা পাউ-চে (মীডিয়া) গী থৌদাং লৈগনী। খুনাইদা কাঙলু কয়া অমদি মমা- মপা ওইবাশিং পুনশিল্লে হায়রগা মখোয়বু থাজহনবা তঙাইফদে মদুদি ইংরাজী অসিনা তম্বগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বে নত্তে।
- মসিগীদমক মফম কয়াদগী মমালোলগী মতেংনা মহৈ তমদুনা থাক

অমদা য়ৌরক্লবা অমদি মাই পাক্লবা থোয়দোক হেন্দোকপা মীওিশিংগী ৱাহং হংদুনা উনবা অমদি মহাক্না থেংনরকপা ৱাফম কয়া অমা মীডিয়া (পাউ-চে, রেডিও, টেলিৱিজন, লীলা দ্রামা)গী মতেঙনা মখোয়দা য়ৌহনবা য়াই ।

- মশাগী লোনদা মহৈ-মশিং তমদুনা মাই পাক্লবা নহাশিংগা ৱা রী শান্নবা অমশুং মখোয়গী উরকপা থেংনরকপাশিং অদু মীডিয়াগী মতেংনা মমা-মপা ওইবাশিংদা য়ৌহনবা য়াই মদুনা হায়রিবা অরানবা ৱাখলোন (ইংরাজীনা মাই পাক্লবা খুৎলাইনী) অসি মুথৎপা ঙমগনী।

**হীংনবা শীনফমগী শীঙনবশিং-1**

হৌজিক ললোল ইতিক্কী লোল অসি ইংরাজীনী।শুপ্লতংগী ইংরাজী খঙলে হৈরে হায়দুনা থবক থারিবা মী অমা থবক থুনা হেক্তা ফংথী।মসি করিগীনো? ঙসি মফম অসিবা মপানগী লৈবাক কয়াদা খঙন হৈননবগী পাম্বৈলোল অসি ইংরাজী ওইরি।থবক ইনথাঙগীদমক লৌশিংগী পাম্বৈ লোলগী মতাংদা লৈঙাকনা খনবা তাই অমদি মহাক্কী থৌরাং হৌজিক খরদা অহোংবা খরা পুরকপা তাই।লৈবাক পুম্বদা হৌজিক শেল থুমগী ফীভম ফতবা মতমনী অদুমকপু মসিনা মরম ওইদুনা মীয়াম্না খঙলে মদুদি শুপ্লতংগী ইংরাজী তপ্লে হায়রগা থবক হেক্তা ফঙগদবা নত্তে।মখোয়না থবক ইনথাং ফঙবা য়াবগী মমী অমা ইশাগী লোলগী উবা ফঙলে।মসিবু মপুং ফানা থাজহন্নবা হোৎনবা শীঙনবা অসি লৈঙাক্কী মাঙদা তারী।

শরুক য়ারিবা অমা

- ইমারোলদা মহৈ-মশিং তম্নীদুনা অফবা থোইদোক হেন্দোকপা মীওই শেম্বা মহৈকোল খরগী খুদম মাঙদা থম্বা য়াই। খুদম ওইনা নেতরাহট,সরদার পটেল স্কুল ।মসিদা লৈঙাক্কী স্কুলশিংবুসু মরু ওইনা পনবা য়াই।
- সিগী খুনাইগী শেম শাবা অসিদা ওজাশিংগী থৌদাংশু মরু ওই। ওজাশিংনা অঙাংশিংগী মমা মপাগা উনবগী থৌরাং তৌদুনা ইমারোলগী মরু ওইবা কান্নবা অমদি থোইদোক হেন্দোকপা কয়াগী মরমদা কেস স্টজীগী মতেংনা খঙহনবা।
- হীঙনবা লম্বীগা মরী লৈনবা অৱাবা অসিবু কোকহন্নবগীদমক ললোন ইতীক্তা ইশাগী লোলগী মরু ওইবা হীঙনবগী লম্বী মখল কয়া নৎত্রগা লমদা ইমারোল মহৈ-মশিং তম্বগী শীজিন্নবা(খুদম ওইনা দাক্টর,

আই.ঈ.এ.এস নচিংবা) গী য়েঙলগা ৱারী ইদুনা লীলা দ্রমা কয়া কয়া ইবা অমশুং মফম-মফম(খুঙগং অমদি সহরগী স্কুলশিংদা) শান্নবা ।মসিদা এন.জী.ও.গী মতেং লৌবশু য়াই।

- স্কুলগী ওজাশিং মথোয় - মথোয়গী মথৌদাংশিং পাঙথোকপদা অশুম-অশুম ঙমশিলক্ত,অঙাংশিং মশাগী মমারোলদা মহৈ তম্বা ফঙদ্রে, মহৈ-মশিংগীদমক চঙদ্রবা য়াদ্রবা খুদোংচাবশিং ফঙহনবা ঙমদ্রে।মতাং অসিদা স্কুলগী লৈঙাক হায়বদি স্কুল অদুগী ওজা মকোক অদুগী থৌদাং ওইগদবসি,মহাক্না ওজাশিংবু অঙাংশিংগী মমারোলদা মহৈ তম্বীনবা খৌগৎপীগদবনী,মসিগীদমক মহাক মফম অদুগী মীওই কাঙলুপ কী মতেং লৌবসু য়াই। অঙাংশিংগী লৌশিং শেমগৎনবগীদমক ওজা মরী খমনহনবা থোং অমগুম্না থবক তৌঘনী।মসিগীদমক মশাগী লৈঙাক্কী ওইবা থৌশিল থৌরাং অদু কোমথোক কোমশিন য়াবা অমা ওইহনদবনী।

## লৈঙাক্কী শেম-শাবা

- থাঙ্গৈ শেঙনা খুঙ্গং অমদি অঙাং খুদিংমক্তা মহৈ-মশিং য়ৌহন্নবগীদমক রাজ্যগী থাক্তা ঐথোয় মপুঙ ফানা থৌরাং তৌবা তাই। মহৈ-মশিং হায়বসি রাজ্য অমদি কেন্দ্রগী অপুনবা থৌদাংনী। ইমারোলদা মহৈ তম্নবগীদমক রাজ্যনা থাক খুদিংমক্তা হায়বদি কাঙলুপ , লৈঙাক,মহৈকোল লৈঙাক, ওজা নচিংবশিং পুন্নমক্কী মরক্তা তান চানবা মপুং ফাবা থৌরাং তৌগদবনী।
- হায়রিবা থৌরাং অসিদা কেন্দ্রগী য়াম্না চাউবা মরু ওইবা থৌদাং ওইগনী।কেন্দ্রনা রাজ্যশিংগা তান চানহন্দুনা থম্বা হায়বসি মহাক্কী থৌদাংনী।মসিগীদমক ওজা,খুনাই,মমা-মপা নচিংবা কয়াগী পুন্না থন্ন নৈনবা, ৱারী শান্নবা ,থন্ন নৈনবা মীফম নচিংবা কয়া শীনবা তাই।মসিগী মতুংদা কেন্দ্রনা হায়রিবা থৌরাং অসিবু পাংথোক্লবগীদমক রাজ্যশিংগা পুন্না ওজা অমদি শীনতাকলোই শেম্বা দরকার ওইগনী, মরমদি অঙাংশিংনা মথোয়গী মশেগী লোলদা ঙাংবা,ইবা,পাবা অমদি ৱারী শানবা য়াবগী তান্জা ফঙননবা।
- হৌজিক্কী মহৈ-মশিংগী অঘিকারগী চৎন পথাপ য়ানখ্রে.মসিগী মতুং ইন্না মহাকোল সমিটিশিংনা অঘিকার খরা পীবা তাই। মহৈকোল শীলাংলীবা সমিটিশিংনা খুনাইশু শরুক য়াহনবা হায়বসি শোয়দনবা শীনগদবনী। লৈবাক্কী তম্নহীরম গী মওং মতৌ 2005 নসু পল্লী মদুদি অশুম হায়না তৌরবদি মহৈকোল লৈঙাক অসি হেন্না থেক্তোক থেকচিন ওইবা মচাক শেম্নবা হোৎনবদা থৌদাং য়াগনী হায়বা

অসিদশু থন্নবা চুমগনী। মসি হেন্না ফবা মওং অমা ওইগনী।

- মহৈ তম্বগী অদিকার গী চৎন পথাপ চৎনরপদগীদি ওজা লাখ কয়া হাপ্তবা তাঙাইফদবা অমা লাক্কনী। অশুক য়াম্বা ওজাশিং অসি লাকলবদি ওজাশিং অসিগীদমক থন্নবা দরকার ওই।
- অঙাংশিংগী লোলদা লাইরিকশিং ফঙহন্নবগীদমক থবক থৌরম পাইখৎপা দরকার ওই। অমদি লৈবাক পুম্বগীদমক অচৌবা শীংনবা অমনী।
- মসিগী মতাং অসিদা রাজ্যগী লৈঙাক অমদি ওজাশিংগী য়াম্না অচৌবা থৌদাং লৌগদবনী। অঙাংশিংগীদমক মখোয়গী লোলদা তম্নবা লাইরিক শেমগৎ শাগৎপদা মতম চঙবা য়াই। হায়রিবা চঙলীবা মতম অসিগী মরক্তা রাজ্যগী লৈঙাকশিং অমশু ওজাশিংনা মসিগা মরী লৈননা ৱারী লেপ্তনা শান্দুনা থন্নগনী। মসিদা কেনদ্রগী লৈঙাক্কী থৌওং গা মরী লৈনবা ৱারেপ অমনী।
- ঐখোয়গী লৈবাক্তা লোল কয়া অমা লৈ। মরম অসিনা অঙাংশিংগীদমক ইবা শেমগৎলিবা তম্নবা লাইরিক্তা ঐখোয়না লোলশিং অদুগী ফুঙগা ৱারিশিং,খুনুং ঈশৈ অমশুং থাইনদগী লৈরক্লবা কলানচিংবা কয়া অমশু য়াওহনগদবনী।লোন খুদিংমক্কী খ্বাইদগী মমীং চৎপা অইবা কয়া ঐখোয়গী লৈবাক্তা লৈ। মখোয়শিং অসিগী মতেংনশু তম্ননবা লাইরিক শেম্বা/ইবা য়াই।
- লৌশিং লোনগী য়েংলগা হৌজিক লৈরিবা ওজাশিং তম্বী তাকপীবগী থৌরাং শিংগী তম্নহীরমশিং অসিদা অহোংবা পুরকপা তাই।

**অৱাংবা থাক্কী মহৈ :শীঙনবা অমা**

অঙাং অমনা মশাগী মমালোলদা মহৈ–মশিং তমদুনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্নবগীদমক তাইবঙ– মহৈকোলদা লাকপা মতমদা হংবা য়াবা ৱাফমদি মহাক্কী মমারোলদা মহৈ তম্নবগীদমক তাইবঙ মহৈকোলগী মফমদা খুদোংচাবা লৈরব্রা? অদুগা করিগুম্বা হায়রিবা খুদোংচাবা অসি লৈতবা তারগশু অঙাং অদুনা মমারোলদা পরিখ্যিা থাবা য়াবগী অদিকার লৈব্রা? করি লৈ হায়বা তারবশু মখোয়গী চে অদুগী চাংয়েং অদু ইংরাজী পাম্বৈগী মহৈরোইশিংগা মান্ননা য়েংগদ্রা? অৱাংবা থাক্কী মহৈ–মশিংদা লৌশিংগী পাম্বৈগী অৱাবা অসি ঐখোয়গীদমক,তাইবঙ মহৈকোলগীদমক।

— শরুক য়ারিবা অমা

- লোলগা মরী লৈনবা থীজিন হুমজিনবদা ইশাগী লোল অমদি হিন্দীদা হেন্না ফবা থীজিন হুমজিনবগী থবক তৌবা দরকার ওইগনী।
- হিন্দী অমদি অতোপ্পা ভারতকী লোল কয়াদা মরু ওইনা চুমলৌ( science ),খুনাই নৈনরোল অমশুং কলানচিংবা শিংগী লাইরিক ইবদা হেন্না পুক্লিং চঙশীনহনবা। মসিগীদমক তাইবঙ মহৈলোলশিংগশু পাউ ফাওনবা দরকার ওই।
- য়মফম ওইবা লাইরিক/তম্নলাইরিকশিংগী ইংরাজী দগী হিন্দী অমশুং অতোপ্পা ভারতকী লোল কয়াদা ৱাহন্থোক হন্দোকহনবা অমশুং লোল অনীগী অমদি লোল কয়া অমগী লোনগৈ শেম্বা।
- অহানবদগীনা মহাশুবা থাক্কী ক্লাস ফাওবা মথং-মনাও নাইনা হীরম খরা অঙাংশিংগী লোলদা তাকপী তম্বীবা হায়বশিদা হেন্না পুক্লিং চীঙশিন হনবা ।মসিগীদমক মথোয়গী লৌশিং অদু হেন্না অচেৎপা য়ুম্ফম অমা পীনবগীদমক প্রাইবেত স্কুল খরগা ৱারী শান্নদুনা পাউ ফাওনবা ফৈ।
- তাইবঙ-মহৈকোলশিংদা খৎশম্নবগা ,লোল,খুনাই নৈনরোল চুমলৌ( science ) নচিংবা তম্বীবগা মরী লৈননা তম্নহীরম অসিদা মসাগী লোন্দা হীরমশিংগী লৌশিং মরু ওইবা ৱাফম অদুদা অথন্নবা মীৎয়েং চঙহনবা ফৈ।

**হীংনবা লম্বীগী শীঙনবা-2**

দিল্লীগী অৱাং-নোংপোক জিলাদা ঐথোয়গী খ্বাইদগী চাউবা ইংশাঙনাপীগী অচৌবা কৈথেলগী হেক মমাঙগী সোরোক লান্থোক্লগা লৈবা পাক চাউরবা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরিবা বস্তি জহাংগীরপুরী। নিংথৌ জহাংগীরগী নিংথৌ অমা ওইবগী লীচৎ শাজৎ,অদুৱাইদা লৈরিবা খুন্দারিবা মীওইশিংগী মওং মতৌ দা উবা ফঙই। বসতী অদুগী অকোয়বা নাকল অমদা কঙগদবগী ঙাইদুনা লৈরিবা “ওলম্বা” পাৎ অদুগা অমরোমদনা অমতা নতনা পাৎ কয়া অমা লৈ মদুদা বস্তী অদুগী মীওইশিংনা থৱাই য়াওহল্লী।বস্তী অসিদা মশিনলোল তাবপী তম্বীবা শীন্দমশঙ( আই.টী.আই )শু লৈ মফম অদুগা প্লম্বিঙ, সপাইনিঙ,উহিং,ফিটর,প্রিন্টিং গুম্বা ললোন ইতিক্কী ওইবা হৈথোই শেংথোইবা কয়া তাবগী তম্বী।ৱাফম অসি বস্তী অসিগী মতাইদা লৈরিবা ‘অযোধ্যা টেক্সটাইল’ অমশুং আই.টী.আই গী চুশীন্নদবা মরী অসিগীনী।

মিল অসিদা ফী শাবা অমশুং মদুদা নম্বগী থবক তৌই।থবক অসিগী তাকপী তম্বীবগা মরী লৈবা থবক তৌই। থবক অসিদগী তাকপী তম্বীবগা মরী লৈবা থবক তৌই। থবক অসিদগী তাকপী তম্বীবগা মরী লৈনবা তম্নবাইরম আই.টীট.আই দা য়াওরম্মী। ঙকলীবদি মফম অসিদগী মহৈ-মশিং তম্বা লোয়বা নহাশিংবু মিল অসিদা থবক পীদে অদুগা অকক্লবা তম্ববা মীওইশিংবুনা থবক পীরম্মী।পুন্নমক্না চমন্নবা ৱাখল অমাথক্তমক থন্নরম্মী মদুদি তাকপী তম্বীরবা শীনমীশিং অদুদি অহেনবা মাগী পীবা তাগনী অদুনা মথোয়শিংবু থবক পীদবনী অদুবু আই.টীট.আই.গী শিনতাকলোই অমদি তল্লীবশিং অদুগা ৱারী শান্নরবা মতুংদা ৱাফম অসি ময়েক শেঙলে মদুদি শীন্দমশঙ অদুদা থবক থৌরম পুন্নমক্কী মরমদা ইংরাজী নএগা মরীক চুম্বা হিন্দীদা তাকপগী তম্বী ।মিল অদুগী অরীবা শীনমীশিংনা য়েলহৌগী অথন্নবা ৱাহৈ ৱাতা শীজিন্নে, মদু শীন্দমশঙদগী থোরকপা নহারোলশিং অদুনা থঙবা ঙমলমদে।কায়নথঙদা শীনমীশিং অদুনা শীজিন্নবা অথন্নবা ৱাহৈশিং অদু তম্নহীরমদা য়াওহনখী।শুপনতংগী তম্নহীরম অমথক্তদা নতনা অতৈ তম্নহীরম কয়াদশু হোৎনখী অমদি ময়াম্না লমদম অদুগী মিলশিংদা থবক ফঙবা হৌজিক্তী ৱাদে।

— শরুক য়ারিবা অমা

# হাপচীনবা-2

## রাজ্য কয়াদা লোলগী পাম্বৈগী তোঙান-তোঙান্না থাক

| ক | রাজ্য | অহানবা | ঙমথংদা লৈবা | অৱাংবা থাক্কী ঙমথংদা লৈবা |
|---|---|---|---|---|
| 1 | আন্ধ্রপ্রদেশ | তেলেগু,উর্দু,ওরিয়া, ইংরাজী, হিন্দী, মরাঠী,কন্নড,তমিল. | তেলেগু,উর্দু, ওরিয়া, ইংরাজী,হিন্দী,মরাঠী, কন্নড,তমিল | তেলেগু,উর্দু,ওরিয়া, ইংরাজী,হিন্দী,মরাঠী, কন্নড,তমিল. |
| 2 | অরুনাচলপ্রদেশ | ইংরাজী,হিন্দী | ইংরাজী, | ইংরাজী, |
| 3 | অসম | অসামিজ,বঙলা,বোদো, ইংরাজী | অসামিজ,বঙলা,বোদো, ইংরাজী, হিন্দীঅমদিঅতৈ. | অসামিজ,বঙলা, বোদো, ইংরাজী, হিন্দীঅমদিঅতৈ. |
| 4 | বিহার | হিন্দী,উর্দু,সন. | ইংরাজী,হিন্দী, সংস্কৃততি,উর্দু | ইংরাজী,হিন্দী,সংস্কৃততি, উর্দু অতৈ |
| 5 | ছটিশগঢ় | হিন্দী,অতৈ | হিন্দী,অতৈ | ইংরাজী,হিন্দী |
| 6 | গুজরাত | গুজরাতী | ইংরাজী,হিন্দী,গুজরাতী | ইংরাজী,হিন্দী,গুজরাতী |
| 7 | গোৱা | ইংরাজী,কোংকণী, মরাঠী,উর্দু,কন্নড | ইংরাজী,মরাঠী. | ইংরাজী,মরাঠী |
| 8 | হিমাচলপ্রদেশ | ইংরাজী,হিন্দী. | ইংরাজী,হিন্দী. | ইংরাজী,হিন্দী |
| 9 | হরিয়ানা | ইংরাজী,হিন্দী. | ইংরাজী,হিন্দী.সংস্কৃততি. | ইংরাজী,মরাঠী |
| 10 | জম্মু অমদি কশমীর | ডোগরী,ইংরাজী,হিন্দী, কশমীরী, উর্দু | ডোগরী,ইংরাজী,হিন্দী,ক শমীরী,উর্দু | ডোগরী,ইংরাজী,হিন্দী, কশমীরী,উর্দু |
| 11 | ঝারখন্ড | ইংরাজী,হিন্দী. সংস্কৃততি. | ইংরাজী,হিন্দী,বাংলা, কশমীরী,উর্দু. | ইংরাজী,হিন্দী,বাংলা, সংস্কৃতত |
| 12 | করনাতক | কন্নড,ইংরাজী,হিন্দী, মরাঠী,তমিল,তেলেগু, উর্দু,মলয়ালম,সংস্কৃত, অৰ্বী | কন্নড,ইংরাজী,হিন্দী, মরাঠী,তমিল,তেলেগু, উর্দু, মলয়ালম, সংস্কৃতত,অৰ্বী. | কন্নড,ইংরাজী,হিন্দী, মরাঠী,তমিল,তেলেগু, উর্দু,মলয়ালম,সংস্কৃতত, অৰ্বী. |
| 13 | কেরল | মলয়ালম,ইংরাজী | মলয়ালম,ইংরাজী, তমিল,কন্নর. | মলয়ালম,ইংরাজী, তমিল,কন্নর. |
| 14 | মধ্য প্রদেশ | তমিল,কন্নর,ইংরাজী,হি ন্দী,উর্দু,মরাঠী. | ইংরাজী,হিন্দী,উর্দু, মরাঠী. | ইংরাজী,হিন্দী,উর্দু, |
| 15 | মহারাষ্ট্র | মরাঠী.হিন্দী, | ইংরাজী,হিন্দী,মরাঠী | ইংরাজী,হিন্দী,মরাঠী |
| 16 | মণিপুর | ইংরাজী,হিন্দী,মনিপুরী. | ইংরাজী,হিন্দী,মনিপুরী. | ইংরাজী,হিন্দী,মনিপুরী. |
| 17 | মেঘালয় | ইংরাজী,গারো,খাশী | ইংরাজী | ইংরাজী |

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 18 | মিজোরাম | মিজো,ইংরাজী. | মিজো,ইংরাজী | মিজো,ইংরাজী |
| 19 | নগালেন্ড | অংগামী,আও,ইংরাজী, হিন্দী,ফোনয়ক, লোথা,শেমা. | অংগামী,আও, ইংরাজী,হিন্দী, ফোনয়ক,শেমা. | অংগামী,ইংরাজী,হিন্দী |
| 20 | ওরিষা | ইংরাজী,ওরিয়া | ইংরাজী,ওরিয়া, ইংরাজী, | ইংরাজী,ওরিয়া.ইংরাজী, |
| 21 | পনজাব | ইংরাজী,হিন্দী,পন্জাবী | ইংরাজী,হিন্দী,পন্জাবী | ইংরাজী,হিন্দী,পন্জাবী |
| 22 | রাজস্থান | হিন্দী | হিন্দী | হিন্দী |
| 23 | সিক্কিম | ইংরাজী | ইংরাজী | ইংরাজী |
| 24 | ত্রিপুরা | বাংগলা,কোকবোরোক, ইংরাজী | বাংগলা,ইংরাজী. | বাংগলা,ইংরাজী. |
| 25 | তমিলনাডু | ইংরাজী,তমিল. | তমিল,তেলেগু,মলয়লম, উর্দু,কন্নর. | তমিল,তেলেগু,মলয়লম, উর্দু,কন্নর. |
| 26 | উত্তরাখন্ড | হিন্দী | ইংরাজী,হিন্দী,উর্দু | ইংরাজী,হিন্দী,উর্দু |
| 27 | উত্তর প্রদেশ | হিন্দী | ইংরাজী,হিন্দী,সংস্কৃতত | ইংরাজী,হিন্দী,সংস্কৃতত |
| 28 | পশ্চিমবংগাল | বাংলা | বাংলা,ইংরাজী,হিন্দী, উর্দু,ওরিয়া,তমিল. তেলেগু,গুজরতী, তিবতন,নেপালী. | বাংলা,ইংরাজী,হিন্দী, উর্দু,ওরিয়া,তমিল. তেলেগু,গুজরতী, তিবতন,নেপালী. |
| 29 | অন্দমান এন নিকোবার | বাংলা,ইংরাজী,হিন্দী, তমিল.তেলেগু | বাংলা,ইংরাজী,হিন্দী, তমিল.তেলেগু | বাংলা,ইংরাজী,হিন্দী, তমিল.তেলেগু |
| 30 | চন্দীগর | ইংরাজী,হিন্দী,পনজাবী | ইংরাজী,হিন্দী,পনজাবী | ইংরাজী,হিন্দী,পনজাবী |
| 31 | দাদর এন নগর হৱেলী | ইংরাজী,হিন্দী, গুজরাতী,মরাঠী | ইংরাজী,হিন্দী, গুজরাতী,মরাঠী | ইংরাজী,হিন্দী, গুজরাতী,মরাঠী |
| 32 | দমন এন দিয়ু | ইংরাজী,গুজরাতী. | ইংরাজী,গুজরাতী. | ইংরাজী,গুজরাতী. |
| 33 | দিল্লী | ইংরাজী,হিন্দী,উর্দু, | ইংরাজী,হিন্দী,উর্দু, | ইংরাজী,হিন্দী,উর্দু, |
| 34 | লকশ্বদ্বিপ | মলয়লম | মলয়লম,ইংরাজী | মলয়লম,ইংরাজী |
| 35 | পুদুচেরী | ইংরাজী,তমিল | ইংরাজী,তমিল | ইংরাজী,তমিল |

**হৌৱকফম-** লোল অহুমগী ফোর্মুলা/লংজিন চৎনহন্নবা ইন্দিয়ান স্কুল্স-এ স্টডী,দিপার্টমেন্ত ওফ লেঙ্গৱেজ ,এন.সি.ই.আর.টী.নঙৈ দিল্লী,2009,পেজ-80-83.

হৌজিক য়েলহৌমীগী লমদমগী লোলশিং মরকখন(medium)অমা ওইনা শিজিন্নবা হৌনরে। অদুগা হাইরিবা লোলশিং অসিদা অহানবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্নবগী মচাক মথুম শেমগৎ-শাগৎপা হৌরে। মসি য়াম্না নুংঙাইবা ৱাফম অমনী।মতুং তাবদসু হেন্না ভারতকী লোল কয়াদা(য়েলহৌমীশিংগী লোল য়াওনা)মরকখন(medium) অমা ওইনা শিজিন্নরকপা হায়বা অসি লাইরিক অসিগী পান্দমনী ।

# য়ুম্ফম


- মহৈ-মশিং য়েংশিল্লুপ রিপোর্ট, 1964-66, শিক্ষা মন্ত্রালয়, 1966
- লৈবাক্কী মহৈ-মশিংগী থৌশিল 1968, শিক্ষা মন্ত্রালয়।
- পাংথোক্লবগী পরীং পথাপ-1992 (লৈবাক্কী মহৈ-মশিংগী থৌশিল 1968), শিক্ষা মন্ত্রালয়।
- লৈবাক্কী তম্নি-হীরমগী থৌরাং স্কুল এডুকেশন -,2000. এন.সী.ই.আর.টী
- লৈবাক্কী তম্নি-হীরমগী থৌরাং -2005. এন.সী.ই.আর.টী
- ভারতকী লোলশিং তম্বা, য়ুম্ফম চে 1.3-2006 এন.সী.ই.আর.টী
- পট্টনায়ক, ডি.পি. 1986, স্টদি ওফ লেঙ্গৱেজ রিপোর্ট, নঙৈ দিল্লী এন.সী.ই.আর.টী
- ভারতকী লোলশিং তম্বা, য়ুম্ফম চে 1.3-2006 এন.সী.ই.আর.টী
- গান্ধী, এম.কে. হিন্দ স্বরাজ। ভারতীয় মত, 1909
- অঙাংশিংবু লেন্না অমদি তঙাইফদনা মহৈ তম্বগী অধিকার, অধিকার আইন, 2009, আইন অমশুং বিচার মন্ত্রালয় (লেজিসলেটিভ বিভাগ), ভারত লৈঙাক
- চোম্স্কি, N.1959। রিভিউ ওফ সকিনর্স ভরবল বিহেভিয়র লেঙ্গৱেজ 35.1: 26-58
- ৱেয়াগোৎসকী ইল. ঐস. 1978 মাইন্ড ইন সোসাইটী ড ডেবলপ্মেনেট ওফ হাইয়র শাইকোলোজিকল প্রোসেস কেম্ব্রিজ মাস: হারবর্ড বিশ্ববিদ্যালয়
- কপুর, কে. (2009) লেঙ্গৱেজ : আৱর মীডিয়ম ওফ অন্ডর্স্টেন্ডিং.জর্নল ওফ ইন্ডিয়ান এডুকেশন, Vol XXXV, No. 1. নঙৈ দিল্লী এন.সী.ই.আর.টী (ISSN: 0972-5628)
- কপুর কে.ঈ.ইল.টী.এন্ড শোশল জসস্টি ইন মল্টিলিংগ্ৱল ক্লাসরুম , বেবীলোনিয়া টেমা 1,2021, P.24
- ভারাতকী লোলশিং তম্বা, য়ম্ফম চে 1.3-2006 এন.সী.ই.আর.টী
- হোল্ট, জোন। মহৈ-মশিংগী মহুংতা, ন্যু: বেলেন্টাইন বুক্স, 1974
- ইংরাজী তম্বা, য়ম্ফম চে 1.4-2006 এন.সী.ই.আর.টী
- প্রভু এন.এস 1987 সেকন্ড লেঙ্গৱেজ পেডাগোজী ওক্সফোর্ড নিউ য়ের্ক : ওক্সফোর্ড য়ুনিভর্সিটী প্রেস
- ডোভেরা, এস 2005 ইলেক্টিসিজম ইনমেঠোদোলোজী এম.এস.এন.এফ.জী. ইংলিশ
- ফেলিক্স পোল 1998 লর্নিং তু রিড ইংলিশ : দ মিক্সড কোড ৱে , ইন ভিভিয়ান বেরি এন্ড আর্থর এম. সী. নেল (সম্পা) পোলিসি এন্ড প্রেক্টিস ইন লেঙ্গৱেজ এডুকেশন , হোংকোং : ডিপার্টমেন্ট ওফ করিকুলম স্টডিজ , য়ুনিভর্সিটী ওফ হোংকোং লমাই 175-193 বেস্ট , মাইকল , 1981 লর্নিং টু রিড অ ফরেন লেঙ্গৱেজ লোংমেন য়ু.কে. (লর্নিং টু রিড অ ফোরন লেঙ্গৱেজ, এন্ড অদর লেঙ্গৱেজ টিচিং (নিউ এড) লন্ডন নেউয়োর্ক লোংমেন গ্রিন (1955))
- চৈশিংলোল/অঙ্কগী মীএং, লাইরিক-2,ক্লাস-2, এন.সী.ই.আর.টী.
- লুকিং অরাউন্ড, এনভারেণ্মেন্টল স্টডিজ ক্লাস-3 গী তম্নি-লাইরিক

- বিতান ভাগ -1 ক্লাস-1, ক্লাস ইলেভেনগী সপ্লিমেন্টরি রিডর (হিন্দী) এন.সী.ই.আর.টী 2006
- হরিজন 9-7.38 লমাই -177 মহাত্মা গান্ধিগী অখন্নবা থবক থরা (পন্দুপ -5) দ ভোইস অফ ট্রুথ (কম্প্লিট বুক ওনলাইন) ভাগ II) খন্ড XI বেসিক এডুকেশন এন্ড স্টুডেন্ট বেসিক এডুকেশন
- <https://www.mkgandhi.org/voiceoftruth/basiceducation.htm>

মহৈ-মশিং খুদিংমক অঙাংশিংদা মখে ায়-মখে াগী মমারে ালদা তাকপী তম্বগিদবনি।

–নঈ তালীম, মহাত্মা গান্ধী

মহৈ মসিংগী মতাংদা মমালে ান হাবসি মিমাগী খে ামলাংগা পাংথক ওই। ইমলে াননা মহৈ-মশিং তাকপী তম্ববিগী মরকথন ওইদ্রবিামখৈ মহৈ-মশিং অসি মালমেগী থাক্তা পুখৎপা ঙমলে াই।

– রবনি্দ্রনাথ ঠাকুর

---

হনে্না অকুপ্পা মরে ালগীদমক www.ncert.nic.in য়েংবয়িু নত্রগা কে াপী রাইটকী লমাই পরিবিা মার্কটেিং মনেজেরদা পাউ ফে াবয়িু।

32151

विद्ययाऽमृतमश्नुते

एन सी ई आर टी
NCERT

राष्ट्रीय शैक्षिक अनुसंधान और प्रशिक्षण परिषद्
NATIONAL COUNCIL OF EDUCATIONAL RESEARCH AND TRAINING

ISBN 978-93-5292-925-2